ইন্দিরা

ৎ। জবা ঃ-
কে তোম্বী সিংহ
হুইদ্রোম লৈকাই, ইম্ফাল

অহানবা খুৎনম —
১০০০—১৯৬৩

নিংশিংজবা

বঙ্কিমগী 'ইন্দিবা' অসি মৈতৈ লোন্দা হন্দোকপদা বাহৈ অমা অনিদ, মৈতৈগী পাবিবিবশিংগা চুশিন্নবা ওহোকচে। মচুংদি – শা থো বা হাযবদা ঙা খো বা হাযবগুম্বা। মসিনা বাবিগী ফজনদা অমদি ভাবতা অকাযবা খোইনা ওইফম খোক্তে নি ডে। মসিগী-দমক ঐবু ঙাকপিযু নিজবি।

যাইস্কুল,

তা, ২৩।৮।৬২ ইং

শ্রীশ্যামসুন্দর সিং

মতমত্ বেল চেন্দ্রি—নোংচুপ লমগী লম্বীদি যাম্না খুদো, থিবি। মহাক মখোংগা, শেল যাওদনা, পাইশ্ব লৈতনা লম্বী লমশা চু চত্তুনা, পঞ্জাব যৌগ্রে। হার্যবিবসি ঙম্মবা মীগদি পৈশা তাবস্নু অতুম্মক মঙম্মে ঐগী নিপাড় পৈশা তানবা হৌবক্লে—মথমদা পৈশা তত্তনা থাবক্লে—অতুবু চহি তরেং নিপালদি মযুনা গুক-হন-হল্লক্তে, ঐগী ইবা-ইপাওস্নু বকিমতা লৌদ্রে। শাগনিংবনা ঐ ত্রি ত্রি পাখৎলে। লুপা কযানো পান্লিবা? ঐহ ক ইপা ইমাবু গানৌবকে- কবিগীদমতো বানদনা লুপাড় হানা তাগ-কনিবনো? লুপানা ঐগী পুন্সি ম ঙাই দগী হেনবা? ঐগী ইপাগী লুপা মশীং লাকঙমদা, শ দ নু া া ইৈ-নংবী ওইনা শানৈ, পুর্থি দা থল্লি, গো মা লুপানা ন থাবগা চি ুনা কযামুক হুংঙাহ াবে তাযবা? হমাদা নো না ঐনা হায, ম থাবগা ভুমগে।" ইমানা খুম্মকই, "চবোদাহাই ঐগী বাও ভাব তাবে। নানা মতুদা কবি

দোলাই থাজথ্রবনি, ইমৌইবেম্মবু ঐখোইগীদা যৌহনবিবক্লো। নত্রবদি ইমৌ অমমুক থিজবা তাবে।"

ঐগী ইপানা উবে, মবল-মথুম ফনা নিংথিনা মবৈবে। দোলাইত্নগী মন্থংহ্ শনামচুনা-মপাল-লোনবা বেশমগী ফি থাই, মতোন্দা লুপাগী মখূক্ল য়ু্বা, পুংপাইফমদা লুপাগী নোংশা মকোক হাপ্লি। লোইনবকইবা মীনাই হুপীশিংহ্ শিঙ্ককী ফীঙাক শেৎলি, ঙক্তসু শনাগী লিক্লু শি। অমুবা মকোইচোম্বা ভোজপুরী মবিথকসু দোলাইত্নগা শাগোম্নবকই।

ঐগী ইপা হবমোহন দত্তদি ললোল-ইতিক তৌবা অচৌবা মীনি মানা নোক্লহুনা হাযবকই, "ইপাইবেম্মা ইন্দিবা! নংবু অমুক বোনশিন্দুনা থম্বসি যাদ্রে। হৌজিক্তি চংলো, অমুক তংলৌ-লৌবনবা তৌগে। আঙুব পাম্বীনা লফু উবদা নোম্মি য়াম্না তৌকনু।"

ইপুক্লিংদা ইপাগী মালেম ... শেন্নবা মী মবি অমসুং ... নবনা ... মূক। ঐখোইন মফমসি যৌবকপদা হুংথিলগী থাক - য়ুথক অনি মথাংবেন যৌরে। দোলাইবেংশিংনা হাযবকই, "ঐখোই চাকঈশিং খবদং তাদ্রবদি চৎপা ঙমদ্রে।" ঐবু শেন্নবিবাশিংহুনা মহুদা খান্দুনা হাযবকই, "মফমসিদদি ফত্তে।" দোলাইবেংশিংনা খুম্নবই, ঐ থাই মী অম্মুক যাম্মিবদবু করি কিক্ষম লৈবগে?' ঐগা লোয়ানবিবা মী পুম্নমক্তু মতমহুক্কাওবা কবিমতা চাব-থকপা তৌনদ্রি, অহুনা দোলাইবেংশিংগী বাহুদা ময়াম্মক যানবে। *

নিপানা য়াও ওল্লি। মকমতুন্দদি হুমিং খুদিংগী কোকিল খোংই, নিংথমথাদা খাগী—মাপ্নংবা শিংলি, থাশিদসু পুর্ণিমা থাজ থোকই।"

কামিণীনা নোম্নহুনা হায়রবই, 'অহুদি ভবগ্র' পোংনিনা।"

অনিশুবা মতাং

নিপা-ময়ুমদা চংলে।

ইনাওগী অসিগুম্বা আশীর্ব্বাদসিগা লোইননা ঐ নিপা-ময়ুম পাংলক্লে। ঐগী নিপা—ময়ুমদি মনোহরপুরদনি। ইপাম্না মহেশপুরদনি। খুল অনিসি ক্রোশ ভবা লাপনৈ, অদুনা অয়ুক ভগ্না চাক-ইশিং চাথোক্লগা খোঙশাল্লক্লে, তোরেল অহি য়ুথক তককক তরেং য়োবগা অদুবাইদা থংগদৌবিবনি।

মসি খল্লুবদা ঐহাক কপ্নি কপ্নি ত্তৌবকই। অহিংদদি ঐহাক মাগী মশক্তু কনদৌই হাযবা নিংথিনা উবা ফংদ্রবাই, অদুগা মানসু ঐবু শক-চু কনদৌই হায়বা তশেংনা উরবোই। ইমানা য়াম্না চেকশিন্না শমসি পুনবিবকই। ক্রোশ অনা লম্ন লমশাং চংলকপদা শমজি নাম্বোকখ্রনি, শমপুম্বা ইফা ফাবনি। দোপ্নাই মযুংদা হুমাংনা শকসি কাহংলনি। খৌরাংবনা চিনবা য়গী অঙাংবা মচু কংশিনখ্রনি, চোকথবনা ইশাসি ইপং- পথবনি। নখোই নোক্লিবরা? ঐবু হাংপা পাপ পুজনি, নোক লাকপা তৌগনু, ঐহাক ইনখংলকপগী মপুম-মরৈ চপ চানা ফারক্লবা

মণদা ইত্থান হানবা ওইনা িপা-মযূমদা চৎচবিবনি।

লম্বীদা কালাদীঘি পোবা চাওথ্রবা পুখ্রি অমা লৈ। [illegible]গী ইশিংজু ক্রোশ ত থা[illegible]ক শাংনা লৈ। মপাম্না চিংদোনা [illegible]ই। মনক্তুদা লম্বী চং[illegible]মি। মাইকে মবিদা খোংনাং পাম্বী হৌই। মখোইশিংজু উবনা যাম্না লাই, পুখ্রিগী ইশিংসু শংবান্নবা [illegible]নাংগুম্মি, যেবনা [illegible]ক্রি হুনিংঙাইতি। লমজু মী পংচৎ চাত্তু। মী [illegible]থাক [illegible]শিন [illegible]ফম অত্থুবাইদা দোকান অমথত্তুং লৈ। মনা[illegible] [illegible]গী মমিংসু কালাদীঘি কৌই।

পুখ্রিসিদা মথম মথ[illegible] [illegible]ম্মকপা হায়বসি যাম্না কি[illegible]ন। ঙবান চিন্থিগী বি[illegible]া মফমসিদা খোংবু খোংবু হৌনদ্রবদি থক লাক্লদে। মবম সি[illegible]া মীনা মফমসিবু "ডাকুগী কালাদীঘি" হ[illegible]যবণা খ নৈ। দোক[illegible]দ[illegible] মীনা ডাকুশিংগী মকপ্প হায়নৈ। ঐগীদি মসি পুন্নক [illegible] [illegible]ফম লৈতে। ঐহাক মী যাম্না লোয়নবকই দোলাইবেং [illegible]ক, ঐবু শেম্লবা মী মবি অমসুং অই থবা[illegible]ক। ঐখো[illegible] মফমসি যৌরবপদা জু থিলগী যুথক অনি মখাইবে[illegible] যৌবে। দোলাইবেংশিংনা হায়বকই, "ঐখোই চাকঈশি থবদ [illegible]দ্রবদি চৎপা ঙমদ্রে।" ঐবু শেম্লনিবাশিংহ্না [illegible] হায়রকই, "মফমসিদদি কত্তে," দোলাইবেংশিংনা খুম্লক[illegible] [illegible]খাই মী অম্মক যাম্লিবদবু কবি কিফম লৈবাগে?" ঐগী লো[illegible]রিবা মী পুম্নমক্কু মতমত্থকাওবা কবিমতা চাব-থকপা ঙো[illegible], অহুনা দোলাইবেংশিংগী রাহুদা মযাম্মক যানরে। *

পুথ্রিগী হিদেন-ডাকমগী খোনা মখোংদা ঐগী দোল্লাইদু থারে। ঐদি খোইদৌ প্রোক প্রেক চারে। ঐনদি লাইদা তম্মা খুনম্মি, থিদনা হেক মীঙবা—অদুগা দোল্লাইবে শিংনদি দোল থারদুনা শিংগা না ফম্নগা চমোংববা খুদেদুনা ছমাই ছম্ম ক্নু শিং লাশি। থল্লুবদা ফনডুম ইকাই! মুপী হাযবসি মশাগীদা যেংই। ঐদি লেংবান্দা তোংদুনা চৎলিবনি, মখোইনা মবেব দা ঐবু পুবিবনি, এদি মথোক-কাবকপগী থম-থেংবা থাক্তা হপুবোইবা উনবা চৎলিবনি মখোইনা অহা বা মপুক্তা চাক চথাম অমত তাজবা ফনবা চৎলিবনি, অদুগবু মখোইনা অমোংদা খুদেনা ছমাই ছমদুনা পোথাদুনা লৌথাক্লে হাযনা ঐনা শাও-লাক্কুনস্নু তৌকবি? অবাবনিদকো মথোক-কাবকপা!

অস্মুম্মা খনা-খম্মা ঐহাক মতম খবগী তুংদা মীযামদু খবা থাল্লপ চৎখোকত্রে হাযবসি ভাবনা খঙলক্লে। ঐহাক মতমদুদা খোইনা হাঙ্গাইবা পোক্তনা দোল্লাইগী খোড হাইফেং হা দোক্কুনা পুথ্রিদু যেংবা তৌবক্লে। ঐন উবব, দোল্লাইবে শিদু পুল্লপ ওইরা দোকানগী মমাংদুদা খোনা পাবৌ অমগী মখোংদা ফম্লদুনা কবি কবিনো চাবি। মফমদু ঐদা লৈবিবকদগী লৌ-পরি অমগা মবাকলোম থাপকনি। অদুগা মসিস্নু উরকই, মা দা শুরবা নোংগুম চাওববা পুথ্রিদুগা পাব্রা লৈবি, মাইকৈ মবিদনা চীংশাংগুম বাংলবা অদুম্নদি ওইবগা থোংলবা শংবাম্নবা নাপিনা শম্না-কুল্লবা “মপাল”— মপালগা ঈশিগগী ভাইনবা পাক্লবা লমহাংদুদনা বাংলবা থোংনাং পাম্বীগী পাবং হৌবি, অদুগা মপাল্দনা যন মযাম্না শঙ্কিক চারি।

ঈশি মথক্তুদা ঈশিংদা চাক্তাবা উচেকশিংনা শান্নবি—তপ্লি-তপ্লিবা ঈপোম হৌবকপদ মিংশেল থুগাইবগুম্না তৌবি—লিবিবা কমদনা হুম্মকপদা লাঈজথক্কী লৈবাংশি, পাম্বিশি হাই-হুম্লি। মতুদগী ঐনা মসিমস্মু উবকই, ঐবু ডাক-শেনবা মীশি তু ঈশিংদা চন্নতুনা ইরজরি—মখাইগী মশাতুনা লেংডকপদা শংবান্নবা ঈশিং চক্কে মুন' চদ্রন চাইথাইবকপগুম উবি।

নে নদাবলোমদনা উরকই, কয়াদা নিংথিগ্রবা শংবান্নবা মং কয়াদা হজথ্রবা অতৌবা যাগী মপৈ, অমগা অমগা ওক্লা শেন্নবা শকুম-অদুগা অমনা, তকিসা মকোযদা পাইরিবা পিক্লবা চংকশিতুনা শংবানবা মবক্তা তোমথিন নম্বা অমুবা বিন্দুগী পক্লা কয়াদা নিংথিজবিবা। পুক্লিংদা অস্লুম খল্লকই, কবিগুম্বা মচে অমনা লেবিবোইড্রা, মতুনা মীওইবসি উচেক ওইনা পাইবা চেনা চাচক ওনববু ওম্লবদি এ হোজিকমক পাহথিতুনা কুইনা-রি। জবক্লবতুগী মক্ষমদা যৌজবা ওম্লগদবনি।

অমক পুক্লি কয়া যেংলকই- হদক্তি হাইরফং অকিবা অমা পোবে ঐনা উরে, দোলাইরে শিতু নত্তুনা ঐগা লোযনবকপা মী পুক্ত তাঙ্গা অমতদা ইরজর' কনখবগ্রে। লোযনরকপা মুপীশি — অমনা নিপ-মযুমদগী অমনা ইপামদগী, মখাইতুস্মু ঈশিং যৌগ্রে। ঐহাক পুক্লিংদা চিনবক্রে—ইনাক্তা কনাম ন লৈতে—খুদোংথিবা মফমি ওম্মারা জগাৎ চাদ্রে। কবি তৌসিগে ঐদি মৌ-অনৌবীগী চিন কাথোক্তুনা কামতবু কৌবস্মু ওমদ্রে।

তাঙ্গাসিমক্তদা দোলাইগী নাকল অমরোমদা মখোল অমা

তারক্লে। থক্তা লৈরিবা খোংনাং-যশাহৃদগী কবিগুম্বা অহ্নম্বা মাং অমা তাবকপগুম্না তৌই। ঐ মাহৈকে অদামগী থোঙহূ খঞ্জিং হাংদোক্তুনা যেংই, মহূদা উবক্লে, মুশিন-মুবা মশা-মউ চাও-শাং নিপা অমথক। কিবনা খোঙদ থি জিল্লে, অদুবু খুদ... অমুকস্থু, ঐ তাঞ্জাসিদদি থোঙ হা দে ত্তুনা থম্বনা ফংনি খল্লে অহুবু ঐনা থোঙহূ অমুক হাংদোক্তিবৈগী মমংদা নিপা ভমংকস্থু অমুক উথক্কগী চাংথবক্লে। উনা উযা অমস্থু অমুক, অমস্থু অমুক। অস্থুন্না মী মবি পুন্নপ অমুক্তদা উথক্তগী চোংথবক্তুনা দোলাইহূ লেংখোংননা থাঙ্গৎলগা যাঙনা তিংখত্তুনা চোবা তৌবক্লে।

মহূ উবদা ঐবু ভাব-শেনবা মাশিংহূ "কনানোহাই কনানে" হায়না লাওব-লাওবহূনা ঈশিংদগী চেনখৎলক্কে।

মতমহূদা ঐ খঙলে, ঐহাক ডাকুশিংগী মখুত্তা ... । তাঞ্জাহুদা ইবাইকহূনা কবি তৌগনি ? দোলাইগী খোঙ ...নাক হাংদোক্লে। ঐহাক চোংথহূনা চেল্লগে খল্লই, অদুবু ঐগা ... রকপা মাশিংহূ যাম্না কন্না লাওব-লাওবহূনা দোলাইহূ তান্নবকই।

মহূ উবদা ঐহাক পুক্লিং থবা নেমথবে। অদুবু নেমৎবহূ খুদক্তা অহূম্মক মাঙখ্রে। খংহৌদনা খুদক্তুমক্তদা অনকপা উপালশিংহূগী ডাকু মযাম অমা ফল ফল চো থবক্লে। ঐনা হাযখিবহূনি ঈশং মপান্দা খোংনাং পাম্বী পবেং পবেং হৌই। হাযরিবা উশিংনগী মখাদা ডাকুশিংনা দোলাইহূ পুহূনা চেল্লি। অদুগা উশিংসিদগী মী মযামস্থু পংচোংদা চোংথোরক্লে। মখোইহূ কনামমা বাগী চৈশাং পাযরি, কনামনা অক্লিংবা উশা পায়রি।

মী মশীং যামখিবদু উবদা ঐগা লোয়নবকপা মযামদু ঙম্না ঙক্লবক্লে। মতমদুদা ঐহাক নিঙবা পুমকায কাযবক্লদুনা চোংথবগে হাযবসি কন্না খল্লক্লে। হদুব দোলাই পুরিবশিংদু অশুক্কী মতিক যাঙনা চেনখ্রে—মদুদগী হেক চোংথবদা শাথীনা শোকপা নত্তনা অতৈ কবিমতা ওইফম লৈতে। অদুগী মথক্তা ডাবু অমথক্লসু ঐডোন্দা চৈ উৎলদুনা হাযবকই, "হেক চোংথবগা নকোক্তু খুগাইগদবনি।" মদুদদি ঐ তুং ন্না অদুম্মক লৈবে।

অদুদগী ঐনা উবকই, এবু ঙাক-শেনবা নিপা অমথক বন্না চোংশিল্লক্তুনা দোলাইদু হেক ফাবৈ। অদুবু খুদক্তুদা ডাকু অমনা মকোক্তা চৈতুপা যুংবক্লে। মহাক বাম্বদুনা লৈবাক্তা অদুম্মক তুখখ্রে। মহাক হৌংৎলকপা উদ্রে। অমুক হৌগৎলমগদি হাযবসু নিংদ্রে।

মদু উবদা অতোপ্পা অতৈদু চংশিনবা ঙম্মদ্রে। দোলাই পুবিবশিংদুনা ঐবু অপনবা কবসু লৈতনা অদুম্মক পুবক্লে। অহিং যুথক অমা থোববা থাওবা মখোইনা ঐবু অসুম পুবক্লবা মতুংদা দোলাইদু থাবে। মতমদুদা ঐনা উরকই, দোলাই থাবিবা মফমদু শুক্লবা উমু ন-মাপা ামিম্ম। ডাকুশিংদুনা মৈবা অমা চুখৎলে। অদুদগী ঐডোন্দা হাযবকই, "নংগী শৈজবা পুম্নমক্তু পিথোবকউ— নএবদি নথবাই লাগনি।" ঐহাক ঐগী ফীম্নোল লিক-কোলপুম্বা লাম্হোক্লে। ইশাদগী লৈতে পুম্বসু লৌথোক্তুনা পিবে। খুত্তা শিবিবা খুজিদুতদি লোথোক্তে—অদুবু মদুসু মখোইনা মুনখ্রে। মখোইনা মোৎলবা শেগাইববা ফী অমা পিবে, মদু হোংদোকহল্লগা হান্নগী শেংলিবা মমল যাম্নবা ফীদুসু লৌখ্রে।

ডাকুশিংহু ঐগী লৈজবা পুম্বা লৌরবা তুংদা দোলাইহু থুগাইহুনা, মহুদগী লুপানা-শাবা পোংচৈশিংহু লৌথোক্লে। মতুংহুদা, মৈ হৌগত্তুনা অতেকপা দোলাইহু মৈ থাদোক্লগা লূট তৌবগী থুদম মচেৎ অমা ফাওবা থমজ্রে।

মহুদগীদি মখোাই মযাম চৎনখিবা হৌবক্লে, শুক্রবা উমুংহুদা মন্নবা অহিংদা ঐবু লমলক্কী শাযাম খাযাত্তা লংশিল্লম্লগা চৎনখিবহু উবদা ঐহাক কপ্লে। ঐনা হাযজৈ, ‘মযাম পুম্নমক্কী নখোং পাযহুনা হাযজবি, ঐবু হুন্দোকপিবমগনু।” তাঙ্গাহুদা ঐ ডাকুশিংহুগা লোযনবহুসু হঙ্গাইবা পোক্লে।

অহল ওইরপ তৌবা ডাবু অমনা হুংশিনা হাযবকই, “ইবেম্মা, অহুক নিংথিবী হুপীমচা নংবু ঐখোইনা পুহুনা চৎক-দবসি মফম কৈদনো? লূট তৌবিবসি থিদনমক থিনবল্লগনি—তনৌ-তনৌবিবী হুপীমচা নবু ঐখোইগী ইবক্তা হেক উবদা ঐখোইবু খুদক্তা ফাবা শোইদে।”

পাখ ওইবিবা ডাকু অমনা হাযবকই, “ঐহাক মাবু পুবগা ফাদোক তাববসু অহুম তাজগ্রগে, মাবু হুদোক্লম্বদি ঐ ওম্মোই।”— মসিগী মথাদা মানা অতৈ খবগা হাযবকপহুদি ঐ ইজবা ওম্মরোই —হৌজিক থল্লুবা ফাওবদা হঙ্গোইজৈ। মথক্তা হাযখ্রিবা অহল ওইবা ডাকুহুনা মখোইগী লুচিংবনি। মহাক্তা পাখংহুদা চৈ উৎল-হুনা হাযবকই, “চৈ অসিনা নকোক্তু মশুং মবি তানা থুগাইবগা হেক্তমক লংথোক্লমগদবনি, মহু খংদবা শাবি। অসিগুম্বা পাপ্‌পু ঐখোই অমুক্তা তৌশিনবা হৌনব্রা?” মহু তাবদগীদি মযাম্মক্তু চৎখ্রে।

তশুবা মতাং

নিপা মযুমদা য়োনিংবগী অপাম্বা।

হাসিগুম্বা অসিবু থোকখিবা মবৈবিব্রা? অস্নুক থুদোংথিবা, অস্নুক নাবা অসিন্ কনাগুম্বগী মবাইবক্তস্নু মতম্লমগদ্রা? কদাই, ঐদি অহানবা ওইনা ইপুবোইবগী নাক্তা চৎচবনি—হকচাংপুম্বা মমল যাম্নবা বন্নবা লৈতেংতুনা, যাম্না চেকশিন্না শম পুনজতুনা, পামজন, তপচববা পানানা অমকপা পক্তিবা চিনবানসি মচু শংতুনা, মনম হুংশিবা পোৎলম কযানা মথোব-কাবকপগী ইপান লাংলবা হকচাংসি চুহল্লহুনা, চহি তবা মাপল শুরকপগী ফীভম ইবোযননা, অহানবা ওইনা ইপুবোইবা উনজবা চৎচবনি, কবি ববম্বা মওংদা মমল নাইদ্রবা বত্নসি মাগী খুযা খাদা কচ্চ-কসিবা হাযবা ব্লাখলসি তৌনা তৌনা চৎচবনি– অতুবু থংহৌদনা ভাসি তারবা' লৈতেংপুম্বা মুনবিখ্রে—মুনজখিসনু, শেগাইনবা মোৎলবা মনম নমথিববা ফী শেংহল্লে,– শেংহনজসনু, কৈ শওমগী মখন্যাত্তা লংশিল্লাম্লে—লংশিনজবমসনু, অবাম-খোৌনা বনা থবাই থাগদোৌবে,—থাবসনু—অমুক হিংজনিংদ্রে, হৌজিক শিখিবনহুম হন্না ফবে,—অতুবু শিখিদবা থোক্লবা, হিংলবা, অতু ওইরবদি ঐ কদাইদা চৎকনি? মাবুদি অমুক উজবা ফংলরোই। ইপা ইমাবুস্নু উজবা ফংনি থাজদ্রে। ফনা কপ্লবস্নু কপনিংবগী অরোই -অথম নাইদ্রে।

অদুবু কপ্পবোই হাযবসি বন্না খল্লে। পি শিন্থবকপগী লেঙ্গদি লৈত্রে, অদুবু থিংনবা কন্না লাক্লবে—তাঞ্জাসিদা থাপ্লপ অকিবা ফংনা ঙ বা মখোল অমা তাবল্লে। খল্লি কৈ ওইবগা তাই। থবাইসি হাইফেৎ মুংঙাইবে। কৈনা চাথ্রবদি মৈচাক পুন্নসি কোকথ্রনি। শক-শযাং থুদেক্তুনা ঈ চুপলগনি, মদুস্ত ঐনা খল্লি খাঙলগে, হকচাংদা অদুক বাজবতনি। শিদি শিথ্রনি, মদুনা মুংঙাইবদি ওইবনি। অসুম্না খল্লদুনা কপ্পা তোক্তুনা হাংথেং থল্লাই মুংঙাইনা তুমিন্না কৈ লাকপা ঙাইদুনা লৈবে। উনাগী প্রেক প্রেক হাযবা মখোল অসুম তাবকপদুদা, পুক্লিংদা অসুম ... কোকপিহৈবা থবাই ইংহন্নবগী মশক ওইবা কৈ যৌবল্লে হাযবসি কন্না থাজবা পোক্লকই। অদুবু অহিং ফনা থেংজিল্লাল্লে কৌনি লাক্তে। নিংবা কাযবে। অদুদগী অমুক খল্লকই—যাম শেংদবা মকমদা লীল শোইদনা লৈবগা যাই। অদুনা লীল মথক্তা খোংসিনা নেৎলুনবা হাযদুনা অশোঙবা মবক্তুদা চংলে, মনুংদুদা কযাম্ক চন্না কোইচৎ চৎলে। অদুবু ওন্থোকপনি! মীগী মশক উবদা লোইনমক চেনথ্রমাল্লে—উমুংদুদা সব-সব জিবি-জিরি হাযবা মখোলদি লৈই, অদুবু লীলদা নেৎলুবদি মবৈত্রে। ঐগী খোংদা তিংথ কয যুবে তিন-কাঙ কযা চিক্লে, অদুবু কদাই? লীলনদি শুকনিক চিক্তে। অদুদগীদি নিঙবা-কাযবদুনা অমুক হল্লক্লে, অবাম-খোবাংহনা হকচাংসি পুমহিক হিকথগ্রে—কোযনা চৎপা ঙমশিল্লক্তে। থন্না নানবা মকম অমা যেংদুনা ফমথরে। তাঞ্জাদুদা থংহোদনা শওম অমা লাক্লে—ঐনা খল্লি, শওমগী মখুত্তা শিবগে, অদুনা শওমদুবু ফুগে তান্নরুই, অদুবু অঙবপনি! শওমদু ঐঙোন্দা মমাইফাও

লৈশিল্লক্লে। মহাক উ অমদা কাখৎখ্রে। উথক্কুদগী ঙহাব লৈবগা ঙু, ঙু, হাযদুনা হযিংখোই লিশিং লিশিংগী মখোল তাবক্লে। ঐ খংলে, উসিদা 'খাই মহুম শারি, মহু খঙহু' শওমহু, খোইহি থক্লিবদগী ঐবু হুদোক্লম্বনি।

অহিং লে ইবকপগী অদুবাইদা হাইফেৎ উইথরক্লে—ফন্না-ফন্না উদা ঙাথদুনা ঐ অদুম্মক তুমথবে।

— ——

মবিঙুবা মতাং

হৌজিক কদাইদা চংকনি?

ঐনা মিকপ থোক্লবপ মতমদদি, কাক কোকিল খোঙ্গাং—বা-না মবক্তা নুনিং মশেক লিংশিল্লক্লুনা পৃথিবীসিবু মথং-মুক্কানা লৈতেংহল্লম্মে। অঙোনবদা অহানবমক্তদা উরক্লে, ঐগী থুক্তা কবিমতা পদম্‌দ্র ডাণ্ডশিনা খুৎকী লৈতেংপুম্বা মুনথিদুনা লুগ্রাবী অমগুমহল্লম্মে। ওহথনা খুদাংদা যোৎ মচেৎ অমখং পক্লি—যেৎথবা বামদদি নদিমতা যাওদ্রে। কপ্পা কপ্পা উবা মতং অমা থদস্তুনা খুং যত্রা কিশিল্লে।

অদুগী তুদা মাইকৈ মনি লৈহনা যেলকপদা উবক্লে, ঐনা ফল্লিবা মক্ষমদুগী মনাক অদুগা নুংদুগা উপালশিংহু অযাম্বনা মশা ককথৎলি, কবিগুম্বা উপালনা মক ফংনা ফুকপস্থ য়াওবি, মশা মরেংঙমক ইচোই চোইনা তাই। ঐনা খল্লি, মক্ষম অসি

শাংজনবশিং লাক্লম্বা তাই। অদুদি থুঙ্ঙ, তাবা লম্বী লৈরমগনি। অয়ুক্কী মঙাল ফাওবকপদা অমুক হিংনিংবগী বাখল পোক্লক্লে,— অমুক আশাগী মমি ত বক্লে, চহি তব মাপন্নতা মঙাইজবিবনিদনা। অসুম কোইচৎ চত্তুনা থিবকপদা মমিতা ওইনা লম্বী অমথক থেংনবে। মদুগী মতুং ইদুগা চৎলক্লে। অসুম অসুম চৎলক্লগা লম্বীদু মযেক খবা লাবাল্ল পুক্কিসি মুংডাইবে থুল থেনবা তাবে হাযনা।

মতমদুদা অবাব বাংশ অমমুক লাক্লে—থুলদা চবা গাবোইদোরি। শেগাই-তুগা ববা ফী অমা ডাকুশিনা ঐভোম্বা শংনবা পিবম্বদুদি, অদুক না' কপ-শাগপ থুংদগী থুকউ ফাওবদং কপ্পা থুংই—তৈতে হকচাংদি ফ যাওদ্রে। কবম্মা মীমাদা ইকাই-খঙ্গোই শক্তমসি উৎলুনি? (পা যাদ্রে— মফমসিদা অসুম্মক শিববা হাযবদুনি, বাখলসিদা ঐ হাক লেপলে।

অদুবু মালেমথক্তা মুমিৎনা মঙালনা তাওথোরকপা উবদা, উচেকশিনা মু শি-খোম্বাংদা খেংঙকপা তাবদা, উবি উপাল খুদিংদা লৈবানা হাই-ভুমা শকক্পা উবদা অমুক হিনিংবগী বাখলদু পল্লা পোক্লক্লে। অদুদি উপালশিংদগী উনা থবা থৎলগা, মদু পবে' লেংশিন্দুনা খাংচ ভূকশমদা কোযকা ফাজিল্লে। ইকাইবদি হাইফেৎ চৎনবা যানা শাম্মোকপা মযাল্লে, অদুবু অঙাওবীগুম্মদি উবে। অদুমকপু লম্বীদু থুদুং ইন্দুনা অমুক চৎলক্লে। খল্লা চৎলগা মম্মা খোঙকপা তাবে। মদুদদি থংলে, থুম্ন নকশিল্লক্লে।

অদুবু অমুক চৎপদি ঙমশিল্লক্লে। কৈদৌমুংদসু লাপ্পা

খোঙনা চৎপসি তৌবক্তি। ঙদুগী মথক্তা অহিং নোংশোইবা তুমদ্রে, অহিং চুপ্পদুমা থরাই হকচাং তূনা বাদুনতা লৈত্রে, অরাম-খৌরাংবনা ইশাসি হাপোই-হাপোইবদুনা লম্বী মপালদা হৌবা উ অমগী মখাদা হিপথরে, হিপথবগা তন্ন, অদুম্মক তূমথত্রে। তুম্লিনৈদুদা মঙ অমা মঙলক্লে, এহাক নোংথক্তা তোংলনা স্বর্গদা নিপা মযুম তাম্না চৎলি। বতিগী মবুঙো মশামক ঐগী ইপুবোইবনি—বতিদেবীনা ঐগী লোন্নবীনি। পবিজাত লৈবাংগী দমক্তা মাগা ঐগা খৎনবি। তাঙ্গাদুমক্তদা কনাগুম্বা অমনা ইশাসি পাযরক্তুনা মিকপ থোক্লে। ঐনা উবক্লে পাখং অমথরি, মশক্তু যেংবদা তোল্লবা জাত্তা পোকপা কুলীগুম্বা মীও নি শিংই। মহাক্না ঐগী খুজেংশি পাযদুনা কন্না চিংলক্লে। লাইবক যদুনা নাক অদুবাইদা উতুপ অমথক তাবম্মী, মদু খুল্লদুনা শাফু থাম্না কন্না পাপীদুগী মকোক্তা ফুথবে। কদোমদগী পাঙ্গল অদুক কল্লব্লিবনো, ঐ খংদে, নিপাদু মকোক পাযবদুনা হৌদুনা চেনখ্রে।

উতুপতু অমুক হন্দোক্তে, মদুদা শৌবদুনা এহাক চৎলক্লে। কনা থাপা চৎলক্লবা তুংদা, হন্নবী অমথক্তা থেংনরব। মহাক মণবী অমথক হোইবদুনা চৎলম্মী।

ঐনা মঙোন্দা হংই, মহেশপুব কদোমদা লৈ? অদুগা মনোহরপুরনা কদাম্নাইদনো? হন্নবীদুনা হাযবকই, "ইবেম্মা, নংবু কনানো? অদুক নিংথিজবী মুপীমচানবু লম্বী-লমথাংদা অদুম্না কোইচৎ চত্তুনা লৈবা হৌনব্রা? ওস্তোকপনি, কযাদা নিংথিখ্রবা শক্লো! লাও লাও, ঐগী মুমদা চৎসি।" মাগী মযুমদা চৎলে। মহাক্না ঐবু চরাম-চদৎনবে হাযবসি উবদুনা যাবীদু মথোম

ওন্নগা শঙ্গোম খরা পিথক্লে। মহাক মহেশপুর থঙই। মঙোন্দা ঐনা হাযরে, নংবু লুপা যাম্না পিহনগে—নং ঐবু মফমত্ত তান্না খরা থিনবিয়ু। মহু তাবদা মানা হাযরকই, "ঐগী য়ুমসি থাদোক্তূনা ঐদি কৈদগী চৎপা যাগদগে?" অহুদগীদি মানা লক্ষ্মী তাকপিরে, মহু ইন্দুনা ঐ অমুক চৎলক্লে। লুমিং তাবরপা কাওবা খোঙনা চৎলক্লে, মহুদা ঐগী ইশাসি শাথীনা হাযঙমদনা চোকথবে। লক্ষ্মী চৎপা নিপা অমদা হংলে, "তাবিবিব্রা, মহেশপুর যৌগদব-সিবু কযা য়াম্না বাৎলিবগে?" নিপাহু ঐবু উবদা চঙক-মাইওক্লনা লৈখ্রে। ফনা কুইনা বাখল তৌকুরগা হায়বকই, "নংবু কদাইদগী লাকপনো?" ঐবু লক্ষ্মী তাকপিবকপী হন্নবীহুনা লৈবিবা খুলহু মমিং পল্লগা মহুদগী লাবপনি হাযরে। মহু তাবদা লক্ষ্মী চৎপহুনা হাযরকই, "নহাক শেবান্নবে, মাইকৈ ওন্ননা লাক্লে। মহেশপুরদি মফমসিদগী নোংমগী লক্ষ্মীনি।"

ঐহাক কোক ঙাওখ্রে। ঐনা নিপাহুদা হংই, "কদাই তান্না চৎপিগদোবিবনো?" মহাক্না হাযবকই, "ঐদি অসিবাইদা ইনক-নক্না লৈবিবা গৌবিগ্রামদা চৎকদোবিবনি।" ঐহাক তৌকম খংদ্রহুনা মাগী মতুং অহুম ইন্নবক্লে।

খুল যৌবল্লবা মতমদা মানা ঐঙোন্দা হংঙকই, 'ন খুল-সিদদি কনাগী ইমুংদা চৎকনি?"

ঐনা খুম্মী, "মফমসিদা ঐগা খংনবা মী কনামত্তা লৈত্তে। উখোং অমদা হেক্তমক লৈগনি।"

লক্ষ্মী চৎপহুনা হাযবকই, "নংবু কন্নি জাৎনো?"

ঐনা হায়, "ঐ কাযস্থনি।"

ম'না হায়বকই, 'ঐনা ব্রাহ্মননি। লাও, ঐগী ইতুং ইল্লকউ। নহাক চমোৎনবা শেগাইবা ফীদি শেৎলি হায়ববু, অ চী-অশাং-ইমুংগী মুপীমচা মাল্লি। অতোনবা জাৎকী ইমুংদা অসুম্বা শক লৈবা হৌনদে।"

অবাবনিদরো হে শক! ঐবু শক যঙ্গে ফজে হায়বসি হেক তাবদা খোইদৌসি ব্রি ব্রি পাখৎলে, অদুবু ব্রাহ্মনসিদি অহলনি, অদুনা ঐহাক মাগা লোইননা চৎলে।

মুমিৎ নিনিগী তুংদা ঐহাক অহিংদু ব্রাহ্মন্দুগী য়ুমদা খংদং পোথাবা ফংজবে। থৌজালহৈববা হন্দুবা ব্রাহ্মনদু যজমান চাই, পুরোহিতনি। ঐনা শেৎলিবা ফীদুগী ফীভম উবদা গুরুদুনা মানা হংলকই, "ইবেম্মা, নং নফী অসিনা তৌবিবা মতৌসিবু কবিনো? কনাগুম্বনা মুনবিগ্রববা?" ঐনা খুম্মী,"মুনখ্রে হোয।" মহাক্তি যজমানশিংগী মফমদগী ফী-বোল যাম্না যংই—খবা কৌবপ তৌবা লংবৌগী মপাল অঙাংবা পাক্লা চনবা সাড়ী অনিশক ঐবু শেৎলু হায়দুনা পিরে। মোইবুংগী লিক মচা অমসু মাগী ইমুংদুদা লৈবম্মি, মদুসু নিবদুনা শিজিল্লে।

হায়বিবা থবকশি সি ওন্থোক্লা লেংঙম শাঙমদনা পাঙথোক্লে। ঐগী হকচাংসি পুংতেক-তেকখ্রে। ব্রাহ্মন্দুগী থৌরানীনা চাক খজিক্কুংগা পিজবে। ফক অমসু পিরে, মদু পাহনা হিপ্লে। অদুবু অসুক শাথীনা চোবথববসু তুম্বদি যাদ্রে। ঐহাক পুক্সিসিমা মাঙজববনি—শিখিবনা শকক চামা হেনা যববনি হায়বা বাখল-সিতা খন্দুনা লৈবে। অদুম্মক তুমদ্রে।

নোংঙাল্লমদাইদা হাইকেৎ উইথরক্লে। অমুক মঙ-মঙলক্লে।

মঙত্থদা ঐনা ঐগী মাংদা মুশিন মুববা যমনা পাক চাওববা মযাত্থ খিগৎলত্থবা হৌনা হৌনা নোকপা হেক উই। মত্থদগী অমুক তুমথবা যাদ্রে। অযুক যাহৌবকপদদি ঐগী ইশাসি তাং-তাংপুম্বা পুমচিক চিকখ্রে। খোঙসু ইপোম পোমখৎলে, হৌগত্তুনা ফম্বা ফাওবা ঙমদ্রে।

ইশা ঙমদ্রিবা চিক-খোৎপত্থ ফৎত্রিবা ফাওবদি, ঐহাক লেঙদনা ব্রাহ্মনগী মযুমদা অত্থম্মক লৈবদা তাখ্রে। ব্রাহ্মনগা মাগী খৌবানীত্থগনা ঐবু চেকশিন্না লুনা থম্বি, অত্থবু মহেশপুবদা চৎনবদি কবিগুম্বা উপায অমতা উবা যদ্রে। কনাগুম্বা হুযী অমতা লম্বী খঙদ্রে, অত্থগা চৎসি হাযবসু যাদে। নিপাদি অযাম্বনা যাই—অত্থবু মখোইগা লোইননা ইথত্না চৎপত্থ ঐহাক পুক্নিংদা অকিবা পোক্লে। ব্রাহ্মন্দুনসু খাম্মি। মানা হায, "মখোইসি মবমচৎ চুমদবা ঙাক্নি, মখোইগা চৎমিন্নগন্থ। মখোইগী মপুক্নিং খঙবা ঙমদে। ঐহাক, ইপা ইপু লৈপাক্না শকখঙবা মচা অমা ওইবগা, নংগুম্বী ফজবী হুপীমচা অমবু নিপা-নহাগা কোক হেক মফম খংদনা থ দোকখিবা হাযবসি পামদে।" মবম অসিনা ঐসু তুমিন্না অত্থম্মক লৈবে।

নোংমদি ঐনা তাবে, খুল অত্থগী কৃষ্ণদাস বসু কৌবা ভদ্রলোক অমথক ইমুং মচ্চু পুত্থনা কলিকাতাদা চৎকদৌবি। মত্থ ঐঙোন্দা খুদোং যান্না চাবে। কলিকাতাদগী ঐগী ইপামসু নিপা-মযুমসু যান্না থাপ্লিদি হাযববু, মফমত্থদা ঐগী শাগৈগী ইখুবাশিং খোকপা অমা থবক তৌত্থনা লৈ। ঐনা খল্লি, কলি-কাতা যৌববদি শোইদনমক ইখুরাত্থ থেংনগনি। মহাক্না ঐবু

শোইদনা ইপাম যৌনা থাবিনি। নত্রগস্থ ঐগী ইপাদা পাও খঙহনখিনি।

রারোলসি ঐনা ব্রাহ্মণদা খঙহল্লে। ব্রাহ্মণনা হায়বকই, "হাযরিবা বাফমতু যান্না ফবে। কৃষ্ণদাস বাবুদি ঐগী যজমাননি। সংগা লোইনতুনা চৎলগা ঐ মঙোন্দা হাযগে। মহাক্তি অহলস্থ ওইববা ফগ্রবা নিপানি।"

ব্রাহ্মণনা ঐবু কৃষ্ণদাস বাবগী মনাক তান্না পুবে। ব্রাহ্মণনা মঙোন্দা হায, "অচৌ-অশাং ইমুংগী মুপীমচাসি, খুদোংথিবা অমা থোক্তুনা লম্মানখিবদগী ঐখোইগী খুলসিদা যৌবক্লে। নংনা কবিশুম্বা মাবু লোইনবিগ্রবদি, মবাইবক থিববীসি মাগী মপাম যৌজখিবা যাগনি।" 'হাযবিবা বাসি কৃষ্ণদাস বাবুদু যাবে। ঐহাক মাগী ইমুংদা চংলে। মথংগী মুমিত্তা মাগী ইমুংগী মুপী পুন্নমক বস্থ মহাশযগী মুপীমকস্থ বাওনা ঐবু মীবাযনা তৌবিববস্থ, কলিকাতাদি অতুম্বক চৎলে। অহানবা মুমিত্তুদি ক্রোশ মবি-মঙা খোঙনা চৎলগা গঙ্গা মপাল যৌনা লাকই। মহুগী নোংঙাল্লগদি হি তোংলে।

মঙাগুবা মতাং

খোংজি মখোল হৌহন্নি।

ঐদি গঙ্গা অমুক্তস্সু উজদ্রি। হন্দক উজবা ফবসিদা থবাইসি হবাওজবগী পদোল পোম্লে। ঐগী খমথেংনা বাবা পুম্নমক্তু ঙাইহাক্তগী ওইনা পুমকাও কাওথ্রে। কযাদা পাকথ্রবনা গঙ্গাগী ঈপাক' মতুদা পিল্ল পিল্লবা ঈথক হৌরি—ঈথকশিংদু সুংশা মঙালনা তনিক তনিক ললি—মিৎনা যেংবদা তামথ্রবা ফাওবা অবংবতু শন্দোকখ্রি—তোর্বাদা বুঙ্গগী মতৌগুম উপালগী পোইনাইদ্রবা পবেং, ঈশিংদা মখল কযাগী হি কযা, ঈশিংথক্তা নৌগী মখোল, হিংবাই মযামগী খোঙ্গেল, পুমনিন নিল্লি, হিদেন তাফম খুদিংদস্সু পুম্নাঙ-লাওলি। মখল কযাগী মী কযানা, মওং কযা কযাদা ইকুজবি। অমুকস্সু কবিগুম্বা মফমদ। অঙৌবা নোংগুম মপাল নাইদ্রবা লৈঙোই-লম,—মতুদা মখল মথাগী উচেকশিংনা মখল কযা খোল্লা লাওল্লি। থাঙ্গৈমকশেংনা গঙ্গাদি পুণ্যগেনেবীনি। পেনবা নাইদনা স্নুম্গিৎ বযানিমুক যেতুনা অস্সুম লাক্লে।

কলিকতা যৌগদবা নোমা বাংলিঙৈগী যাচংবা মতম যৌফাত্রিঙৈদা জোযাব কাবক্লে। হি অমুক তোবা যাদ্রে। অচৌ-অশাং মযাম খুন্দাবা খুল অমগী হিদেন তাফম মনাক্তা ঐখোইগী হিডু থাতুনা থম্লে। ফজববা পোংলম কযা উবা ফংলে। ঙাফাব-শিংনা কাব্রংচাক মহুম চিংবগুম লুকাই হিথক্তা ঙা ফাবতু উবে। ত্র জ্ঞানপণ্ডিতশিংনা হিদেন তাফমগী সিডিদা ফম্লতুনা শাস্ত্র নৈনবিবতু উবে। নি থিরবী কযানা ফীজেৎ লৈতেংলতুনা ঈশিং শোকপা লাক্লি। কনানা ঈশিং হাইদোক্লি, কনানা শনাবুল থল্লা শোক্লি,

কনানা অমুক হৈথবি, অমুক থলহল্লি, অমুক নোক্লি, বাবি শাবি, অমুক হৈদোক্লি, অমুক থলহল্লি। মহ্‌ উবদা ঐহাক মমাংঙৈগী ইশৈ অমা নিংশিংলক্লে।

ইথন্তা চফু কোন্দুনা খাংদা ইশিং থন্নদি শোক্লুবদা,
লৈবন্নেনে শ্যামবায লাইজন্নুংদা।
ইপোম লাংলুবদা চফুহ্‌ উদ্রে কনাগী শক্তম্বু
লোংখ্রে'মুক কান্নু লাইজবক্তা।।

অহ্‌গী নুমিত্তা মফমহ্‌দা নুপীমচা অনিথক উথি, মখোইহ্‌ পুন্সিসিদা কাওগদবা লৈত্রে। নুপীমচা অনিহ্‌ চহি তবেৎ নিপাল মশুবগনি। যেংবদা নিংথি, অহ্‌বু যাম্নমক ফজবী হাইবীহ্‌দি নত্তে। ফজনা শেৎ-চাই। নাদা নাইন, খুত্তা অমহ্‌ং গুক্তা শনাগী লৈতেং অমমম। লৈনা শমজী কোইশিল্লি। মচু শংবা লৈরাং শিউলি নম্বা মপাল অমুবগী যী ভাক শেৎলি। খোংদা শরিক পরেং মবি মরি শি। খ্বাংদম্নু পিক্ল-পিক্লবা চফু অনি পুই। মখোইনা হ্বিদেন তাফমগী সিডিহ্‌ কুম্মকপা মতমদা জোযার কাবা ইশিংগী মরমদা ইশৈ অমা শক্লকই। ইশৈহ্‌ নিংশিংলি, তাবদা যাম্না নুংশি, অহ্‌না মফমসিদা মযেক্তু ইরবনি। অমনা মতাং অমা শকই, অতোপ্পহ্‌না অমমুক শকই। মখোইগী মমিংহ্‌ অমলা অমম্নুং নির্ম্মলা কৌই হায। অহানবদা শক্লকই—

অমলা।

লৌবুক্তা কৌনাসে, ইথক হৌবক্লে
রাপল মখোংদনা ইশিং।

লাও ইতা লাও, ইশিং শোক্লুসি,
চৎলো ইশিং শোক্লুসি।

নির্ম্মলা।

হিদেন শন্না, উপাল থন্না,
শাংলৈ লৈবা মপৈ।
লাও ইতা লাও, ইশিং শোক্লুসি
চৎলো ইশিং শোক্লুসি।

অমলা।

নিংথিবা ফিজোল্দা মোমোন তৌহুনা,
মুঙাই মিনোক নোকনি।
চক্ষু পুবহুনা, নাপলগা ইবোইনা,
খোংজি মখোল হৌহন্নি।
লাও লাও ইতা, ইশিং শোক্লুসি,
চৎলো ইশিং শোক্লুসি।

নির্ম্মলা।

লিক-কোল শিনি, খোংদা আলতা তৈনি,
হাইনি অবোনবা-ফীজি।
নোম্‌-নোম্‌ খোংথাংদা তাল চানা চানা
খোংজি মখোল হৌহন্নি।
লাও ইতা লাও ইশিং শোক্লুসি,
চৎলো ইশিং শোক্লুসি।

অমলা।

অঙাং অপূন্বা, তোক্তূনা শান্নবা,

শঙ্গু শঙ্গু লাকনি।

হন্নুবী কযাদি, শোঙুবী নম্বোনবী,

ইশিং খুজোক শোকনি।

ঐখোই মোমোন তৌনা নিংথিবা ফীজোন্দা

খোংজি মখোল হৌহন্নি।

ঐখোই খোংজি মখোল হৌহন্নি।

ইতা খোংজি মখোল হৌহন্নি॥

মবানিমক।

লাও ইতা লাও, ইশিং শোক্লুসি,

চৎলা ইশিং শোক্লুসি।

নুপীমচাশিংগী মওং মতৌ যেংবদা থম্মোইসি খবদং মৈশা কোল্লে। ঐনা পুক্নিং থিডিন্না ইশৈসি তাহুনা নৈবহু উবদা বসু মহাশযগী নুপীনা ঐঙোন্দা হংঙকই, "অমুক সুংঙাইখিদ্রবা ইশৈসিবু নপুক্নি অদুক চনা তাবিবদি কবিগীনো?" ঐনা খুম্মি—"কৈদৌবগে তদুনা?"

বসুগী নুপী। মথোক-মানবপী হাযবসিমক্তবু ঙকচৈ। খোংজি মখোল থোকহনবগী বাসু ইশৈ হেক মওই।

ঐ। চহি তবাতকক শুববী অমনা শক্লবদি ইকাইনিংঙাই মওইগদবনি, অদুবু চহি তবেৎ নিপাললতা ঙাইরিবীনা শকপদদি নুংশিনা তাই। মপুং-মবৈ ফারবা মীনা খুবাক্কা থারকপদ্দি

জুগোৎ থোক্তে, অদুগা চহি অহুমতা ঙাইরিবা অঙাংনা থাবকপা খুবাক্তি খোইথুম্নবগী মশক্তি।

বসুগী ইবেম্মচু বা মথা তাদনা, শুক্কোক্কুনা ফমখ্রে। অদুবু ঐহাক বাখল তৌবা হৌবকই। ঐনা খল্লি, কৈদোবদগী খেন্নবসি ওইবিবনো? থবক অমতদা মওং তোঙান তোঙান্না থেন্নিবা কবিগীনো? লাইববদা পিবা দান্না পুণ্যনি হায়বগা অচৌ-অশাংদা পিকবনা চিরোন তৌবনি হায়রিবসি কবিগীনো? ধর্ম্মগী মক ওইবিবা অচম্বা হায়বদু, ফীভমগী মতুংইন্না ইশা-থাগৎপা নত্রগা মীবা-ঙাংনবগী পাপ ওইনা হেক হেক থোকপসি কবিগীনো? ঙাকপিবা হায়বা অথোইবা ধর্ম্মদু, ফত্তবা মীশিংগী মফমদা চংলুবগনা মহাপাপ ওইবিবা কবিগীনো? থাঙ্গোশংনমক কনাগুম্বী মুপী অমবু উমংদা হুন্দোক্লুববদি মীনা মহাকপু মহাপাপা কোনৈ, অদুবু রামচন্দ্রনা সীতাবু উমংদা হুন্দোকখি, মাবুদি কনামতনা মহাপাপী কৌনদ্রিবা কবিগীনো?

ঐগী পুক্কিংদা লেপ্লে, মওং মতৌ খেনবদগী হায়রিবা পুন্নমকসি থোকপনি। রাফমসি ঐ শুকাও কাওদ্রে। নশিংগী মতুংদা ঐনা নোংমা ইকাই-শঙ্গোই হাংবা থবক অমা তৌখিবগী বারোল হায়বক্লিবসি, রাফমসি খল্লুবদগী হায়বিবনি। অদুনা ইশৈসিসু ইথ্রিবনি।

ইশিংগী লম্বীদা কলিকাতা তান্না লাকপদা অরাপ্পদগী কলিকাতা উবদা অঙকপা অমসুং অকিবা পোক্লে। দোলালগী মথংদা দোলাল, যুমগা হেক লেপ্পনা যুম, যুম অমগী মথক্তা যুম অমা, মদুগী মথক্তসু অমুক যুম, দোলালগী সমুদ্র—অরোই

অথম লৈতে, মশীং নাইদে, ঙমথৈ থঙদে। জাহাজগী মাস্তুলনা ক্রিকক্রিক ইন্নবহু উবদা বুদ্ধি লৌশি, পূম্বা পুম্মাঙ-মাঙখ্রে। মশীং লাকঙমদ্রবা হিগী লোইনাইদ্রবা পবেহু উবদা পুক্রিংদা থল্লকই, অমুক যামথ্রবা হিসিবু মীনা কমদোনা শাবিবনো? * মনাক নকশিল্লক্লগা উবক্লে, তুবশ মপালগী লমজাও শোবোক্তা গাডী-দোলাইনা ককচেং পবেংগুম চংলি—খোংনা চৎপা মীশিংগী মশীংদি হাযকত্তনবু কান্নদে—। মতমহুদা থল্লকই, মযামসিগী মবক্তা ঐগী খুডাবু কমদোনা থিংগদৌরিবনো? তুবেল মপালগী লৈঙোই মযামলক্তগী মশক থঙবা লৈঙোই মকুপ অমা পুখোক্কদবসি কমদোননো?

তরুক শুবা মতাং

স্বরো।

কৃষ্ণদাস বাবুদি কলিকাতাগী কালীঘাটতা পুজা কৎপা লাকপনি। ভবানীপুরদা থুংলে। ঐগোদা হংঙকই, "নংগী খুডাগী ময়ুমবু কদাইবাইদনো? কলিকাতাদবা ভবানীপুরদরা?"

মহুদি ঐ থঙদে।

মানা অমুকস্থু হংঙকই, "কলিকাতাগী কবম্বা মক্ষমদা মহাক লৈ হাযবগে?"

* কালিকাতাদা হৌজিক্তি হিগী মশীংসি থাইনগী শকক চামগী শকক অমা ফাওবা লৈত্রে।

মতু পুম্নমক ঐ কবিতা থগদে—ঐনা থল্লুবা হায়বু, মাহেশপুবনা ওইরিবা খুগ মচা অহুগুম, কলিকাতাসু খুল মচা অমা মওইরমগনি, কনাগুম্বা ভদ্রলোক অমগী মমিং পনবদা মীনা হেকমক তাক্লক্ক নে অসিনি। হৌজিক্তি উরে, কলিকাতা হায়বসিদি মপাল যাইদ্রবা দোলালগী সমুদ্র অমগুম্বনি। ঐহাক ঐগী শাগৈগী খুডাতুবু থিনবা পাম্বৈ অমতা উবা ফংদ্রে। কৃষ্ণদাস বাবুনা ঐগী দমক্তা থিবা লরবাব অহুবু কলিকাতাদবু ইচম চম্বা লবাইগী মী অমা থিবদা অতুম্না থিববদি কবি থোকপা হৌনৈ?

কৃষ্ণদাস বাবুহু কালীগী পুজা কৎলগা কাশীদা চৎকনি হায়না লেপ্পনি। পুজা কৎলে, হৌজিক ইমুং মচুং পুহুনা কাশী চৎ-নবা থৌবাং তৌথৎলক্লে। ঐ বপ্লে। মাগী কুপীনা হায়রকই, "ঐনা হায়বা বাসি লৌ। হৌজিক নং কনাগুম্বা অমগী ইমুংদা মীনাইগী থবক তৌহুনা লৈবো। ঙসি শুবি লাক্কনি, ঐ মঙোন্দা হায়গে, নংবু মাগী ময়ুমদা মীনাই ওইনা মরাইনা থমজনি।"

মসি তাবদা ঐ থোং থুৎ শিৎ তিংথোক্কুনা ও. খোংনা কপ্লে। ঐবু মীনাই ওইয়ু হায়বসি তাগ্রাবা'ক্টারেদকো? ঐহাক চিনবানসি ইথন্তা চিকথক্কুনা ঈ তাবক্লে। কৃষ্ণদাস বাবুহু ঐবু য়াম্না থোজানবি হায়বদা চিংনিংঙাই লৈতে, অহুবু মানা হায়রকই, "ঐনা কবি উপায় তৌগনি?" হায়রিবসি অচুম্বনি মহাক্না তৌগদবা উপায়সি করিনো? ঐগী লাইবক্লনি।

ঐহাক কা অমদা চংহুনা কাচিন্দা কপ্পুনা লৈরে। য়াচং-গদবা ঙহাক বাৎলিঙৈদা কৃষ্ণদাস বাবুগী য়ুম্বুবেনবীনা ঐবু কৌরক্লে। ঐ থোক্কুনা মাগী মনাক তাম্না চৎলে। মহাক্না হায়রকই,

"অসে সুবা লাক্লে। নং মাগী ময়ুমদা থবক ইংখাং শুত্নুনা লৌগ হাযববদি, ঐ ভাংনবিরগে।"

মীনাইগী থবক তৌবোই, চন্না হন্দুনা শিথ্রবসু শিথিগে, মসিনি ঐগী পুক্নি দা লেপ্পা—অত্তুবু হৌজিক্তি বাবোলত্তু মওং অমা হোংখ্রে—ঐহাক হান্ননা অত্তুক সুবোগী মশক যেংথোক্লে। "সুবো" হাযবসি তাবদা ঐনা খল্লম্বদি, "সাহেব সুবো" শুম্বা কবিশুন্বা পোৎশক অমা ওইরমগনি অসিনি—ঐদি মতমত্তুদা লবাই সুপী হাযবত্তু থম থেংলি। ঐনা উবদদি মত্তু নংশমত্রে—সুপী অমথক্নি—য়েংবা যাবা পোৎশক্নি। মতম কুইরে অসুম্বা অফবা পোৎশক্নি উবা ফংলক্তবা। সুপীত্তু ঐগী চহি লেঙ্গা ওইগনি, বুচুংসু ঐঙোন্দগী হেন্না ঙৌই হাযবা থাক্লে। কা-হেন্না শেৎ-চাবসু তৌদে। নাদা চোমাই, খুত্তা খুজি, ওক্তা লিক, অত্তুগা শেৎলিবনা মপাল অমুবা চনবা ফী অমা। মসিমক্তদা যেংনিংঙাই ওইবা পোৎশক হাযবত্তু অত্তুম্মক ওই। অসুম্বা শকফমদি উথিদ্রে। থম্বাল অমা শাৎপগুম্নি—মাইকৈ মবিদা লীলগুম খোইরপ তৌবা শমশিংনা মবৈ তমত্তুনা থম্বালত্তুবু কোইশিনবগুম তৌবি। মমিৎ অনিত্তু কোইরাওনৈ—অমুকসু চীং-লেম্নি, অমুকসু নোক্নি। মচিনবান অনিত্তু তবা-তবাই, লংনা ঙাংশং ঙাংই, লৈনাগুম হাইফেৎতমক লেঙই, মাইথোংত্তু পিক্তক তৌই, থাঙৈমকশেংনা হাযববদা অশাৎপা লৈবাং অমনি হাযবা যাই। শওং-শাদা কমদোবা হাযবত্তুদি ঐ তক্ষম খঙদ্রে। হৈনৌগী অনৌবা মশান্না সুংশিংকী শউমদা হাই-হুম্বগুম, মহাক্কী মশা পুম্বত্তু হাই-হুম্নি—ভুরেলদা ইথক ইপোম লাংবগুম, মহাক্কী মশাদা ইথক-ইপোম

অমা লাংলি—ঐহাক হাযখম তম্ফম শুকখঙ খঙদ্রে, মাগী মাইথোংদা করিগুম্বা অমা তৈবগুম তৌরহনা ঐবু শেমজিনবগুম তৌগ্রে। পাবিবিবশিংদা অমুক নৌগৌনা নিংশিংনিংঙাই লৈতে, ঐ নিপা নত্তে—মুপীনি হাযবসি—ঐ ইশাসু নোংমা হায়বিবা কঙ্গবগী নাপলসি ইশাদা পক্লম্মি। সুবোগা চহি অহুমগী অঙাং অমসু লোইনবকই--মহাক্তুসু পোম্লিবা লৈরাং অমগা পাংখক্লি। হৌগৎলি, ফম্লি, শাম্নবি, হাইবি-হুম্লি, জগোইশাবি, চেল্লি, নোক্লি রা ঙাংলি, ফুবি, মযাম্মকপু ইখোল খোল্লি।

ঐনা মিৎ-কুপ্তুনা সুবোগা মাগী মচাহুগবু যেংহুনা লৈবহু উবহুনা কৃষ্ণদাসবাবুগী মুপীনা শাওবহুনা হাযরকই,--"হংঙবসি খুমদ্রবদি কৈদৌরে,--কবি খল্লিবনো?"

ঐনা হংই,--"মহাকপু কনানো?"

যুম্বুবেনবীহুনা ঙংখংলহুনা হাযবকই "মহুসু অমুক তাক খংদা তাবি? ইস সুবোবু কনানো হাযবা?" মহু তাবদা সুবোনা হাইফেৎ নে'ক্লহুনা হাযবকই, "অহুব ইনে, হাইফেত্ত দি তাংপনা চুম্মিদনা, মহাক্তি মীনোনি, ঐবু শক খঙদ্রি।" অসি হাযহুনা সুবোনা ঐঙোন তম্না যেংলক্লগ হাযরকই, "ঐগী ইমি দি সুভাগিনী কৌই—মহাক্না ঐগী ইনেনি, ঐবু অঙাংওইবিবৈদগী মখোইনা সুবো হাযনা কৌই।" মসিগী মথা তাথরকপা বাদি যুম্বুরেনবীনা অহুম শমথগ্রে। মানা হাযবকই, "কলিকাতাদা বামবাম দহুগী মচাদা থাজহুনা লৈরবনি। মথোইদি য়াম্না ইনাক খুংব মনি। নহা ওইরিবৈদগী মনেম মকুগী যুমদা লৈগ্রহুনা ঐখোয মশক উবা সুকফং ফংখিদ্রবনি। ঐহাক কালীঘাটতা লাকই হাযবসি

তাবহনা ঐবু উনবা লাকিবনি। মখোইদি অচৌবা মীনি। অচৌ-অশাংগী ইমুংদা নং থবক তৌবদি হৈগনিদনা?"

ঐ হরমোহন দত্তগী মচা মুপীনি, লুপানা ফম থাহনা হিপকে হাযগ্রিবনি—অদুগবু অচৌ-অশাংগী ইমুংদা থবক তৌবা হৈনগদ্রা হাযরিবা? ঐহাক কপস্থু কপনিংশে, নোকস্থু নোক্লিংলে। ফীভমদু কনামতনা উদে—সুভাষিণীতদি উই। যুম্বুবেনবীদা মানা হাযবে, "ঐহাক শোন্না অহক মাগা ব্রা পুন্নমকসি ভাংনগে। মহাক্লা যাববদি, ঐহাক লোইননা অদুম চৎমিন্নগ্রগে।" অসি হাযবহনা সুভাষিণানা ঐবু খুজেং পাযরহনা কা অমদা পুহনা চৎলে। মফমদু মী অমতা লৈতে। অঙাং অদুতং মমাগী তুং ইল্লহনা চেল্লকই। হিদান অমথক থাই, সুভাষিণীনা মহুগী মথক্তা ফংগ্র, ঐবুস্থু খুজেং লাক্তনা চিংশিল্লগা ফমহল্লে। মানা হাযবকই, "ঐগী ইমিংদি ইহং-হদনা অদুম তাকথোক্লে। নংগী নমিংদি কবি কৌই ইতা?"

"ইতা", মীনাই ওইবদা মঙাববদি, মাগীদা ওইগদবা মঙাই, পুক্লিংদা বাখলসি তৌহনা নাগী বাহুগী পাওখুম পী— "ঐগী ইমিং অনি শুই—অমনা মযামা খঙনৈ, অমদি খঙনদে, খঙনদবদু ঐনা মখোযদা হায, অদুনা অদোমদস্থু মহু হাযজগে। ঐগী ইমিং কুমুদিনী কৌই।"

অঙাংহনা হাযবকই, "কুমুডিনী?"

সুভাষিণীনা হাযরকই, 'অতৈ মিং হৌজিক খংউহনা বাম্নদে, জাৎতি কাযস্থনিদনা?"

নোক্লহনা খুম্মি, "হোই, ঐখোই কাযস্থনি।"

স্নভাষিণীনা হাযবকই, "হৌজিক বনাগী মচানো, কনাগী মৌনো, য়ুম্না কদাইদনো হাযবত্থ ঐ কবিমতা হংলবোই। ঐনা হাযরিবসি মুন্না তাও। নহাক অচৌ-অশা গী মচাহুপীনি হাযবসি ঐ খঙলে—নংগী নখুদাংদা নঙকশমদা হৌজিকফাওবা খুজি লিক-কোল শিবগী মমি খামহুনা লৈরি। নংবু মীনাইগী থবক তৌ হাযবোই— নং চাক-ইনশাং থোংবদি কাবক কাবক মহৈত্রা।"

ঐনা হায, "হৈ। চাক থো বদা ঐ ইপামদা থাগৎনবিবনি।"

স্নভাষিনীনা হাযবকই "ঐখোইগী য়ুমদদি ঐখোই পুম্নমক চাক থোংই। (মবক থৎনা অঙাংহুনা হাযবকই, 'ইমা ঐ অবোক') অহুবু কলিকাতাগী চৎনবী মতুংইন্না চাক থোংবীস্থ থম্মী। হুপীহু ময়ুমদা চৎখিদোব, (অঙাংহুনা হাযবকই, "ইমা বালীবু শঙ্কাম শুম্বা') হৌজিক অবোক্তা হাযহুন। নংবু মাগী মহুক্তুদা হাপহল্লগে। নং চাকথোংবীদোনা চাক-ইনশাং পংবা-বানা থোংগদবা নত্তে। ঐখোই মযাম চংহুনা থোংমিন্নগদবনি, নোংমা নিনি নং অহুক যাওবগী বাতনি। কবি হাযবগে যানিংববা?"

অঙাংনা হাযবকই, "যাইনিংবা? হা যাইনিংবা?"

মমানা হায, "অঙাওবনি নংদি।"

অঙা না হাযবকই, "বাবুনি ঐ, অঙাওবনি বাবা।"

"অহুম হাযবা হৌনদে ইবুঙো!" বাসি অঙাংদা হাযবগা ঐঙোন্দা যেংলক্তুনা স্নভাষিনীনা হাযরকই, "ইতৎতত্তনা বাসিতা হাযবা।" ঐনা হায, "ইবেম্মগী ননাক্তবু লৈরবদি ঐ মীনাইগী থবক তৌবফাও ইশানা যাই।"

"ইবেম্মকা হাযগৎলক্লিবসিনা করিগীনো? হাযগে হায়বগা

অবোক্না হায়। ঐথোই অবোক্তু মতৌদি অমনি। থবা চৈগল-খোৎকল্লি—মাবু যানবদি থবা চৎপা ভাই, মহু ইবাই লাইনা নং ঙমগনি। —ঐ মীশক মুন্না খঙই। কবি হায়বগে, যাবেদনা ?"

ঐনা হায, "যাদ্রবদি কৈনা ঐনা তৌদোবা ? ঐগী উপায অমমুক লৈত্রে।" ঐহাক মিত্তা পি অমুক শিন্থবক্লে।

মানা হাযবকই, "কবিগী উপায লৈবোইদোবিবনা ? ভাইখো, মক ওইবা বাদি ইকাও কাওবি।"

অসি হাযবগা সুভাষিনীহু মনেগী নাক্তা ফৎ চেনখ্রে—অহুগা হ্উবে, "ভাইখো ইনে, মহাকসিবু নখোইগা কবি থোক্লৈ ?"

বাবোল অসিমতমক ঐহাক তায। মনেনা কবি খুম্মকপা, মতুদি তাব ফংদ্রে। মানা খঙবা খবদহুতা হাযবমগত্রা নিংই। ভাশংবমক্তি মহাক শুকখঙ খঙদবনি, পুরোহিতকী মচিন্দগী থবদ ভাবহুতনি মানা খঙলিবা। অঙাংহু হন্দক্তি মমাগী মতুং ইন্নখিদ্রে—ঐগী খুৎসি পাযরহুনা শান্নহুনা লৈবে। ঐহাক মাগা বাবি শাহুনা লৈ। তাঙ্গাসিদা সুভাষিনী অমুক হল্লক্লে।

অঙাংনা হাযবকই, "ইমা, ভাংশং-ভাংবা খুৎসি যেংউ।"

সুভাষিনীনা নোক্লহুনা খুম্মকই, "ঐদি কুইরে উবা।" ঐঙান্দা অমুক হাযবকই, "চৎসি গাডী লৈবে। চৎলোই হাযববস্থু, নমহুনা চিংহুনা পুবনি। অহুব ঐনা হায়খিবহুনি—অবোকপু ফাদবদি যাদে।"

সুভাষিনীনা ঐবু চিংহুনা পুবগা গাডীদা ফমহল্লে। পুরো-হিত মহাশযনা পিবা মপাল অঙাংবগী ফী অনিহু, অমনা ঐনা শেংলি—অমনা পোলাংখোক্তা ফৌবি, মহু কাওবা লৌশিল্লগা

পুনবা মতম ফংখিদ্রে। মতুগী মহুত্তা ঐহাক স্নুভাষিনীগী মচাহুবু তম্বাক্তা কোনখৎলগা চুপ্প চুপ্পহুনা অতুম্মক চৎলে।

তরেৎশুবা মতাং

মুক অমুবগী লিক্লি।

অবোক হাযবিবসি স্নুভাষিনীগী মনেম্বোক অতুব্নি। মান যাহনবদা তাবি—অতুনা হেক যৌবগা মনাক চংহুনা শকুংগা খুযাগী উযুল লৌরে, অতুদগী হাইফেং কবম্বা মীত্তানা হানবতু যেংথোক্লে। মহাক মতমহুদা, দোলালগী অপাকপা যুমংক্তা, মকম ওইনা ফক অমদা মোম্নচিংবা থাবহুনা হিপ্তুনা লৈরি, যমগোইবী মীনাইস্নুপী অমনা মখোঙ নোইবি। ঐহাক মদ উবদা, শাংলবা মুক অমুবা হাপ্পা লিক্লি তামা মঙক যৌনা মুক হাপচিল্লগা, ফক মথক্তা তাহুনা লৈবিমাল্লে খল্লুই। কোক্কী পোক-শিংহু লিক্লি মখুমগুম নিংথিববা মওংদা উবি। মকম লাংলিবহু অমুক্কা হেন্না মমহল্লি।

ঐবু উবদা যুম্বুবেনবী অতুনা মমৌদা হংলকই, "কনানো অসিদে?"

মমৌনা খুম্মি, "অবোক্না চাকথোংবী অমা থিবহুদা, ঐনা পুরকপনি।"

য়ুম্বুরেনবী। কদাইবাইদা থেংনরুরিবা ?

মমৌ। ইনেনা পিরকপনি।

য়ুম্বুরেনবী। বামনলা নত্রগা কায়েতলা ?

মমৌ। কাযেতনি।

য়ুম্বুরেনবী। নংগী ননেহুবু ভাওবরা করিনো ? কাযেত নিঙোলনদি কৈদৌননি ? নোংফাদোক বামন চাক পিজবা তারবদি কমদৌনি ?

মমৌ। মুতিমক্কী বামন চাক পিজগদবদি নত্তে। মুমিৎ থবনিদং অহুক মথমথিবা হাযবহুনি—অহুদগী বামন-মুপী ফংলগনা বামন-মুপীহু হাপ্পা যাই—বামন হাযবসিনা ফল্লিবসিস্ম মহা-মহানি —ঐখোইনা মখোইগী চাকখুমদা চংলুববদি কনাগী চফু-চনাই লোইনবা পুম্মাং মাংথোকই, অহুগা মখোইগী অরেম্বহুদি চাও হাযহুনা হেক হেক পিরকই। করি থোকই হাযহুনবু তৌবিবনো, ঐখোইবু মুচিবনে।

ঐহাক পুক্লিংদা মুভাষিনীবু হন্না হন্না থাগৎলকই—মুক থল্লবা লিক্লি অশাংবহুবু মহাক মপুক্লিং তেহনবা হৈরে হাযবসি ঐ উরে। য়ুম্বুরেনবীহুনা হাযবকই, "মহুবুদি অচুম্বনি—মী মচানা অমুক যনুবসিদি মশক শুকযে বু যে নিংদে। যাব হৌজিক মতম থরা অহুক কাযেত নিঙোল থমহুনা মযেংখিসি। থাগী তলবতি কযা পিয়ু হাযরি ?"

মমৌ। মহুগী মরমহুদি ঐ মাগা ভাংনরক্তে।

য়ুম্বুরেনবী। অঙকপনিদকো হে কলিযুগকী মুপী ! মী থৎক্লি হায়হুনা পুবক্লগা তলবকা বাদি ভাংনবক্তবা ?

ঐভোন্দা যুম্বুরেনবীনা হংলকই, "কয়া লৌগ হাযরিবনো নংবু ?"

ঐনা খুম্মি, "চ জক্ষম ওইগে লাক্লবনিনা, পিনবিবা অহুমা অহুম্মক লৌজগনি।"

যুম্বুরেনবী। বামন তুপী ওইববদি খরসু যাম্না মপিনৈ, অদুবু নংদি কাযেত নিঙোলনি—নহাক থাদা লুপা অহুম অহুমগা নফী নরোলগা থোনবিগে।

ঐগীদি চংজক্ষম অমত্তং ফংলগা লোইরে, অদুনা হাযবিবদু যারে। অদুবু হাযকদনবু অবেম্বনি, তলব লৌবগী বাফমসি হেক তাবদা থম্মোইসি পুবা ঙম্মক্রে। ঐনা হায়, "মদু যাজবে।"

ঐনা খল্লি, বেবা-শরা অমুক লৈত্রে—অদুবু মদু ওইবমত্রে। অশাংবা লিক্লিদুগী মুক্কু ওম্বোক্লা যামখ্রে। মানা হাযরকই, "নংবু চহি কযা শুরবগে ? অমম্বা মবকসিদা চহি লেপ্পা ঙমদ্রে—অদুগা নখোঞ্জেন্দুদি নৌবিবী অমগী খোমকম ওইনা ত্তোই।"

ঐনা হায, "ঐগী চহিদি তবামাপললোম কুনলোম শুরগনি।"

যুম্বুবেনবী। অদুদি ইবেম্মা, মকম অতৈদা থবক থিক্রো, চৎলো। ঐহাক মথোক-কারকপীদি থম্বা পামদে।

সুভাষিনীনা মবক থত্তুনা হাযরকই, "করিগী অবোক, মথোক-কারকপা মীদি থবক ইংথাংদি থক নোমত্রা ?"

যুম্বুবেনবী। চরোদহাই অঙাওবীসিদে। মথোক-কারকপা মীনবু জুগোৎ চাবা মীওং ওইবমগদ্রা ?

সুভাষিণী। কবি ব্রানোনে অবোক! লৈবাক পুম্বগী মথোক কারকপা মখৈসিবু ফত্তবা ঙাক ওইগদ্রনে ?

যুম্মবেনবী। মত্থু ওইফম থোক্তুবস্থ—থবক কল্লা নোম-খোত্তুনা চাবা যুম্বান ফত্তবা মীশিংত্থদি কল্লম্মা কদোবিবা?

হন্দক্তি কপনিংবত্থ কাজিন্দুনা থম্বা ঙম্মক্তে, কপ্পা কপ্পা হৌগত্তুনা চৎলে। মুক-লিক্লিত্থনা মমৌদা হংঙকই, "মুপীমচাসি চৎখ্রবরা?"

সুভাষিনীনা হায়বকই, "চৎখ্রমাল্লে।"

যুম্মবেনবী। কবে চৎখ্রসন্থু।

সুভাষিণী। অত্থবু যুম-পাল্লিবা ইমুদা চংলক্লগবু কবিস্থ পিজ পিথক তৌদনা হলহনখ্রগদরা? খবদং পিজবগা চৎহনখি-বনা চুম্মি।

অসি হায়বত্থনা সুভাষিনীত্থ ঐগী ইতুংদা তম্মা অহুম্মক লাক্লে। ঐবু কাবগা মাগী তুম্ফম কাদা পুত্থনা চৎলে। ঐনা হায়, "ঐবু অমুক ফারিবসিবু কবিগীনো? খবদং চাবা কংননবনি হিংননবনি হায়ত্থনস্থ ঐহাক অসিগুম্বা বাঙাং শাঙাংসি অমুম্মক তাত্থনা লৈবদি ঙম্মোই।'

সুভাষিনীনা হায়রকই, "লৈয়, হায়বা বা নত্তে। অত্থবু ঐনা হায়জবিবদি ঙসি অহি তদি লৈখিসি।"

কদাইদানা ঐনা চৎকদবা? অত্থনা ফীভম্মা যাদত্থনা ঐ পি তৈথোক্লগা অহিংত্থমা লৈবত্থদি যারে। রা অতৈ-অতৈ ঙাংন-ববগী তুংদা সুভাষিনীনা হংলকই, "মফমসিদা লৈত্রবদি, কদাইদা চৎকনি?"

ঐনা হায়, "গঙ্গাদা।"

হন্দক্তি সুভাষিনীস্থ পিগী ইরা চেল্লক্লে। হায়রকই, "গঙ্গাদা

চৎপা যাদে। ঐনা করি তৌরকপগে হায়বত্থু ঙহাক্তং ফমদুনা য়েংথো। মনামনিল নাইহল্লকনু। ঐনা হাযবা ইল্লু।"

অসি হাযরদুনা সুভাষিনীনা হারানী কৌবী মীনাইস্থপী অমা কৌরে। হারানীদি সুভাষিনীগী শাগোল্লবী মনাইনি। হারানী লাক্লে। নোইরপ তৌই, মুনা লংই, চহি নিফু লাল্লবীনি, মাইথোংদু নোকমি-নোকমি তৌদুনতা লৈ, মত্থু উবদা মযাম্মক নোকই। খন্না কা হেন্না হৈ-শিংবী ওইনা তৌই। সুভাষিনীনা হাযরকই, "অমুক্ত, মাবু কৌকচো।"

হারানীনা হাযরকই, "তাঞ্জা চাদনবু লাকপিগদ্রনে? ঐনা করম হাযনা কৌকদৌরিবনো?"

সুভাষিণীনা পিশুম শক্লদুনা হাযরকই, "উপায অমা তৌদুনা কৌকচো চৎলো।"

হারানী নোক্লা নোক্লা চৎখ্রে। ঐনা সুভাষিণীদা হংই, "কনাবুনো কৌহনখ্রিববো? নংগী নবুঙোবুবা?"

সু। নত্রবদি লৈকাইগী পোৎযোনবা অপঙ অসিবু অহিংসিদা কৌহল্লুদ্রা?

ঐনা হায়, "ঐনা হায়বদি, ঐ চৎথোকখ্রোরা চৎখোকস্নুবা, অদুনি হংলিবা।"

সুভাষিনীনা হায়রকই, "চৎকনু। অদুম্মক ফমদুনা লৈয়ু।"

সুভাষিনীগী মবুঙোদু লাক্লে। যাম্না নিংথি-ফজবা নিপানি। মহাক য়ৌরক্লগা হংঙকই, "করিগী কৌরিবনো?" অদুদগী ঐবু উরক্লদুনা হাযরকই, "কনানো অসিদে?"

সুভাষিণীনা হায়বকই, "মাগী দমক্তা নংবু কৌবিবনি। ঐখোইগী চাকখোংবীসি মযুমদা চৎখিদোরে, অদুনা মাগী মচুক্তা মহাকপু থম্নবা ইনেগী নাক্তগী ঐনা পুবকপনি। অদুবু ইমানদি মাবু থমসি হায়বা য়াদ্রে।"

মপুরোইবনা হায়রকই, "কবিগী যাদ্রিবা?"

সুভাষিণী। মথোক কাবকপীনি হাযদুনা।

সুভাগী মবুঙোদু হাইফেৎ নোকই। অদুদগী হায়রকই, "অদুণা ঐবু কৈদো হাযবিবা?"

সুভাষিণী। মাবু থম্নবা হোৎনবা তাই।

মপুরোইবা। কবিগীনো?

সুভাসিণীনা মপুরোইবগী মনাক্তা চংশিন্দুনা, ঐনা তাবা ফংলোইদবা খোনকম ওইনা হায়রকই, "ঐগী যাথংনি।"

অদুবু ঐদি হাযরিবদু তাবে। মাগী মবুঙোনসু খোনযম অদুম্না হাযরকই, "যাথং কোবথক্তা হাপচরে।"

সুভা। কর্ম্বা মতমদা ঙমগনি?

মবুঙো। চাক চাবা মতমদা।

মহাক চৎথরবা তুংদা ঐনা হায়,—"মহাক্কদি থম্বিববসু মযাম্নে, অদুবু অসুক শাথীবা খোলশিংসি তাদুনা ঐবু ক য়্না লৈগদগে?"

সুভাষিণী। তুংগী বাদু খোকপা খোকপা লাকনি। গঙ্গাদি নোংমদা হেক কংখিরোইদনা।

অহিং পুং মাপল তাবা মতম্নি, সুভাষিণীগী মবুঙো (মমিংদ রমনবাবু) চাক চাবা চংলক্লে। মমানা মনাক্তা চংক্কুনা ফম্নরে।

সুভাষিণীনা ঐবু চিংহুনা পুহনা চৎলে। মানা হাযবকই, "কবম কবম তৌবগে হাযবহু যেংলুসি চৎলু।"

ঐখোই মকম অমদা লৈহুনা যেংই, মখল মথেল কনাগী ইনশাং খোংই, অদুবু বমনবাবুদি খজিক খজিক্তং তংলগা ইস্থো-ক্তুনা থমখ্রে। করিমতা চাদ্রে। মমানা হংঙকই, "করিস্ত চাদ্রবদি বৈদোয়র ইবুঙো?"

মচানা হায়রকই, "থোংলিবা মথোং অসিদি ভুত-প্রেতনা-ক্ষাও চানিংঙোই, বামন থৌবানীসিনা থোংবসি চাবদা পুকসি ইথন থনগৎখ্রে। ঐহাক হযেংদগীদি ইনেখোইদা চৎ-চৎত্তুনা চাকুরগে খল্লে।"

মহু তাবদা যুম্মুরেনবীহু ইশুক শুকথখ্রে। মানা হাযরকই, 'মহু তৌবা যাদে ইবুঙো। ঐহাক চাকথোংবী অনৌবা অমা হোংলগে।"

বাবুহু মখুৎ হামহুনা তোকখ্রে। মহু উবদা সুভাষিণীনা হাযরকই, "ঐখোইগী দমক্তা মহাক শুসি চাক চাদ্রবনি। ক'ম চাদ্রসম্ন—থবকপু পাংথোক্লবদি কবে।"

ঐহাক খবাই মুংঙাইত্রহুনা রা অমা হাযগে তৌই, অদুবু তাঞ্জাহুমক্তদা হারানী লাক্তুনা সুভাষিণীদা হাযরৈ, "ননেম্মোক ইবেম্মানা কৌরি।" অসি হাযরগা মহাক মক্ষম মরাং খংদনা ঐবু যেংলগুনা নোক্লকই। ঐ ভাব তারে, নোকপা হায়বসি মাগী লাইনা অমা ওইরে, সুভাষিণীহু মনেম্মোকী মনাক্তা চৎখ্রে, ঐহাক মকমদা লৈনা লৈনা অতুম্মক তারকই।

সুভাষিনীগী মনোম্বাক্সা হায়রকই, "কায়েত নিঙোল হুপী-মচাহু চৎখ্রববা ?"

সুভা। চাত্তু, মহাক হৌজিক কাওবা পিক্ত-পিশক তৌদহুনা থামহুনা থম্লি।

যুম্বুবেনবীনা হায়রকই, "মহাক চাক-ইনশাং থোংবদি হৈত্রা ?"

সুভা। মহুদি ঐ খংদে।

যুম্বুরেনবী। ঙসিসি মহাকপু চৎহল্লোই হায়রবস্থু চৎহল্লমু। হয়েং অহুক মাবু চাক-ইনশাং অমা অনি থোংহন্দুনা যেংসি।

সুভা। অত্থুদি মাবু থাম্বা তারেদনা।

অসি হায়রম্মগা সুভাষিণীনা ঐগী ইনাক্তা লাক্কুনা হংলে, "নংবু চাক ইনশা থোংবসি হৈদি হৈকো ?"

ঐনা খুম্মী, "হৈ। ঐ হাম্বস্থু হায়খিবহুনি।"

সুভা। হযেং নিংথিনা থো৲বদি ঙমগনিদনা ?

ঐ। হয়েং চারগা খঙগদবা লৈরেদনা।

সুভা। হৈত্রগা হায়ৱৌ, ঐ ননাক্তা কমহুনা তাকপিনবা।

ঐহাক নোক্লে। অত্থদগী হায, "ফুংগী বাদি থোকপা থোকপা লাক্কনি।"

নিপাল শুবা মতাং

বিবি পাণ্ডব।

মতু‚গী হুমিত্তুদা চাক থোংলে। সুভাষিণীনা তাক্কে হাযত্থনা চংলকই, মতমত্থুদা ঐনা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা মৈবক্তা মোবোক লাংশিল্লে—মহাক লোক খুব খুরত্থনা হৌগৎখ্রে,—অত্থুগা হাযবকই, "শিরেদনা ভৌরিবসিদে।"

চাক থোংবা লোইবগা অভাংশিং হান্না পিজবে। সুভাষিণীগী মচা নিপাত্থুদি চাক থোইনা প‚চা চাদে, অত্থুগা মহাক্কী চহি মঙারোম শুববী মচা হুপী অমস্থ লৈ। সুভাষিণীনা মঙোন্দা হ‚ঙকই, "চাক-ইবশাং কমদোই, হেমা?"

মহাক্কা খুম্মকই, 'হাওখ্রে! ওস্নোক্কা হাওখ্রে!" মুপামচাত্থু শ্লোক থিবসি যান্না পাম্মি, মহাক্কা অমুক হাযবকই 'হাওখ্রে হাওখ্রে, ওস্নোক্রস্থু হৈখ্রে,—

থোং-খাকপা হৈখ্রে, শম্ভাংস্থু পুনখ্রে
কৈরাং বকুল পরেংনা।
সাডীত্থুদি ভাংলৈনৈ, চফুত্থুদি খুদো‚নৈ,
থোংলি গোযালা নিঙোলনা।
ভাঙ্গা অসিমক্তদি থোংলক্লে বাঁশীদি,
কদম্বগী মখোংলোমদগী।
কপহল্লম্নগা অভাং, হুন্দোক্‚না চাক-ইনশাং,
চেনখ্রে ইশিংতম্ন' চাকথোংবী।"

মমানা লাওবকই—"তা[illegible] তানিংদে, থিথনু শ্লোক।" মতু তাবদা নুপীমচাতু তুমিন্না লৈ[illegible]

অতুগী তুংদা বমনবাবু চা[illegible] চংলক্লে। মকমদা [illegible]না যেংবদা উবে, মহাক [illegible]নশাং পু[illegible] [illegible]বমথৈ চাবে, [illegible] [illegible]দা মমা নোকচবগী [illegible]থৈ লৈ[illegible]। বমনবাবুনা [illegible]কই, '[illegible]স কনানা চাক থো[illegible] [illegible]।"

যুম্বুবেনবীনা খুম্নকই, '[illegible] মী অমা লা[illegible]।' বমন-বাবুনা হায়বকই চাক-[illegible] ফনা নি[illegible]।" [illegible] হায়বগা মহাক নখুং হা[illegible]না [illegible]।

অদুদগী যুম্বু অত চাবে। [illegible] এবু চ[illegible]-যু[illegible]। [illegible] তু ইন্না [illegible] যুম্বুগী চা[illegible] থিং[illegible]। তোডিক্কি খঙ[illegible], [illegible] শোক্লিন[illegible] হাকা কবিগীদমক্তা মথোক-[illegible] থমি[illegible] বাশক্ন, এনা যুনসিদা [illegible], মাইকৈদোমদা শককাও [illegible]।

ঐহাক নুমিৎ [illegible]মনগী, [illegible] মীত্তানো হায়বতু থ[illegible] [illegible]— [illegible] কব—পুকচেল [illegible]নি। অতুবু [illegible] যৌনা মুক থদুনতা লেনখনি।

থোবানী হমুবাতু [illegible] হই, '[illegible] চাক-[illegible] চাবদা কবি হায়।'"

থোবনীতু [illegible] মমা[illegible]-নমিৎ পুমডা [illegible] বন্না লাওবকই, "হোই হা[illegible], [illegible] থা-থাকপা, [illegible]

হৈবিবনি, অন্তবু হন্নরবসিদা বন'না থানবিগদাগ্গ ? হৌজিকসিদি চাক-থো বদস্তু শক-চুগা লোইননা চত্তি নহা ওইহ্রবদি যাদ্রে।"

ঐ খঙলে, যুম্বুনা থবা থ'ংলম্বা তাবে। অদুবু থৌরানীন্তু ঙক ক লংননি বা অমা পোল্লক্লে। ঐনা হায, "হোইনে, শক-চু চত্তি নহা হাযবসি যাওহ্রবদি কৈদগী য়াগদগে থৌরানী! — হন্নবাগী মশক উবগবু কনানা চাক চংগদগে?"

মযা খিগৎলদুনা যাক্লবা খাঙ্কমনা থৌবানীদুনা হাযবকই, "নংদি অদুম ফজদুনা চত্তি নহা ওইরদুনা লৈবনিনে? নমাইদু শুকথুই খুইজিল্লবোইনে?"

অসি হাযবদুনা শাওনা শাওনা থৌবাণী দেবীদু ইনশাগী ইবান অমা ওৎলুবদা ইবানদু থুগাইথোক্লে। ঐনা হায, "উরেদনা থৌবাণী! শকখোইনা মযাওহ্রবদি শোক্লুবা ইবান ফাওবা কায়-বিবহনি।"

মদু তাবদা বামন থৌবাদু মফী-মবোল মফম থংদনা চেগপ অমা পাযরদুনা ঐবু ফুগ তাল্লরক্লে! চত্তি মতাংনা মনাস্থ হাইফং তাদ্রমাল্লে, ঐনা হাযবদু শেংনা তাদ্রে। যাম্না শাথী-শাথীরবা বাঙাংনা খুম্লক্লে। এদু লনবদু মুংঙাইবা অমা পোক্লক্লে। ঐনা হায, "ঙাইখো থৌরাণী! অদুম অমুক্তা লেপখো। চেগপ পাযবদু ওন্থোক্লা পকচথ্রে।"

তাঙ্গাসিদা সুভাষিণী ইমুংতুদা চংলক্লে। থৌরাণীদু শাওখিবনা মহাক লাকপাকা উখিদ্রে। ঐবু অমুক তাল্লবদুনা হাযরকই, "লরাই মুপী! ঙাংনিংবতা পংঙাং ঙাংলদনা! চেগপ্পু খুত্তা পাযদ্রবদি খোঙদা লৌশিনগদ্রা? ঐবু অঙাওবী ওইরবোই থনব্রা?"

মচু তাবদা সুভাষিণীনা পিশুম শুক্লচুনা মাঙাদা হায়রকই, “ঐনা পুরকপা মীবু নংনা লবাই সুপী হায়বা নতিক্লা? নং চৎপিগ্রা ঐগী য়ুমসিদগী।”

মতুদদি থোবাণীচু তকিং তকিংনা চেগপু লংথোক্লগা কপ্লিং কপ্লি তৌয়া হায়রক্লে, “ইমাইপেম্মা, কবিনো হায়রিবসিবো! ঐবু কৈদৌঙৈ লবাই-সুপী হায়গ্রবগে? অদুম্বা বাদি ঐ পোকপদগী চিনসিদা অমুক ফাওবা পঞ্জদ্রি। ইঙবপু ঙকশেনা তাবদা।”

মচু তাবদা সুভাষিণীচু ইশি-শিনা নোকথোরক্লে, বামন থোবাণীদি পেহৌ পেহৌ ভৈরম্বদগী শুঃ-খোংনা কপথৎলক্লে,— মানা হায়রকই, “ঐনা কবিগুম্বা লবাই সুপীবু হায়খিবা থোক্লবদি এ অসুম্মক লেপশি শিত্না —”

ঐনা হায়, “কবিনো! হায়হৈদে।”

“এহাক যম লৈপাক যৌগ্রগে —”

ঐ। কবিনো হায়বিবদুবো থোবাণী, অস্নুক ওন্না। মচু কযা যত্তে, নোংমা নিনিদম্নু মরৈখো।

“ঐহাক নবোক্তা ফাও চংজকম লৈত্রসনু।—”

মতুদা ঐনা হায়, “মতুমদি হায়নু থোরাণী। নবাক্তা লৈব্রিবা মাশিংতু নংনা থোংবা চাক ইনশাংবু চাবা কংদ্রবদি, মখোই নরেক তাকবগী করি কাম্নফম লৈবগদগে?”

হন্নুবীচু কপ্লচুনা সুভাষিণীদা বাকৎলক্লে, “ঐবু মানা হায়নিংবতা হায়বিবসি নং থঙল-তানা করিমতা চৈ-থাংদ্রবা? ফরে অচুদি ঐ য়ুম্বু রেনবীদা হায়করগে।”

সুভা। অদুম তৌববদি ঐসু, লবাই শুপী [illegible]ন্দু[illegible] [illegible]না মাল্ হেক্তা চৈ হাযনা হাখনবা তারে।

হন্নবীহু মহু তাবদা মথন্তা মখজাইদা খুবাক্কা থাজবগনা হাযরকই, "ঐবু কৈদোউৈ লবাই শুপী হাযরবগে ? (অমুক থ[illegible]বা) —ঐবু কৈদোউৈ লবাই শুপা হযখ্রবগে ? (অ[illegible]বব থা।) ঐবু কৈদোউৈ লবাই শুপী হাযগ্র[illegible] ? (অহুমলক থা।)"-অসিবাইদা লোইরে।

অদুদগীদি ঐ হন্নবীহুদা থেমজিনবা বাহ শবা ঙাংবা [illegible]। অহানবদা ঐনা হায, 'হোইনে [illegible]মৌ হবেম্মা, থৌবা[illegible]না [illegible] শুপী হাযখিবসিবু নং কবম্বা মতমদা তাখিবগে" কৈদোউৈ [illegible] বাঙাং ঙাংখ্রবগে ? ঐদ হৈতাবু [illegible]তে দেনা।"

হন্নবীহুনা মহুদা হাযরকই '[illegible]দাগে ম[illegible]না হ[illegible] ঐনবু অদুম্বা বাঙাং ঙা লম্বা হোনখনে "

সুভাষিণীনা হাযবকই, "হো[illegible] [illegible]পা[illegible]। কনা ক[illegible] [illegible]থোক মশেল হাযনবদা ঐনা তাববা [illegible] [illegible] বামন [illegible] অদুগুম্বা মী [illegible]দাইদগী ওহগবগে ? [illegible] [illegible] চাক চাবেদনা ? কলিকতাসি[illegible] [illegible]না [illegible] বা[illegible] [illegible] থোংবা হৈতে।"

থৌবাণীহু ঐঙোন্দা [illegible]শি[illegible]না হাযবকই, "[illegible]না হাযবিবসে ?"

ঐনা হায, "মযামস্ত [illegible]ন। ঐদি অদুক হ[illegible]বা চাক ইনশাং অমুক্তবু চাদ্রি।'

হন্নবীহু হবাওনা [illegible] হ[illegible]কই, "[illegible] শি[illegible]না

পঙহায অতুক হায়রবনিদা । নখোইদি নিপা-নহাগী মপুক্লিং- চাবী মুপী ঙাক্লি, নখোইনবু চাক-ইনশাং থোংবা হৈতনা কনানা হৈনি ? ওম্বোকপনি । অম্মুক মশক-মতৌ-চংথোনবী মুপীবু ঐনা চৈ-থাংবা হৌনব্রা— কনাগুম্বা অচৌ-অশাং ইমুংগী মচা-মগু ওইরমগনি । ইবেম্মা, নং থোইনা বাকহু, ঐহাক নংবু চাক-ইনশাং থোংবা নিং-থিনা তম্বিবম্মগা তপ্পা চৎকনি ।”

হনুবীতুগা অম্মুন্না তাইশিন্নবে । ঐহাক মতম শাংনা কপ্পুনতা লেল্লক্লবনি । মতম কুইরবগীতুংদা ঙসিদি নোকপা ফংজবে । ঙহাক অম্মুন্না ফাগী জুগাই তৌহুনা নোক-খেবা ফংজবসিদি লাইববগী তাঙলবা লনগুম যাম্না খোইথুম্নবা পোকই । অতুনা হনুবীতুগী বাবোল পুন্নমক্তু অম্মুক চংথোম্না তম্বনি । মতম অতুদা নোকখি-বতু পুন্সিসিদা অমুক কাওথরোই, অতুগা মতুংদা নোকপনম্মু মতুমুক হুংঙাইবা ফংলবোই ।

অতুগী তুংদা য়ুম্মুবেনবীতু চাক্লুক মযাদা ফম্লবে । মনাক্তা ফমতুনা চেকশিল্লা লুনা ইনশাং মথেনশিংতু পীজরে । মুপীতু পংচাতা চাথ্রে । মমৈথংদা হাযরকই, “মথোং মথাক কনা নিংথিনা হৈদনা ! কদাইদা তম্মুই?”

ঐনা থুম্মি, ‘ইপামদা ।”

য়ুম্মুবেনবা । নংগী নপামবু কদাইবাইদনো ?

ঐহাক ওইদবা অমা হাযজিল্লে । য়ুম্মুরেনবীনা হাযবকই, “মসিদি অচৌ-অশাং ইমুংগী চাকথোংনি । নংবু পোকপতু অচৌবা মী অমাকা ওইরমব্রা ?”

ঐ । ওইরম্মি হোই ।

য়ুম্বুরেনবী। অহুদি নং পুজারীগী থবক তৌনবা লাক্লিবদি করিগীনো ?

ঐ। ফীভম চায়ক্তুত্বন তৌবনি।

য়ুম্বুরেমবী। অহুদি ঐগী ইমাক্তা অম্ভুম লৈরো, মুংঙাইনা লৈনি। মহাক অচৌ-অশাং ইমুংগী নিঙোলনি, নংগী হায়গী ফীভমচু করিমতা কাযবোই।

অহুদগী স্মুভাষিণীবু কৌবগা হায়রকই, "যেংঙোই স্মুভা, মঙোন্দা কনাগুম্বা অমত্তম অথীবা র৷ ভাংহনবা যাদে— নংবুদি ভাংগদবা লৈত্তে, নংদি অহুম্বু হৈনবা মী নাত্ত।"

স্মুভাষিণীগী মচানিপাচু মফমচুদা লৈ। অঙাংহুনা হায়রকই, "ঐদি হায়নি অথীবা।"

ঐনা হায, "হায়ু হায়ু যেংসি।"

মহাক্না হাযবকই, "অথীবা চম্পা চাবা হাওই, অহুগ'-অহুগা-মথা করি ইনা ?"

স্মুভাষিণীনা হায়রকই, "মথাদি নংগী ননেম্বোক।"

অঙাংমা হাযরকই, "কদাই নম্বোক ?"

স্মুভাষিণীগী মচানুপীহুনা ঐঙোন তম্না মখুৎ থিল্লহুনা হাযরকই, "তু অসিনি ননেম্বোক।"

অহু তাবদা অঙাংহুনা হায়বকই, "কুমুভিণী নম্বোক, কুমুভিণী নম্বোক।"

স্মুভাষিণীনা ঐগা মরী অমতং থোক্লমবসি কল্লা লাক্লে। মচানিপাগা মুপীগা অনিনা হাযদোবকপা বাহু তাবদা মহাক্না ঐঙোন্দা হায়রকই, "অহুদি নং ওসিদগী হৌনা ঐগা ভাই-শেম ওইরেদো।"

অহুদগী সুভাষিণী চাক চারে। ঐস্নু মাগী মনাক্তা চানবা ফম্লে। চানা-চানা মহাক্কী হংলকই, "নংবু কথাবক নয়ুম পাল্লে, ইনাও?"

হায়রকইবা বাঙাংহু ঐ ভাব তাবে। ঐনা হায, "কৈদৌ-ববগে, ঙসিগী চাক-ইনশাংসি দ্রৌপদীনা থোংবগুম থোক্লরব্রা?"

সুভা। ও ইযাস্। বিবি পাণ্ডবতুদি ফাষ্ট´ কেলাশ খানসামা অমা ওইখি। হৌজিক্তি ঐগী ইনেম্বোকসিবু মশক মুক্সা খঙলবরা?

ঐনা হায, "অহুক কুপশিন্নদি খঙদ্রি। অহুবু অতোনবা ইমুংগী নিঙোলগা অচৌ-অশাং ইমুংগী নিঙোলগা হিরম খুদিংদা মযাম্মকনা খবা খবদি মখেন্ননা মযেংই।"

সুভাষিণী নোক্লক্লে। অহুদগী হাযরকই, "ওম্বোক্সা পঙইদা নংসে! অহু ওইবে খঙ ভিবা? নংবু অচৌ-অশাং ইমুংগী নিঙোলনি হাযহুনা লুনা-চান্না তৌবিবোই নিংব্রা?"

ঐনা হায, "অহু নত্রবদি কবিনা?"

সুভা। মচা ইবুঙোগী মপুক থন্না চাক চাবগনি হাযবসিগী বাখন্দা, নংবু অসুক লুনা তৌবিবনি। হৌজিক্তি নহাক খবদং নপশিন-থোৎশিন্দুনা তৌ, তসেব ডবল হেনগৎলগদবনি।

ঐনা হায, "ঐহাক অনোম্মন পামদে। অহুবু লৌদ্রগা কবিগুম্বা অকাযবা থোক্লকত্রা হায়বতগী, থুৎসি তিংথোক্কুনা তসেব লৌগদৌরিবনি। নঙোন্দা অহুম্মক থমগনি, নং কৈলত-লাইব-শিংদা য়েনবিয়ু। ঐগীদি চংজফম অমা ফংলে, মসিনা হেন্দুম হেনমল্লবনি।"

মাপল শুবা মতাং

পোক্কী অরা-মুংঙাই।

ঐহাক চংজক্ষম কংলে। অত্তুগা মমল নাইত্রবা রত্ন অমগস্মু কংলে—ঐগী কনবতা থনবী ইতা অমা। ঐনা অস্মুম উবকই, সুভাষিণীনা ঐবু মথবাই মঙামক যাওনা মুংশি—মাগা হেক পোকমিন্নবা মচলদা চুংকদবা শাজত্তু, ঐঙোন্দা কাযদনা চৎলি। মহাক্না হাযবদগী মীনাইমুপী-নিপাশিংত্তুস্মু ঐবু থোওই-উৎশিত্তবা তৌদ্রে, অত্তুগা চাক থোংবগী মাইকৈবোমদস্মু মুংঙাইরে। হন্নুবী বামোন থোরানাত্নু—মমিংনা সোনাগী মমা কৌই—মহাকস্মু মযুমদা চৎত্রে। মহাক্না খল্লি, মহাক চৎলুববদি অমুক থবক্তু হন্না কংলরোই, ঐনা অত্তুম্মক লেঙদনা ওইথ্রনি, অত্তুনা মহাক লৌশিং মথল মথা তৌত্তুনা মযুম চৎপা তোক্লে। সুভাষিণীনা শীন্দুনা ঐখোই অনিমক লৈরে। মহাক্না মনেম্বোক্তা নিংথিনা ঙাংনরে, কুমুদিণীদি মপা-মপু অচৌবগী মচা নিঙোলনি, মথস্তনা অস্মুক যাম্বা চাক-ইনশাং থোংবসিদি ঙম্মোই—অত্তুগা সোনাগী মমাস্মু অহল মতম ওইবক্লে, কদাইদা অমুক চৎলুনি? মসিদা মনেম্বোক্না হাযবকই, "অনিমক থম্বদি কৈদগী ঙমদগে? অস্মুক যাম্বা লুপা কনানা পিবিনি?"

মমৌনা হায়রকই, "অত্তুদি অমতা থম্বা তাববদি সোনাগী মমাবু থম্বা চুম্মি। কুমুদি অস্মুক যাম্বসি ঙম্মোই।"

মুমুবেনবীনা হাযবকই, "নত্তে, নত্তে। সোনাগী মমানা থোংবা

চাক-ইনশাংদি ঐগী ইচানা চাবা হৈনদে। মখোই অনিমক অহুম্মক লৈবসনু।”

ঐহাক ময়াদনবগীদমক সুভাষিণীনা হায়বিবা লৌশিংসি তৌকুবনি। য়ুম্বুরেনবীহুদি মাগী শাম্নাবা লাইকদিবীগুম্বনি, মবমদি, মহাক রমনগী মুপীনি, রমনগী মুপীগী মরা চত্তবা, কনানদি ওম্মুনি? মহুগী মথক্তা সুভাষিণীদি লৌশিং যাম্না শিংবগী মতিক মবমচৎসু ফজে। অসুক বুদ্ধি চংখোনবী অমা থেংনবসিদা ঐহাক বারবা মতমসিদা হাইকেৎ মুংঙাইবা অমসু ফংই।

ঐহাক ঙা থোংবা-গৌবাগীমক তৌই নত্রগনা অহাওবা ইনশাং অমা অনি অমক থোকই—এতে মতমদনা সুভাষিণীগা বাবি শাই—মচানিপাহুগসু শাম্নহুনা লে, অহুগা করিগুম্বদনা য়ুম্বুরেনবী মশামক্না হাইবপ মরুপসু শাই, মমৈগী থবকসিমদি অবাবা কাবক মনংই। য়ুম্বুরেনবীনা কম্না থাজে, মহাক চহি নৌবি, মবাইবক থিহুনা পোক থবদ কাপ্পনি, মহু কোইদোক-থ্রবদি মহাক অমুক মৌনহা তনওই ওইগনি। অহুনা মহাক, অহাংবা মতমদা তাঙ্গা চানা মীবু থৎনববদি পোক কোইদোক-বা হেক্তা থোদাই। নোংমদি ঐবুসু থবকসি তৌনবা ক্যারে। ঐহাক খুৎ-শাসি কাবক কবক শিংই, যাম্না থুনা থোবাল থাগী নাপি মপাল মযামহু ফোযবা হৌবে। মতৌহু অরাপ্পদগী উরক্ল-হুনা সুভাষিণীনা ঐবু মখুৎ-হত্তুনা কৌরক্লে। ঐহাক য়ুম্বুরেনবী-দগী ওহাক্তং চুটি লৌরগা মমৌ ইবেম্মগী মনাক তাম্না চংলে।

সুভাষিণীনা হায়রকই, "কবিনো তৌরিবা মতৌহুদে ' ইনেম্বোক্সিবু কোক পুমতাও তাওলবী অমা ওইহল্লগেবা ?

ঐনা হায, "অসিগুম্বা পাপসিদি নোমদা হেক শেদোকখিবনা ফৈ।"

সুভা। অদুদি নং কবম্না শৈবা যাদোবি ? কদাইদা চৎকনি ?

ঐ। থুংসি শুকলেপ লেপনিখিদ্রে অদুননি।

সুভা। লোইবেদনা সিদে ! অমা অনি ফোইদোক্লগা কোক হেক লাকপা য়াদ্রা ?

ঐ। ননেম্বোক্নদি চৎক যাদে।

সুভা। অদুবু অসুম্না গায়্ —কদাই, পোক্তি থোইনবু পাহৌ হৌদেনাসিদে—অসি হাযবগা হেক লাকউ।

ঐনা নোক্নহুনা হায, "খুংথিশ পোবোপ্তবু হুবান-চিন্থি কবম্না তৌদোরিবনো ? মীনা উবগা কবি হাযনি ? মহুদি কালাদীঘিদা ঐবু লুট তৌখিবগী মওংহুদা তাবে।"

সুভা। কালাদীঘিদা লুট তৌখিবা হাযবদি কবিনো ?

সুভাষিণীগা বা অসুম ডাংনবকপহুদা ঐহাক ইশাবু কাওবা অমা তৌরুবে—থংহৌদনা কালাদীঘিগী বাফমহু কোক হেক পম্বোক্লুরে। বাহু ঐনা নমশিন্দুনা থম্লে। ঐনা হায়, "বাবিহু নোংমা তমগে।"

সুভা। ঐনা তাকপহু অমুক্তং হাযহুনা ময়েংউচোদনা ?

নোক্না নোক্না ঐ য়ুম্বুরেনবীগী মনাক্তা চত্তুনা অমুক পোক কোইরা হৌকরে। অহুম মরিদং কোইরবা তুংদা ঐনা হায়,

"থোইনা পংযাম যাম্না হোবা উদ্রে। অমা অনিদং লৈরিবসিদি হযেং ফোইরগে।"

য়ুম্বুম্নেনবীতু হবাওনা নোক্লক্রে। হায়বকই, "অদুবু মথোই অতৈনদি পোক্কী পোক ভাক্তা ভাইরে হেক্তা হায়জিল্লিবনিনে।"

হুমিত্তুদি ঐবু খংহেন-হেন্না চাল্লে। অদুবু হুমিৎ খুদিংগী অসুমা পোক ফোইদোকউ হায়বক্তনবা থোবম অমা শীল্লগে হায়বসি ঐহাক খল্লক্লে, ঐগী থাগী তলব ফংলে, মদুদগী লুপা অমা হারাণীদা পিরগা ঐনা হায, "লুপা সিমগী কলপ লিক্লি অমতা কনানো অমা থাদুনা লৈহল্লুচো।" মদু তাবদা হারাণী মপুক পাযদুনা নোকখ্রে। নোকপমখৈ নোকউরগা মমৈথংদা হায়বকই, "কলপ্তি কৈদৌনদৌরিবা? কনাগী মশম শঙগদৌরিবা?"

ঐ। বামন থৌবানীগী।

মসিদনা হাবানীতু অমুক্কা হেন্না নোকখিদুনা ফমথখবে। তাঞ্জাসিমক্তদা বামন থৌরাণীতু মফমদুদা কোক ফাওরক্লে। মদু উবদা মহাক নোকপা তোক্লবা মযা মহুংদা ফীজি নমশিন্দুনা থাওলে। মদুনসু থাওবা ঙম্মক্তদুনা মহাক মফমদুদগী চেনখ্রে। বামন থৌবাণীনা হায়রকই, "কৈনো মানা অস্থক নোক্লিবসিবো?"

ঐনা হায়, "মাগী হৈনজবীনি। ঐনা হায়কবে, বামন থৌবাণীগী শমসি কলপ্ তৈরবদি ফজপ্রনিদকো হায়না? মদুদা নোক্লিবনি।"

বামন থৌবাণী। অদুগবু অস্থক শাথীনা করি নোকফম লৈবগে? মদু তৈবদা কবি কায়বগে? শুহুকোক, শুহুকোক

হাযহ্লনা। অঙাংশিংনা কোইরাও লাওহ্লনা লঙনরিবসি, মহ্ৎ তৈর-বদি খরহ্লম কনি।

সুভাষিণীগী মচানুপীহ্লনা খুদক্কুদা খিগৎলক্লে—

—"চৎলি হনুবী শুমুকোক মানবী
শমজী চেৎনা পুন্দুনা।
খুত্তা চৈশু ওক্লো ল৲শু
নাদা নাইন চিন্দুনা।"

হেমাগী মৌপ্বানা হাযবকই, "কিন্না কোক।" মহ্ৎ তাবদা কনানো অমদা কিন্না শুরকপা তাবে হাযহ্লনা সুভাষিণীনা মাবু পুথোক্কুনা চৎখ্রে।

ঐ খঙলে, বামন থৌরাণীহ্ৎ কলপ্ যান্না তৈনিংলে। ঐনা হায, "করে অহ্লদি, ঐ কলপ্ পিগে।"

বামন থৌবাণীনা হাযবকই, "হোই, খবা পিযু। পুম্নিয়ু, নহাক, শনা লিকথাং লিকথা৲ শিবা ওইয়ু। চাক-ইনশাং থোংবদা ন-পা লৈত্রসমু।"

হারানীহ্ৎ নোকল্লিদি হায়ববু থবক্তি কৈ। থিন্দনা অকবা কলপ্ লিক্লি অমা পুরক্লে। ঐহাক মহ্ৎ পুবহ্লনা যুমুবেনবীগী পোক কোইবা চৎলে। যুমুবেনবীনা হংঙকই, "নখুত্তগীহ্লদি করিনো?"

ঐনা হায, "হিদাক্লি। মসি হেক তৈবদা পোক মথৈ ওন্না কেল্লকই, অমুবা শমতমক লৈহৌই।"

যুমুবেনবীনা হায়রকই, "অওইবরনে, অহ্লক মগুণ লৈবা

হিদাক্তুদি অমুক্তবু তাখিদ্রি। কৈ, তৈয়ু যেংসি। অতুগা কলপ কা তৈশিনবদি তৌ-লাক্কনুবো।"

ঐহাক যাম্না নিংথিজনা মাগী মশনদু কলপ তৈশিল্লে। মদু কোইবগা পোক নৈত্রে হাযদুনা হৌগত্তুনা লাক্লে। মতমদু পোক্লুগা মাগী মশম পুম্বদু মুশিন-মুশিনখ্রে। মবাইবক থিবদগী হাবাদৌদু ইমু নাইহই শিংলিংঙেদা মদু কোক উকবে। মহাক মদু উবদা শুমজিৎ লংথোক্লম্লগা, মচিন ফীনা খুম্লদুনা নোক্লা নোক্লা মপালগী কা তাম্না চেংলোকখ্রে। মকমদুদা "বৈদোবে? বৈদোবে?" হাযনা মযাম্না কোইবা লাংনা হংনবক্লদুনা, অমুক ইমু তাম্না চনশিল্লক্লগা মচিন্দা ফীনুং নম্ল নম্লদুনা যুমথক তন্না কাখৎখ্রে। মমদুদসু সোনাগী মমাদু মশম কহল্লম্মি, মহাবা হংলাক্লে, 'কেদৌববগে?' হাবাদৌদু নোন্নিংখিবনা বা ঙাংবা থোক্লে, মখুত্তুনা মকোবলোমদা পংথিন্দা থিন্দুনা লৈবে। সোনাগী মমাদু কবিমতা ভাব তাদ্রদুনা মখা কুমথবক্লগা যেংবদদি, যম্নুবেনবীগী মশম পুম্বা মুশিন-মুনা লৈবম্বদু উবক্লে—মদুদদি মহাক হিক হিক ভীনা কপথংলক্লে। অদুদগী হাযবকই, "ইমাইপেম্মা! করিনো তৌরিবসিদে! নংগী নকোক্তগী নশম পুম্বত্তবু মুশুক মুশিনখ্রেনে। ইমাইপেম্মা! কনানা শিদাক তৈবিবম্লবনোনে।"

তাঙ্গাসিদা সুভাষিণী লাক্তুনা ঐবু তনফা-ফাবরে—নোক্লা নোক্লা মানা হাযরকই, "শবথিবী, করিনো তৌবিবসে, ইনে-মোক্কী মশমদা কলপ থাজিল্লুবব্রা?"

ঐ। উম্।

সুভা। মচিনসি উমস্ত হাযখ্রিন! যেংউ করি লাপ খোক্ল-বগে হায়বা!

ঐ। পাখংলুহ্ন তুমিন্না লৈয়্।

খুদকসিদা য়ুম্বুবেনবী মশামক ঐবু থিবা লাক্লে মানা হাযরকই, "তারিবরা বুমো! নংবু ঐগী শমদা কপপ্ তৈশিল্লম্বরা?"

ঐনা উই, য়ুম্বুবেনবীগী মাইথোংদু মকা ফনা নিংথিনা লাম্মি। ঐনা হায, "মদুবু কনানা হাযজিল্লিবনো অবোক?"

য়ুম্বুরেনবী। সোনাগী মমানা হায।

ঐ। সোনাগী মমানা কবি খণ্ডদনা? মদু কলপ নত্তে, ঐগী হিদাক্তুনি।

য়ুম্বুবেনবী। অদুদি ফনা ফবা হিদাক্লিদনা! কদাই মিংশেল অমা অদুক পুবকউ যেংসি।

মিংশেল অমা পুবক্তুনা পিবে। মদুদা যে লগা য়ুম্বুবেনবীনা হাযরকই, "ইমাইপেম্মা! শম পুম্বা পু মু মুথ্রেদনা। হায বাখং-দবীগী মচা! ঐবু মীনা হেক উবদা কপপ তৈশিল্লে হাযনববনি।"

য়ুম্বুরেনবীদু হবাওনা নোকচবে। তুমিত্তুগী যাচংবা মতুংদা ঐনা খোংবা চাক-ইনশা, থাগৎপগা লোইননা ঐগী তলবস্থ হাপকংলে, অদুগা হাযবকই "তুপীমচা! নংনা লিক্লিগী খুজি-তমক শিদুনা লৈবসি ঐ ওন্থোক্লো যেংবদা তুংঙাইখিদ্রে।" অসি হাযরদুনা মহাক্না, মাগী মতম কুইনা থমজিনথ্রবা শনাগী খুজি জোবা অমা পুথোক্লক্তুনা ঐঙোন্দা বখশিস পিবে। মদু লৌবদা ঐহাক ওক থাঙ্গৎপা ওমখিদ্রে—মিৎকি পি থিংবা যাখিদ্রে। কীভম্না যাদদুনা ঐ "লৌরোই" হাযনবা তাঞ্জা ফংখিদ্রে।

মতম খরা কোল্লরবা তুংদা হন্নবী বামন থৌরাণীচুনা ঐবু থিবক্লে। মানা হায়রকই, "ইবেম্মা, নংগী হিদাক্তুবু লৈখিব্রবরা ?"

ঐ। করম্বা হিদাক ? বামন মুপীদা মপুম্নোইবচু কাজনবা পিখিবা হিদাক্তুরা ?

থৌবাণী। কৈদৈনোো অংগী বুদ্ধি হায়বচুনিদকো নখোইসে ! ঐগীদি অচুগুম্বা মীশক্তু কদাইদগী লৈরগদগে ?

ঐ। লৈত্রবা ? কবি মাতৌনি হাযধগে ? হেক্তা ঙক্লে লৈত্রবনিকো ?

থৌরাণী। নখোইগীদি মঙা মঙা লৈবোইরে ?

ঐ। লৈত্রবদবু অসুম্না চাক-ইনশাং থোংবা কৈদগী হৈদগে ? দ্রৌপদী ওন্দ্রবদবু নিংথিজনা থোং-থাকপা কৈবা হৌনব্রা ? মখি মঙাবোমদং অচুক লাওউদনা, অচুম তৌরবদি নংনা থোংবা চাক-ইনশাং চাবদা মী পুম্নমক বাম্বননি।

থৌবাণীচু মুংশাম্বব-মপি শাংনা হোল্লক্লে, অচুগা হায়বকই, "অমা ফাওবা ফংদ্রবদা মঙাশনবা লাংডবা ! পাঙলগীদি যাইদো, হিন্দু মুপীগীদি দোষকী দোষ ঙাব্রি। অচুগী মথক্তা কবম্নসু ওইগবনো ? যেংউদো, কোকসু লীমন থৌবি ঙাক ঙাইবে। অচুনা শম মুনবগী হিদাক্ত লৈ-লাক্লিব্রা হংবনি ?"

ঐ। ও অচু ওইবে। লৈ লৈ।

অসি হাযরগা ঐনা বলপব্বী লিক্লিচু বামন থৌরাণীদা পিরে। থৌবানীচুদি মুমিদাং চাবা-থকপা লোইনবা তুংদা, তুম্যমদাইদা, অমম্বদা মথন্তা মচু মশমদা তৈশিল্লুরমাল্লে, খবনা মশমদা তৈরে, খবনা তৈদ্রে, খবা অমনা মমিত্তা মমাইদা

ইতে-তৈরে। অয়ুক মানা যাহৌবকপদা য়েংবদদি, মশমশিংছু মবাং মবাংবা হৌদোংগুম থবনা ঙাংলি ঙাংলি তৌবে, থম্লনা মুবে, অদুগা মমাইহুস্তু মচি অমনা যো, মাইঙাং মাল্লে, মচি অমনা হৌদো, মাইমু মাল্লে। মতু হেক উবদা ইমুংগী সুপী নহা পুম্বা হৌনা লাওনা রা বা নোক্লবক্লে। অমুক লোই-থম্বা নাইত্রে। থৌবাণীহুবু উকবমখৈ প নোক্তা নোবখ্রে। হারানাহু নোকপনা মপুক্লি তিংখিহুনা বাবনা সুভাষিণীগী মথো দা দম লাওনা তুথবগা মন্তশা থবেং থবেং হোল্লহুনা হায়বকই, "মমৌইবেম্মা, ঐবু থবক তৌকহনবিবো, ঐহাক অস্মুক শাথীনা নোক্লিহুনতা লৈবা ইমুংসিদা লৈজবা ঙম্মবাই, নো মা শোইদনা পুক্লি তত্তুনা শিবা তাবে।"

সুভাষিণীগী মচানুপীহুনস্তু হনুবাহু লংনবিবক্লে, "হন্নুবী ইন্দোল—কনানা ফীজেৎ লেতেংবিবে?

"যমনা কৌরি শনাগী থাজ

লাক্লে। এগী যুমদা।

অহুনা তোর্ব্বানগী ফাজান লৈতেংবিরে তনা

সিহৈবগা মন্থীগনা।"

নোংমা হৌদোং অমথক্লা চফু অমুবা অমদগী ঙা হুবান্দুনা চাবদা, মমাইহু হামুক ঙাক্তা তৈখি। সুভাষিণীগী মচানুপানা মহু উক্কিদ্দুনা মহাক্লা হন্নুবীহু উবদা হায়বকই, "ইমা। হন্নুবী ইন্দোল চফু অমুবা চারে।"

অহুবু ঐনা মযামদা ইঙ্গিত তৌবদগী, থৌরাণীহুদা বাসি কনামতনা তাকথোক্লে। মহাক কবিস্তু থৌশাদনা যোংগা-হৌদোংগা

য়ানখাইনরবা শক্তমহু ময়াম্মাংদা কোইউৎ উত্তুনা অহুম্মক চৎলে।

পংনোক্তা নোক্লবা মতৌহু উবদা মহাক্না ময়ামদা হংঙকই, "নখোইনা নোক্লিবসিবু করিগীনো ?"

ময়ামহু ঐনা তাকপা তুংইন্না থুন্নক্লে, "অঙাং অসিনা হায়বিবা বাসিবু তাত্রিববা ? মানা হাযবি, হন্নুবী ইন্দোল চক্ষু অমুবা চাবে। ওরা, অহিং কনানো অমনা নংগী চাকশংদগী চক্ষু অমুবা চাখিবা য়াওবে, অহুনা ময়াম্না অস্সুম ঙাংনরিবনি, সোনাগী মমানবু অম্মুক ঢহি যান্নবদা অহুগুম্বা থবকপু তৌরম্বা হৌনব্রা ?"

মহু তাবদা হন্নুবীহু চৈথরকপা হোরে—"মাঙন-তাক্লবগী মশক ওইবীশা! চিন্থিবীশা! শকথিবীশা!" অসিনচিংবা মন্ত্র কযা থিংহুনা মখোইবু অমসুং মখোই ময়ামগী মচা-মবাবু লৌশিন-বিনবা যমবু হন্না হন্না বর্ত্তোন তৌরে—অহুবু যমরাজদি হিবম অদোমদা থোইনা মপুক্লিং থোইজংবগী মতৌ তৌহিবক্তে।

থৌবাণীগী শবক্মহু অহুম্মব কায়দনা লৈবে। মহাক কীভম অহুদা রমনবাবুগী চাক থিনজিল্লুই। রমন বাবুহু মাগী শক্তম উবদা নোকপা খাঙবদগী চাক হাখিহুনা, চাক-ককা করি-মতা চাখিদ্রে। অহুদগী বামরাম দত্তদা অমুক চাক থিনজিল্লুবদা য়ুম্মুবেন্না মাবু শাথীনা লাওহুনা ওাম্বোরক্লে হাযনরকই।

মতুংদা সুংশিরক্লংহুনা সুভাষিণীনা হন্নুবীহুদা হাযবিরে, "ঐগী কাদা সুংশেল অচোবা যাল্লিবনি, মহুদা নশক্তু অমুক্তা যেংলুচো।"

হন্নুবীহু চত্তুনা য়েংলুরে। মশক্তু হেক উবদা মহাক খো-ঙ্গেল বাংনা কপখৎলক্লে। ঐনা মঙোন্দা ভাব তানবা হায, ঐদি নশমহুদমক তৈম্মু হায়বনি, নমাই তৈম্মু হায়বদি হায়দে। হন্নুবীদি

মহু না ওইনা তাখিদ্রে। ঐগী ইংকোক শাযবনবা যমবু হল্লা হল্লা কৌরক্লে, মহুদদি সুভাষিণীগী মচানা শ্লোক থিথবকই—

"যমবু কৌবা মীহুদি, তেল্লবনি মপুন্সি।
মচিন্দু লাইথুং পাল্লহু, হনুবীনা হান্না শিসহু॥"

অহুগী মথংদা ঐ ী চহি অহুমতা ওাইবিবা ইযাহুনা চাথুমগী মৈহুম অমা পাযবহুনা হনুবীহুগী মনমগন্দা যুথবে। অহুগা হায়-বকই, "ঐগী ইনেবোক।" মহুদা হনুবীহু মখোং-মখুৎ শিৎ তিংথোক্তুনা অমুক খোঞ্জেল বা না কপখৎলক্লে। মহাক্না অহুক্কী মতিক কল্লগা, ঐগী ইযাহু অহুক্কী মতিক হেল্লা খুবাক খুবহুনা জগোই শাগৎলক্লে, অহুগা হায, "ঐগী ইনেবোক।" ঐনা চংশিন্দুনা মাবু পমখৎলগা মমাইহু চুপ্লবা মতমদতা মহাক লেপখ্রে।

তবাশুবা মতাং

আশাগী থাওমৈ।

হুমিন্তুগী নুংথিলদা সুভাষিণীনা ঐগী খুৎ পাযহুনা পুরগা অচিকপা মক্ষম অমদা ক্ষমহল্লে। অহুগা হাযরকই, "ইনাও, নহাক কালাদীঘিগী লুটকী বারিহু ঐঙোন্দা তমগনি হায়বগা, ওসি ফাওবা তমজ্রি। হৌজিক অহুক তম্মু তাবসি।"

ঐহাক মতম ক্ষনা শাংনা রাখল তৌহুনা লৈবে। অহুদগী কাইনথংদা হায, "মহু ঐ ইশাগী ইরাইবক থীবগী রারিনি। ঐগী

ইপাদি যান্না ইনাক খুনবা মীনি, ঐনা রাগি হায়রিবগী মরমদি, নংগী নকুবোকসু ইনাক খুল্লি—অদুবু মাগা যেংনকবদা কবিসু লৈতে হায়বা যাই। ঐগী ইপা হৌজিকসু লৈরি—মাগী মপাল নাইত্রবা মরম মথুম ওসি কাওবা লেওদ্রি, হৌজিকসু মাগী শামু-শঙ্কদা শামু পুল্লি। অদুবু ঐনা চাকথোংবী ওইদুনা থবাই হিংলিবসি, কালাদীঘিগী লুট অতুতনা থোকখিবনি।"

অসি কাওবা হাযববা তুংদা ঐখোই অনিমক তুমিন তুমিন্না লৈবে। সুভাষিণীনা হাযরকই, "নং মতু তম্বদা নপুক্লিংদু সুংওই-ত্রগা, তম্মসু তোক-ও। ঐদি মরোলদু খঙদবনিনা তানিংদুনা অতুক হাযকবনি।"

ঐনা হায়, "ঐ চিথদনা তমগে। নংনা ঐবু অস্মুক লুপ্না-চান্না তৌবিদুনা ঐগী ফনবতা শীনবিরগা, নঙোন্দা তম্ববু করিম্বী সুংওাইত্তকম লৈকদগে ?"

ঐহাক ইপাগী মমিং অমসুং লৈকম হাযদোক্লে। ইপুরোই-বগী অমদি ইকুবোক্কী মমিং, মখোইগী লৈফম কবিমতা তাক-থোক্লে, অদুগা অতৈদি লোইনা তম্লে। তানা তানা সুভা-ষিণী অসুম্মক কপলক্লে। ঐসু অসুম লিৎরকপদা মরক ময়ক্তা কপ্পি হাযবসিদি, হায়কদুনবু কান্নদে।

নুমিতুদি বারি লিবদুনা অদুম্মক লোইবে। মথংগী নুমিত্তা সুভাষিণীনা ঐবু অমুক অচিকপা মকম অমদা পুরে। মানা হাযরকই, "নংবু পোকপগী মমিংদু তাকউ।"

ঐ তাক্লে।

"মহাক্কা লৈরিবা খুলদুসু তাকউ।"

মহুস্ন তাক্লে।

সুভা। ডাকঘরগী মমিং হায়ু।

ঐ। ডাকঘর! ডাকঘরগী মমিংদি ডাকঘরনিদনা।

সুভা। চরোদাহাই শকথিবী! ডাকঘরনা লৈরিবা খুলদো, মহুনি মাগী মমিং।

ঐ। মহুদি খঙদে। ডাকঘরতমক খঙই।

সুভা। ঙাইখো, নখোইনা লৈরিবা খুলহুমক্তদা ডাকঘর লৈব্রা, নত্রগনা অতোপ্পা খুল অমদা লৈব্রা?

ঐ। মহুদি খঙদে।

সুভাষিণী মথবাই শুংঙাইত্রে। অতৈ বা অমুক মখা তাথদ্রে। মথংগী নুমিত্তস্ন হান্নগুম অচিকপা মফমদা হায়বকই, "নহাক অচৌ-অশাং ইমুংগী নি ঙোলনি, কযা বুইনা অস্নুন্না চাকপোংবী ওইহুনা লেনখিগদগে? নহাক চংশ্রবদা ঐহাক কপ্পুনতা লৈগনি—অহুবু ঐগী নুংঙাইনবগী দমক্তা নংবু নপুন্সি মাঙহনবা, অহুক পাপচেনবীমক্তি ঐ নত্তে। ঐখোই বা তান্নরে—"

রাহু লোইরম লোইফাত্রিঙৈনা ঐনা হংই, "ঐখোই হাযবদি কনা বনানো?"

সুভা। ঐগা র-বাবুগা।

র-বাবু হায়রিবসি রমনবাবুবুনি। অস্নুন্না সুভাষিণীনা মপু-রোইবগী মমিং ঐঙোন্দা হেক হেক হায়। অহুদগী মানা হাযথ-রকই, "ঐখোই অস্নুন্না তান্নরে, নংবু পোকপদা, চিঠি ওইনা খঙহনখিবা তাবে, নং মফমসিদা লৈ হায়বসি, অহুনা ঙরাং ডাকঘরগী মমিং নাঙোন্দা হংলিবহুনি।"

ঐ। অহুদি বারিপুম্বা মঙোন্দা তমথোক্লবা ?

সুভা। তম্রে—মহুবু করি কায়বগে ?

ঐ। কায়দে। অহুদগীদি ?

সুভা। হৌজিক ঐখোই মহেশপুরমক্তদা ডাকঘর লৈরম্বা-যাই থম্মহুনা চিঠি ইগ্রে।

ঐ। চিঠি ইগ্রে হায়বা ?

সুভা। হোই।

ঐহাক হৌরাওবনা মাইকৈ শলাই থঙ্ত্রে। খুৎথক্তুনা নুমিৎ মশীং থীহুনতা লৈরে, কৈদৌউঙ্গে পাওথুম ফংগদগে হায়না। অহুবু পাউথুম ফংবা লৈত্রে। ঐগী ইরাইবকসি ওম্হোক্লা থিগ্রবা হায়ব-হুনি—মহেশপুরদা ডাকঘর শুক্লে লৈতে। মতমহুদদি খুল খুল খুদিংদা ডাকঘর থমদে। অতোপ্পা খুল কায়দনি ডাকঘরনা লৈরি-বদি—ঐদি নিংথৌ মচাহুপীনি—অহুক কুপথবা রারোল থঙউ-লাকউদে। ডাকঘর লৈত্রবহুদা, কলিকাতাগী অচৌবা ডাকঘরদা রমনবাবুগী চিঠিহু হাংদোক্লগা অমুক হন্না থারক্লে।

ঐ অমুক কপ্পা হৌরে। অহুবু র-বাবুদি—থাথাদা তোকপা মীতা নত্তে। সুভাষিণী ল ক্লগা ঐ-ঙান্দা হায়রৈ, "হন্দক্তি নপু-রোইবগী মমিংহু তাক্লো।"

ঐহাক মতমহুদা ইবা পাবা থরা থরা হৈরে। ইপুরোইবগী মিংহু ইহুনা পিরে। অহুদগী অমুক হংঙক্কই, "নকুবোক্কী মমিংদি ?"

মহুমম্হু ইরে।

"খুক্লগী মমিংদি ?"

মহুম্হু তাক্লে।

"ডাকঘরগী মমিংদি ?"

ঐনা থুম্মি, "মতুদি কনানা খঙনি ?"

ঐহাক তারে, বমনবাবুনা মকমতুদস্থু চিঠি ইগ্রে। অতুবু করিগুম্বা পাওখুম অমতা হল্লকত্রে। থরাইসি য়াম্না হুংঙাইত্রে। অতুবু মতমতুদা ঐ বা অমা খঙনিং-নিংশিংলক্লে, ঐদি আশাগী হু্ংঙাইবা ইরাং অমদা তাওখিতুনা চিঠি ইবতু করিমতাকাও থিংলুদে। হৌজিক্তি নিংশিংলক্লে, ঐহাক ডাকুশিংনা কাতুনা পুরুরবনি, ঐগী জাৎ অমুক লৈবিত্রা ? বাখলসোমদগী, ইকু-বোক্না ইপুরোইবগনা ঐবু কৈদৌঙ্গুংদা লৌশিনবিনিংঙমগদবা লৈতে। অতুনদি চিঠি ইরুবসি ওম্বোক্না লাল্লে। ঐগী বাসি তাবদা সুভাষিণী তুমিন্না লৈগ্রে।

ঐ হৌজিক্তি ইশানা খঙজবে, ঐগী তুংগী থম্মনিংঙাই অমুক লৈরক্লগী মতুদগীদি ত-ম্না ঐ কমুংদা অতুম্মক যাতারে।

তরামাথোইশুবা মতাং

হুরান মিংচি অমা।

নোংমা অমুক যাহৌরকপদা উরে, করিনো অমগী ইরাঙ-লাঙলি। বমনবাবুদি উকিলনি। য়া-লাং-থোকপা পুম্নমক মহাক্না পুংপু পুরবা, মহাক্কী অচৌবা নিপা অমা লৈ। নিপাতু কলিকা-তাদা লাকই হাযবসি ঐহাক হুমিৎ নিনি ওয়ে তাবা। বর্ষ-

বাবুগা মাগী মপাগা ইতৎতত্তনা মাগী মমুমদা হেক হেক চৎলি। মচুগী মরমদি, মহাক্কা কারবাবগী মরমদস্থ থরা থরা মরী লৈনৈ। ওসিদি মহাকপু মুংথিশ চাক-কৌগদৌবি হাযবসি তারে। অতুনা ইনশাং মখেলগীদমক অসুক লাও-খোৎলিবনি।

হাওনা খো‹-থাকপা তাই—অতুনা চাক খোংবু ঐঙোন্দা তারে। ঐস্ম চেকশিন্না খোংলে। চাকমনা মতুংগী ইমুংদা শেমে। বামরামবাবু, বমনবাবু অতুগা চাকৌরিবা নিপাতু চাবা চংলক্লে। হাপ্ল খোৎপগী থবক্লা হন্নবীগী মখৌ ওইরে—ঐদি মপানগী মী চারবা মতমদা কৈদৌদুংদা হাপ্ল-খোৎপগী থবক তৌদে।

হন্নবীনা পুখোক পুশিন তৌতুনা অবাৎ অপা হাপ্লি—ঐনা চাকশঙদা লৈ—তাঙ্গাসিদা খৌদোক অমা খোক্লে। বমনবাবুনা হন্নবীতুবু ওস্থোক্লা কন্না লাওহৎলক্লে। মতমতুদা মীনাইমুপী অমা লাক্তুনা হাযরৈ, "খঙনা-উনা মীবু মথবাই শুংঙাইহন্দবসিবু।"

ঐনা হংই, "কৈদৌরবগে ?"

মিনাইমুপীনা হায়রকই, "হন্নবীনা ঐখোই ইবুঙো বাবুগী তেঙ্গাতা (হমুথী মীনাইমুপীনা ইবুঙো বাবু কৌই)—হবাই হাপ্লি—মহাক্লা মতু উবদা ওক্লে হাপ্লমু হাযতুনা ফিংনা মখুৎ খন্দুনা হেক তিংথোক্লকপদা, লোইনমক মখোং মখুত্তা হৈজিনগ্রে।"

ঐনা অসোমদা অমুক, রমনবাবুনা খৌরাণীতুবু লাওহৎপা তারকই, "নিংথিনা হাপ্লা-খোৎপা হৈত্রবদি করিগী লাক্লিবনো ? কনানো অমা হাপহল্লবা যাত্রা ?"

বামরামবাবুনা হায়রকই, "নংনা হৈনবা থবক নত্তে। চৎলু কুমোবু থারকউ।"

যুবুরেনবী মকমতুদা লৈজে, করমনা খাদ্দিগনি ? অসোমদনা খৃবাইবী মকোক যুবুগী য়াথংনি, করম হায়না হিক্তোক্কনি ? চৎলু-রুগা যুবুরেনবীনা শাণ্ডগনি, মতুম্ব খঙই। অহুম শক্তিরক হয়া হুবৈহুদা চংখোম্না তাক্তুনা হায়রে, "খরা খরা চেকশিন্না লূনা-নাম্না হাপ-খোৎলু"— অহুমু মাদি কিবনা অমুক চৎলু য়াত্রে। মরম অহুনা ঐহাক খুং হামদোক্তুনা, মায় থৈখোক্তুনা, থরা তনান্-তনান্হন্নগা, কী-য়োন খোমজিন তাশিন্না শেস্তুনা, হাইকেং মাইখুম চিংথরগা চাক-ইনশাং হাপ্না চংলে। কনানা খঙনি, অসুম থোক্লনি হায়বা ? ঐনা খঙ্জে, ঐসি য়াম্না শিংই—অহুবু সুভাষিণীনা ঐবু কৈথেলদা পুন্নগা লাযনা য়োম্হোক য়োনশিন তৌবা ঙমগনি হায়বসিদি ঐ সুকখঙবু খঙলুদে।

ঐহাক কিকম চোম্না খুম্মি, অহুবু মাইখুম কীনা হুপীগী শাজত্তি খুমজিনবা ঙমদে। মাইখুম মহুংদগী চাকোরিবা নিপাহুগী মশক্ত হাইকেং অমুক্তং য়েংথোক্লুবে।

ঐনা উই, মাগী চহিত্তু কুহ্ম্রামুক শুরগনি। কুচু ঙৌই অমমং নিংখিজে, মাবু হেক উবদা হুপীগী থম্মোই ঙমহৎপা। কীশক্কি হায়না খল্লি। ঐহাক লোংথাংনা শোকপঙুম হাইবপ চমন্নরুরে। ঙা হাপ্না কোন্দু পায়হুনা ঙহাক লেপ্তুনা লৈথো-ক্লুরে। ঐনা মাইখুম মহুংদগী মাবু হয়ান্দুনা য়েংলিঙৈ তাঙ্গাহু-মক্তদা, মহাক মমাই হেক হাইগৎলকই—মহুদা মহাক ঐনা মাবু মাইখুম মহুংদগী য়েংলি হায়বসি উখোকপ্রে। ঐদি খঙনা-উনা, তোগে হায়না মঙৌন্দা মিৎচিপী লাং শুকথাক থাকচরুদে। অহুক হকচিনবা পাপ ঐগী থম্মোইমুংদা পোক্লুদে। অহুবু

লীলস্থ, খঙনা উনা মশানা পামজবা হু খক কামথোক্লম্মোইদ্রা নিংই, হু কামথোক্লবা তাঙ্গা যৌনব্রবতদা য়াদহুনা মৎস্মাই অহুম্মক কামথোকচখিব্রা খল্লি। লীল পাপকী থম্মোই চেল্লম-দবা য়াই। অহুগুম্বা থোওংহু হাইরপ থোকখ্রমাল্লে। মহাক হাইফেত্তং ওইবা মিংচিগী লাং উখিবগুম তৌরমাল্লে। নিপা-শিংনা হাযনৈ, অমম্বদা থানবা থাওমৈওম, মাইখুম মহুংদগী মুপীগী মিৎচিদি লংখৎনা তাশংনা উই। মহাকস্থ অহুম্না উগ্রমাল্লে হাযনা নিংই। মহাক হাইফেৎ মোমোন তৌবগা মমাই লুকখগ্র। নোক্লিবহু ঐতমক উহৌই। ঐহাক ঙা পুরক্কুনা মাগী চাকলুক্কা হৈথবম্মগা অহুম্মক থোরক্লে।

ঐহাক হাইরপ ইকাইবে, থবাইস্থ হাইযেৎ মুংঙাইত্রে। ঐহাক্সি ইপুবোইবা লৈনা লৈনা পোকপদগী লুখ্রা ওইববীনি। লুহোংবগী মতমদা অমুকথক্তং ইপুবোইবগী মশক উজখি—অহুনা মথোক-কাবকপগী নিংজ-বাখল পুম্বা মপু ফাদনা অহুম্মক লৈরি। অস্থম্বা লুববা লাইজহুংদা নোংগী তাম্বা পিরক্কুনা ইথক হৌবল্ল-মাল্লে খল্লুবদা, ঐহাক শাথীনা ইকাই হঙ্গোইবা পোক্লে। পুক্লিংদা মুপী ওইবীগী মপোকসি ওন্থাক্লা তোল্লি হাযনা হল্লা হল্লা খঞ্জবক্লে। ইশা ইথম্ভবু মশী নাইদনা চৈজবক্লে, হাযঙমদনা থম্মোইসি শোক্লে।

চাকশঙ যৌরক্লগা ঐহাক, নিপাসিবু মফম কৈদনো অমুক উগ্রগুম তৌবমাল্লে হাযনা খল্লকই। চিংনবহু কোক্লবা ঐ অমুক-হল্লা মকমদগী মাবু যেংননবা চৎলে। যাম্না মুল্লা যেলে। মাবু উবদা ইথন্তা পুক্লুংদা শোঙ্গরকই "মশক খঙলদনা।"

তাঞ্জাসিদা রামবামব'বুনা অতৈ অতৈ চাননবা পুরকউ হায়না অমুক কৌরক্লে। ভাগী মথেৎ যাম্না থোংই—মত্থ পুহুনা চৎলে। নিপাত্থ হুরান-মিৎচিগী বাথন্দুতা খন্দুনা লৈবমাল্লে নিংই। মশাক্না রামরামদত্তদা হাযবকই, "বামরামবাবু, চাকথোংবী ফগ্রে, ভসিগী চাক-ইনশাংসি ওন্থোক্লা ফজনা হাওনা থোংগ্রে।"

রামরামদি মহুৎগী নাবোৎ করিমতা খঙদে, মহাক্না হায়, "হোই, মহাকসি চাক-ইনশাং থোংবদদি ফনা নিংথিনা হৈ।"

ঐনা পুক্লিংদা ইথন্তা হায, "নকোকমুক হৈ।"

চাকৌরিবা নিপাহুনা হাযরকই, "অহুবু ঐনা ভক্রিবদি, ইমুংসিদা থোংলিবা ইনশাং মথেলসি অমা অনিদি ঐখোই লৈপাক্কী মথোংগা চপ মান্নে।"

ঐহাক পুক্লিংদা অসুম্মক শোঞ্জবকই, "তশেংনা খঙলে।" অওইবমকম্থ মথেল অমা অনিদি ঐগী ইপাম লমদমগী মথোং ওইনা থোংবনি।

রামবামনা হায়বকই, "মত্থ ওইবা যাই, মাগী মখুমদি ঐখোইগী লৈপাকসিদা নত্তে।"

হন্দক্তি মহাক তাঞ্জা ফংলু, মহাক ঐগী ইমাইতম্না চুমথ্রিংনা যে লত্থনা হংলক্লে, "নখোইগী নযুম্থ কদাইরাইদনো?"

অহানবদা ঐ বাখল তৌই, বা ভাংসিরা ভাংহুসিরা? অহুবু লেপ্লে, ভাংলগে হাযনা।

অনিশুবা বাখলনা, অচুম্বা তাকসিরা তাকহুসিরা? অহুম্থ লেপ্লে অচুম্বা তাক্লশোই। ক'বিগী দমক্তা অসুম্না লেপ্লিবনো হাযবসিদি হুপী ওইবীগী খস্মাইবু প্রমান-পাস্থেগী বাঙাং পাম্বী

বাংলাই ঙা বী ওইনা শেম্বিবম্বা, মহাক্কুদনা থঙগনি। ঐনা খল্লি, কান্নগদবা লৈবগনা, অচুম্বা বাক্মহু তাক্লিংবা মতমদা অত্তুম্মক তাকপা যাই। হৌজিক বা অমতং অত্তুক হায়হুনা যেংগে। অম্মা খল্লহুনা ঐনা খুম্মি, "ঐখোইগী যুমদি কালা-দীঘিদনি।"

মহাক থংগ্রেক খংগুম তৌই। ওহাক লৈবগা তপ্পবা খো-ঙ্গাংদা হায়বকই, "কবম্বা কালাদীঘিনো, লুট তৌকম কালা-দীঘিরা?"

এনা হায়, "মানি।"

মহাক বা মখা অমুক তাত্রে।

ঐহাক ঙা হাপ্পা পাত্রহু পাযরহুনা অত্তুম্মক লেপ্তুনা লৈরে, অত্তম্মা লেপ্পত্তু চুমদবা থবক্তি হাযবা ঐ কাওখোক্লুরে। হৌজিক্তা ঐ ইশাবু হন্না হন্না চৈজখি হাযবত্তুস্থু কাওগ্রে। ঐনা উরক্লে, মহাক নিংথিজনা চাক অমুক চাত্রে। মহু উবদা রামবামদত্তনা হাযবকই, 'উপেন্দ্রবাবু, নিংখিনা হাবিযু।" মসিমতং ঐ তাবা ক্ষংদহুনা লৈরম্বনি। উপেন্দ্রবাবু! ঐহাক মখিংসি তাত্রিবৈঙেদরী হেৈনা অত্তুম্মক থঙলে, মহাকসি ঐগী ইপুরোইবনি।

ঐহাক চাকশঙদা লাক্লগা খুত্তগী পাত্রহু লংখোক্তুনা, মতম কুইনগী তুংদা অমুক্তং হন্নাওনা কমথজবা কংজরে। রামরামদত্তনা হংঙকই, "করি পোৎ তারে?"

ঙাগী পাত্রহু ঐনা কন্না লংথাইকবদগীনি।

তরানিথোইশুবা মতাং

হারাণীগী নোকপা লেপ্পা।

মতাংসিদগীদি ম্নারিসি লিথবকপদা ঐগী ইপুরোইবগী মমিং পন্দবা যাবোইদৌরি। হৌজিক নখোই বাঙাং-বাতা হৈবী নহারোল মঙা তরানা কমিটি অমা শেমদুনা বা তান্নবগা ঐঙোন্দা তাকউ, ঐহাক করি ম্নাহৈ শিজিন্নদুনা মাগী মমিং সি পনগনি। চামঙারকহন্না "ইপুরোইবা ইপুরোইবা" হায়দুনা নাকো দু শিংজানা য়েবগুম থোকহল্লসিবা? নত্রগা নিংঙোল-মবা লোইবা ইমুংগী চৎনরোন তুংইন্না ইপুরোইববু 'উপেন্দ্র' হায়না কৌরশিবা? নত্রগনা "থরাইগী মবুঙো" "থবাই শক্লবা" "খরাইদগী হেনবা" "খবাইগী মপু" অমসুং "থবাইগী থবাই" অসুন্না পঙহায হেক্তমক হায়ররসিবা? ঐখোইনা খুবাইদগী হেন্না নুংশিনা কৌজফম থোকপা, মিকুপ খুদংগীসু কৌদুনতা লৈজনিংবা মীশক্তবু, কবম হায়না কৌগদগে হায়বসি, লাইবক থিরবা লৈপাকসিগী লোলদা য়াওরমদ্রে। ঐগী মকপ অমনা (মীনাইশিংগী মতৌ তমদুনা) মপুরোইববু "বাবু" হায়না কৌই— অদুবু বাবুদমক কৌবদুনদি মঙোন্দা পেণ্ডদ্রে—মহাক মথরাই নুংঙাইত্রদুনা মমৈথংদা মপুরোইববু "বাবুরাম" হায়না কৌবা হৌখি। ঐসু মদুম্না তৌবগে হায়না খল্লে।

ঙাগী পাত্রদু লংখাইরগা পুক্রিংদা কন্না লেপ্লে, "নোংদম্বনা মাঙলুববা মণি হন্না ফংহনবিবগনিনা—অমুক নাম্নে ফংহনখিবদি

য়াদ্রে। গৌরিবী মুপীমচাগুম ইকাইবদগী মাঙথিদনবা হোৎ-নবা তাই।"

অসুম্না থল্লহুনা ঐহাক, মগাক্না চাকমহুদগী মপালগী কা তাম্না চৎপা মতমদা কোইরৈ লৈহুনা যেংঙকপদা, হেক উগদবা মযম অমদা চংহুনা লেপ্তুনা লৈরে। ঐহাক ইথত্তমক খঞ্জরকই, "মহাক কবিগুম্না কোইবৈ লৈনা যেংহুনবু মচৎত্রবদি, ঐহাক চহি কুন শুববাযাঙবসিদা নিপাগী মবমচৎ শুকথও থওদ্রবী হাযবীহুনি।" ঐহাক তাশেংনমব হেক্তা হাযগে, নথোই ঐবু ঙাকউ— ঐহাক মতমহুদা কোক্নী মাইখুম কাসি যাম্না চি থক্তুনা লেপ্নি। হৌজিক্তি হাযাদোকপদা ইকাইরে, অহুবু মতমহুদা ঐগী কযাদা লৃথ্রবা তৌদবা যাত্রবা থবক্নো হাযবহু নথোই অহুক হন্দুনা যেংউ।

মা থাদুনা বমনবাবু লাক্লে, মহাক মাইকৈ মবি কোইযেং যে শদুনা কনা কনা কদাইদা লেবা থিজিনবগুম্না তৌরি। অহু-দগী বামবামদগু লাক্লে—মাদি কবিগুম্না মাইকৈ অমতা যেংদে। অহুগী তুংদা ঐগী ইপুরোইবা লাক্লে—মহাক্নী মমিত্তু মাইকৈ শাম্না কনানে। অমবু থিবগুম্না তৌবি। ঐহাক মাগী মিৎযেংফমদা ভারে। মাগী মমিত্তু ঐবু থিবিবনি হাযবা, ঐ মুম্না থওই। মহাক্না ঐভান তম্না যেলকপা থুদক্কুমক্তদা ঐহাক ইশানা থওনা থওনা—কাব হাযসিগে, হাযদোকপদা ইবু ইকাই—লিশনা কৈদি কোনবসি হৌনশা ওইজবগুম, ঐথোইগী হৌনশা মিৎচিগী তেন শিজিন্নরে। ঐগী ইপুরোইবনি হাযনা থওলবা মীশক্তুদবু, হু থবদং হেক্তক থাবদা কবি অকাযবা লৈবগে? "থবাইগী

মবুঙোদু" তেনজিন থুম্না পাল্লদুনা চংখিমাল্লে হাযনদি নিংই।

অদুদগীদি ঐ হ'রাণীগী মফমদা চ জবগে খল্লে। অচিকপা কাদা হেক কৌশিনবগা মহাক নোক্না নোক্না লাক্লে। মহাক্না হৌনা নোল্লদুনা হাযবকই, "চাক-ইনশাং হাপ্না চংবদা বামন থৌরাণীনা তৌবা মরোৌদু উবেদনা?" পাওথুমকা ভাইবা তৌদনা মহাক অমুক নোকপগী ইচাও হৌইল্লক্লে।

ঐনা হায, "খঙই, অদুবু ঐ মদুগী দমক্তা নংবু কৌবা নত্তে। নং ঐগী পুন্সি কনবা ওইনা থবক অমতা পাঙথোকপিয়ু। লাক্লিবা বাবুসি কৈদৌঙৈ চংকদগে হাযবা পাও অমতা ঐঙোন্দা থুনা খঙহল্লু।"

হাবাণীদু নোকপা খংলেপ লেপখ্রে। অদুক যাম্না নোল্লম্বদু, মৈঙাল্লনা কুণ্ডলবা মৈখুবক্তা মমখিবগুম মমখ্রে। হাবাণীনা শক-ফম হস্থিল্লা হায়রকই, "কবিনোদা হাযরিবদো! নং অসুম্বা লাযনা অমা পকই হাযবসিদি ঐখোই খঙলমদেদনা।"

ঐ নোক্লে। অদুদগী হায, "মীওইবগী মতম পুম্বসি থক মাল্লদে। নং হৌজিক ওঝা গুরু ওইবদু তোক্কুনা, ঐগী থবকসি তৌবিগেবা তৌবিবোইবা মদুদুম হাযু।"

হারাণীনা হাযবকই, "ঐহাক থবকসি শুক্তৌ তৌবা ঙম্মোই।"

ঐহাক থুৎ হাঙনা হাবাণীগী মনাক্তা লাকপা নত্তে। থাগী তলবতু পুরকই, লুপা মঙা মঙোন্দা পিরে। অদুগা হায়, "নং থবকসি তৌদ্রবদি ঐবু হাৎপা পাপ পু।"

হাবাণীনা লুপাদু লংথোক্কে তৌই, অদুবু লংথোকপমক্তি

লংথোক্লে, মনাক্তা লৈবা চাকখুমগী উৎ মপৈ অমগী মথক্তা থম্লে। অদুদগী হায়বকই,—যাম্না চৌংলেমই, নোকপা-লাকপা তৌদে,—'নংগী লুপাসি লংথোক্লে তৌবনি, অদুবু মখোল তা-লাকপগা মীনা থীনা ঙানখিনি হায়দুনা তপ্না মযমসিদা থম্লবসিনি—লৌশিল্লু। মতুংদা অদুগুম্বা বাডু থক হায়-লাক্কনু।"

ঐহাক কপ্লে। হারাণীদি থাজবা যাবা মুপীনি, অতৈ অতৈদি থাজবা য়াবা কনাসু যাওদে, কনাদা অমুক হায়জকনি। ঐনা কপ্লিবদুগী তশেংবা মকদি মহাক খঙদে। অদুবু মহাক মুংশিবিবা অমদি পোক্লে। মহাক্না হায়বকই, "করিগী কপ্লিবনো? খঙনবা মীবনে?"

মতমদুদা ঐহাক পুম্নমকসি হারাণীদা তাকথোক্লগে হায়না খল্লকই। অদুবু অমুকসু, মহাক্কি লোইনমকসি থাজবা ঙম্লোই, অহোইনদুম বাথোক অমা ওইখিবসু যাই হায়না খল্লকই। মুম্না বখল তৌকবগা লেপ্লে, সুভাষিণী নত্তনা ঐগী উপায় লৈতে। মহাক্কনা ঐগী লৌশিংনি, মহাক্কনা ঐবু ঙাকপি-শেনবীবনি—মঙোন্দা পুম্নমক তমথোক্লগা বা তাক্লগে। হারাণীদা হায়, "খঙনবা মীনি—যাম্না মুম্না খঙনৈ, বা পুম্বসি নংনা তাক্লগা থাজরোই, অদুনা নঙোন্দা তমথোক্কবনি। দোষ করিমতা লৈকম লৈতে।"

"দোষ করিমতা লৈকম লৈতে" অসি হায়বগা অমুক খল্লকই। ঐগীবুদি দোষ করিমতা লৈতে, অদুবু হারাণীগীদি? মাগীদি লৈ। অদুদি মাবু করিগী অমকপা পকহনগদোরি? মতমদুদা ঐহাক "খোংজি মখোল হৌহন্নি" হায়রদু নিংশিংলক্লে।

ফন্তবা লৌশিংলোমদা পুক্লিং ফাজিল্লক্লে। অবাবা দশা তাৱবা মীশিংদি, দশাহ্ন কোক্লবা ফত্ত-লৌশিং শীজিন্নরকই। ঐহাক হারাণীদা অমুক্তা খণ্ডহল্লক্লে "দোষ ক'রমত্তা লৈক্ষম লৈতে।"

হারাণী। নং মাগা উনগে হাযবি'রা ?

ঐ। হোই।

হা। কবন্বা মতমদা ?

ঐ। অহিং মী পুন্নমক তুন্নথ্রগা।

হা। নথন্তা ?

ঐ। ইথন্তা।

হা। ঐহাক মপোকসিমগী ঙম্লোই।

ঐ। অহুবু মমৌ ইবেম্মনা য়াথ, পিরবদি ?

হা। নবু ঙাওববরা ? মহাক্কি শাগৈগী মোনি - সতী-লক্ষ্মীনি, মহাক্লবু অসিগুম্বা থবক্তা য়াওা্বরকপা হৌত্রা ?

ঐ। থামত্রবদি চংকত্রা ?

হা। চংকনি, অহুবু নংগী লুপাদি লৌবোই। ন, লৌশিল্লু।

ঐ। ষয়ে, নংগ' হোরেল মতমচানা উনরসি।

অহুদগী ঐ মিত্তগী পি তৈথোক্লগা সুভাষিণী থিবা চংলে। মাবু অচিকপা মফমমক্তদা থেংনবে। ঐবু উবদা সুভাষিণীগী ফজরবা মাইথোংহ্ন অমুক্তী থম্বালগুম হবাওনা লৈশাৎ তল্লক্লে—মশাপুম্বা অমুক্তী পুমযোম যোম্না শংৎলবা সেফালিকাগী মতৌগুম, থাজ মঙাল্লক্তী তুরেল ইচেলগুম হবাও ইংপাম কাক্লে। নোক্ল-হুনা ঐগী নাকোং মযাদা লোম্না সুভাষিণীনা হংঙকই, "কমদোই, শক খঙলবরা ?"

ঐহাক পুমণ্ডক ঙকখ্রে। ঐনা হায, "ঙাইখো, নং করম তৌনা খঙই।" সুভাষিণীনা মঙক হাহবদুনা হাযবকই "ইস, নংগী শনাগী থাজসিবু মশানা খঙনা লে ন্ৈকাপাই খল্লিব্রা ? ঐখোইদি খঙঙব্রা আতিয়াদা লাং থাকপা হে, অদুনা নংগী আতিযাগী থাজসি ফাদুনা পুরক্লিবনি।"

ঐনা হায, "ঐখোই হাযবদু বন কনানো ? নংগা রু-বাবুগরা ?"

সুভা। নত্রবদি কনা ওইগনি ? নংগা নংগী নপুরোইবগীনে নকুগীনে অদুগা মখোইনা শৈবিবা খুদুগীনে, মমিং তাকখিদনা, কাওববরা ? মদু তাবদা বাবুদ মীশক খঙলে। নংগী উ-বাবুগী চাওববা কেশ অমা মানা লেপ্‌কদবা লৈ—অদুনা লৌশিং তৌদুনা নংগী উ-বাবুবু কন্‌িকা দা লাক্লবা চিঠি ইথিবনি। অদুদগী চাক-কৌরিবনি।

ঐ। অদুদগী হনুবীনা হ পখ॥ হবাইথো বদু খুৎথক্তা হৈথনবা খুৎ যাকনা।

সুভা। উম, মতুসু ঐখোইনা তান্নখিবনি।

ঐ। অদুদি ঐগী নীভমসি হাইফহ খঙহনগ্রবরা ?

সুভা। বৈদৈযো মাঙলন্দন অন্দে! কদাইদগী খঙহনবা য়াগদগে ? নংবু ডাকুলনা নমদুনা পুকবে, অদুদগী কদাইদা চৎলুববা, কবি থোক্লবা, কনানা পঙনদেবিবনো ? নংগী ফীভমসি তারগা কমদোনা মখুমদা কোক হেক পুশিনগদগে ? কান্নব্রেদনা অদুদে হায়না হাযরক্নি। ব বাবুনা হায, হৌজিক্তি নংনা ঙমজগদবা মাইকৈ যেংলো।

ঐ। ঐহাক অমুক্তং থম্মোইগী তশেংবা বাফম থমথেংনা হাযজত্থনা য়েংগনি—মত্থদা যাবিদ্রগনা ইশিংদা চোংথত্থনা থবাই থাগনি। অত্থবু ঐগা শক শক উ দ্রবদি কবম্না থবক পাঙথোক্কনি?

সুভা। করম্বা মতমদনো উনগদবসিবু, মফম্না কদাইদনো?

ঐ। নখোইনা অস্থক যাম্বসি শীনবিরক্লে, অত্থবু মসি থোক্লবা অসিমতগা ইতেং থজিক্ত পাংবিয়ু। মাগী লৈফমদা চৎলবদি উনবা ফংলবোই,—কনান ঐবু লোইরবিনি, কনানা উননবা শীনবিনি? য়ুমসিদা উনবদা তাহ।

সুভা। করম্বা মতমদা?

ঐ। অহিং মযাম্না তূম্নথ্রগা।

সুভা। মকম্বীগী মওংদা?

ঐ। অত্থ নত্তনদি কবি উপাযদি লৈরি? কবিগীস্থ দোষ লৈকম থোকপগে? ইপুবোইবুনিদনা।

সুভা। দোষবুদি লৈতে। অত্থদা হাযরিবত্থম্না তৌবা তারবদি মাবু অহিংসি চৎহন্দবা তাহ। মযুমদি ইনক নকই। করম্না থামগদগে? কৈ য়েংসি, বাবুগা অমুক্তং তান্নকথিগে।

সুভাষিণীনা রমনবাবুবু কৌহল্লুরে। মাগা ঙাংনবা রাফমত্থ ঐঙোন্দা অমুক লাক্তুনা ওম্লবে। র-বাবুনা ঙমগদবা থবক্তি অসিনি:—

"মহাক হৌজিক কেশকী চে-মুংশিংত্থ য়েংলম্লোই—লৌশিং অম্না তৌত্থনা থম্লগে। চে-মুং য়েংননবা মতমসি যাচংবা মতুং ঙইনা লেপ্পরগে। যাচংবা মতুংদা নংগী নপুরোইবনা লাক্লগা য়েংমিন্নরগে। মত্থ য়েংবদা অহিং থর্রা থেংথহনগে। অত্থদগী চাক

চাখিনবা হাযজখোৎচা তৌবগে। মহুগী মতুং তাথবহুদি নংবা হৈজবা নহৈ পুখোকচবো। অহিং লেকপ্লো হাযবসি ঐখোইনদি কবয়া হাযগদগে ?"

ঐনা হায়, "মহুগী বাহুদি নখোই হাযবস্থু, ঐ অহুম হায-জবগে। ঐনা হাযজবদা তাবিনবহদি, থোরাং হান্না লাওহুনা থল্লে। মিৎচি মিৎলৈ অমা অনিদং কাপ্তুনা য়েংলে, মহাকস্থু মহুগী পাওথুম অহুম্মক পিরক্লে, কযা চুম্বা মীত্তাদি নত্তে। অহুবু তৌজিক ঐনা হাযজবগী বারোলসি মঙোম্দা কবয়া যোহনসিগে ? চিঠি মচা অমা হেক্তা ইরগে। চে অহু কনাগুম্বা অমত্তংনা মঙোম্দা হেক পিরুরগা লোইবে।"

সুভা। মীনাই অমা হেক থাহুনা পিহল্লুদনা ?

ঐ। মপোক মপোক কযারক ইপুরোইবা ফংত্রবস্থু, নিপা-নহাদা বাসি হায়বতদি মঙমগ্রবোই।

সুভা। চুম্মি মহুস্থু। অহুদি মীনাই স্নুপী থাওদনা ?

ঐ। মীনাইস্নুপী মরক্তা থাজবা যাবীসিবু কনা লৈবগে ? মহুনা বাখোক অমা ওইহন্দুনা, মী পুম্ব না লোক্নকম ওইহনগনি।

সুভা। হাবাণীদি থাজবা য়াবী স্নুপীনি।

ঐ। হাবাণীদা হাযজকরে। মহাক থাজবা যাবী স্নুপীনি হাযতুনস্থু পংশাওদা শাওগ্রে। অহুমকপু নংগী ইঙ্গিত খজিক্তং ক লবদি চৎলো হাযবদি মযাবক্কনি। অহুবু নংবু মহুম তৌবিয়ু হাযবসি কয়া চিনসিনা হায়গনি ? শিবা তারবস্থ, ঐ ইথত্তমক শিজখিনি— কপ্‌চেৎপী মিৎসিদা পিগী ইরা অমুক চেল্লক্লে।

সুভা। হারাণীনা ঐগী রা কংরি হায়বা ?

ঐ। নংনা থিংত্রবদি মহাক চৎকে হায।

সুভাষিণী বাখল মুন্না ভৌথখ্রে, অত্থুদগী হাযরকই, "য়াচংবা মতুংদা মাবু না অসি ঙাংননবা লাকউ হায়্।"

তরাহুমদোইশুবা মতাং

ঐহাক পরীক্ষা পিবা তাম্নি।

য়াচংবা মতুংদা ঐগী ইপুরোইবত্থু চে-হ্নং পুরক্তুনা রমন-বাবুগী মনাক্তা লাক্লে। পাওত্থু তাবদা ঐহাক অমুক হন্না ত'ব-ণীগী মফমদা চংজরে। হাবাণীনা হান্নগী বাত্থু অত্থুম্মক হায, "মমৌ ইবেম্মনা থিংত্রবদি ঐ পাঙথোকপা ঙমগনি। মচাংচা খঙগনি, মসিদা দোষ লৈতে হাযবা।" ঐনা হায, "নংনা পাং-ত্থুতা তৌরো—ঐ যাম্না খোযরাংলে।"

ঐগী ইঙ্গিতসি ফংবদা হারাণীত্থু মোমোন মোমোন তৌদ্বুনা সুভাষিণীগী মনাক্তা চেনখ্রে। ঐহাক মাবু ঙাইদুনা লৈরে। অত্থুদগী মহাক নোকপগী ইপোম লাংনা লাংনা চোইজাইনরগা মক্কী-মরোল মশম মনা খোমজিন খোমজিন্না স্বব থবেৎ থবে-হোন্দুনা অমুক চেল্লক্লে। ঐনা হংই, "কৈদোরে, অদুক যাম্না নোক্লিবদি কবিগীনো?,'

হারাণী। ইবেম্মশা, অসিগুম্বা মফমদবু মীবু থাজিনবা হৌনব্রা? থবাইসি থাগে তৌরম্মেদনা!

ঐ। কৈদৌরবগে ?

হাবাণী। ঐ খঙই, মমৌইবেম্মগী কান্না কৈদৌনুংদা শুমজিৎ থমদে, শিংলমদাইদা ঐখোইনা শুমজিৎ পুব-পুবগা শিংলি। ঙসিদি কদাইদগীনো মনাকমত্তদা শুমজিৎ অমা লৈরম্মে। ঐনা হেক যৌবগা হংঙুই, 'চৎলুচো লাযব্রা ?' মহু হেক তাবদা মমৌইবেম্মনা শুমজিত্তু পাযবহুনা ঐবু ফুগে তান্নবক্লে। খোংলৈ থবা থুনা চেনজহৌবদগী হিংজহৌবনি। নত্রবদি শুমজিৎখোক চাহুনা থবাইহুম মাঙঙমগনি। অহুমকপু অমুক্তি নংগন্দা কনগ্রমাল্লে নিই,--যেংউসে অহুক, চৈফম লৈব্রা লৈতব্র ?

হারাণীনা নোক নোক্রহনা ঐচোন্দা মনমগন্দু উৎলাক্লে। ওইদবা নানি—চৈফম শুকলৈ লৈতে। অহুদগী মানা হাযরকই, 'করি তৌ হাযবগে তৌজিক হাযবো—তৌকবগে।"

ঐ। শুমজি খোক চারমক্তদা চৎখিদ্রনে ?

হাবাণী। শুমজিৎনা ফুবকপদনি, খিংদি খি ঙক্তে। ঐনা হাযখিদ্রা, খিংঙক্তুবদি চৎকি হাযনা।

ঐ। শুমজিৎ উৎলকপহুবু খিংঙকপা নত্রনে ?

হারাণী। অহুবু ইবেম্মা, মমৌইবেম্মনা শুমজিৎ থাঙ্গৎলকপা মতমহুদা, মচিনবান নার্কচিদা হাইযেৎ নোকপগী মতৌ অমা উই। হাযবো কৈনো তৌদোবা।

মহুদগীদি ঐনা চেজেৎ অমদা ইবে, "ঐহাক নাঙোন্দা থবাই-হকচাং কচ্চরে। লৎনদনা লৌবিগদ্রা ? লৌবিবা থোক্লবদি,

ঙসি অহিংসি য়ুমসিদা লেকপিবো। কাগী থোঙদদি লোনবি-বমদনবা নিংশিংজে।—চ'বথোংবী।"

চিঠিসি-ইরগা ঐহাক ইকাইব়া, পুখ্রিদা চোংথহুনা শিথিবা অমা নত্রগা অমম্বদা লোত্তুনা অহুম্মক লৈথিবা অমা কন্না পান্নব্লে। অহুবু কন্নন্দি তৌনি? নোংদম্বনদি ইরাইবক্তা থীনা তম্বিবল্লে। কনাগুম্বী মৌগী মবাইবক্তা কৈদৌন্নুংদা অম্মুক তমথীরবা থোদোকসি থে ক্লমগনি নিংদে।

চেজেত্তু থুপচিন-তাশিল্লগা হাবাণীদা পিবে। অহুগা হায "থবা চেকশিল্লু।" সুভাষিণাদসু হাযরে, "অমুক্তং নবুঙোবু মী থাহুনা কৌহল্লুবো। অহুগা, বা অমা অনি ঙাংনরগা অমুক চৎহনখো।"

সুভাষিণীনা হাযরিবসিমক তৌবে। বমনবাবুনা চংলক্লবদা ঐনা হারাণীদা হায, "ত'ল্লক'সদা চৎলো।" হারাণী চৎখ্রে, অহুদগী ঙহাক্তং লৈরগা চেজেত্তু অমুক হন্না পুবক্তুনা পিরে। মহুগী মচি অমদা ইববহ, 'কে!' অহুদগী ঐনা হারাণীদা হায, "অম্মুক যাম্বসু হোংনবিবে, অহুবু থবক অমতংদগা তৌবিখো। হোবেল নোংযাইমতুংগী অহুবাইদা ঐঙোন্দা মানা তুম্লিবা কাহু অমুক্তা ভাকউ।"

হাবাণী। কৈ, অহুবু দোষতি কবিমতা লৈতেকো?

ঐ। কবিমতা লৈতে। মহাক নহানমুক্কী মপোক্তা ঐগী ইপুরোইবা ওইরম্বনি।

হারাণী। নহানমুক্কী মপোক্তরা হন্দক্কী মপোক্তরা থঙদ্রবা হায়বহুনি।

ঐনা নোয়া নোক্না হায, "তুমিন লৈয়ু।"

হারাণীনা নোক্লহুনা হাযরকই, "হন্দক্কী মপোক্কী ওইববদি, ঐ লুপা চামডা মনা লোৌগনি, নত্রবদি ঐগী শুমজিৎকী চৈফমসি কোক্কদবা লৈতে।"

ঐহাক সুভাষিণীগী মনাক্তা চত্তুনা পাও পুন্নমকসি তম্মুরে। সুভাষিণীনা মনেম্বোক্তা হাযরবে, "ঙসি কুমুদিণীদি মশা কযা ঙাম্রে, মহাক চাকথোংবা ঙম্মবাই, সোনাগী মমানা অহুম্মক থোংলসনু।"

সোনাগী মমানা চাক থোংখ্রে। সুভাষিণীনা ঐবু পুবগা মাগী কাহ্ থোঙ লোনশিল্লে। ঐনা হংই, "কৈনো তৌবিবসে, ঐবু ফাহুনা থম্মিবসি করিগীনো?" সুভাষিণীনা হায়, "নংবু লৈতেংবিগদৌরিবনি।"

অহুদগীদি ঐগী ইমিৎ-ইমাইসি শংনা তৈথোক চাথোক-পিবে। শমদা মনম হুংশিন্নবা থাও তৈবিহুনা, চেকশিন্না শমজী পুনবিরে, অহুগা হাযরকই, "ঐনা ঙসি পুল্লিবা শমজীসিগী অপুনমন লুপা লিশিং অমনি, হযেং তাঙ্গা চাবরুগা ঐঙোন্দা লুপা লিশিং অমা থাবক্কদবনি।" অহুগী তুংদা মাগী লূরবা, নুজা পুক্লিং শুমহৎপা ফী অমা পুথোবক্কুনা ঐবু নমহুনা শেৎচিনবিবল্লে। ফীহুশেৎলবা মহাক্না অম্মুক্কী মতিক বল্লা চিংথোক-চিংশিন তৌবকই মহুদি, ঐহাক ফীরেল মফম থংডক্কবা তারে হাযনা কিবদগী নমহুনা অহুম্মক শেৎলে। অহুদগী মাগী লিক-কোল অহু পুথোরক্কুনা শিজিনবিনবা থৌরাংলক্লে। মহুদা ঐনা হায, "মসিমদি ঐ শুকঙম ঙম্মোই।"

মতুগী দমক্তা ইবানি ওস্থোক্লা কল্লা লাওনা খোংনবে— অতুবু ঐনা শুকযা মযানিংদ্রে হাযবতু উবরুতুনা মানা হাযবকই, "অতুদি ঐহাক স্নুট অমা লৌহন্দুনা থল্লি, মতু শিয়ু।"

অসি হাযরতুনা সুভাষিণীনা লৈগী জার্ডিনিযব অমা পুথোরক্তুনা ফুগাইনা শাংলবা মাল্লিকা লৈবাংগী খুজি শিজিনবিবে, মতুগী পাস্বোম-ফা পুনবিরে, মতুগী পাবেং পাবেং শমজীদা ঙক্তা শিজিনবিরে। অতুদগী শনাগী অহনবা নাইন জোডা অম। পুথোরক্লগা হাযবকই, "মসি ঐগী পৈশানা নংগীদমক্তা তমতুনা র-বাবুবু লৈহল্লুবনি। নংনা চংখি চংখিবা মফমদা, মসি শিববদি ঐবু শোইদনা নিংশিংগনি। কনানা খঙগনি, ঙসিসিদগী নংবু অমুক উনবা ফংখিদবস্থু—ঈশ্বরনা মতু থোকহনবিসনু,—অতুনা ঙসিদি নঙোন্দা নাইন্ অসি যানশিনবিবগদবনি। মসিমদি নং 'ঙস্মোই' কক্তা হায়বা যাদে।"

অসি হাযনা হাযনা সুভাষিণী কপ্লক্লে। ঐস্থু পিগী ইবা শিস্থবক্লে, ঐ অমুক 'ঙস্মোই' হাযবা ঙমদ্রে। নাইন্দু সুভাষিণীনা য়ানশিনবিরে।

ফীজেৎ লৈতেংবা লোইববা তুংদা সুভাষিণীগী মনাইন্নুপীনা মচানিপাতু পুরক্তুনা শিন্নরবে। নিপা মচাতু পল্লগা ঐহাক্লা রারি অমা অস্নুস্মক লিবি। মহাক বারি অমা তাবগা তূমথখ্রে। অতুগী তুংদা পুক্লিংদা অবাবা বাফম অমা ফাওবক্লে, বাববা মতমসিদস্থু বাফমতু সুভাষিণীদা হাযদোক্তনা লৈবা ঙমদ্রে। ঐনা হায, "ঐদি থবাই হুংঙাইজবে, অতুবু পুক্লিংদদি মাবু খরদং বারোবা পোক্লে। ঐনদি মহাকপু ঐগী ইপুরোইবনি হাযবা মশক খঙলে,

অহুনা ঐনা তৌন্নিবা পুন্নমকসি, অসুম খনবদা দোষ লৈক্কম থোক্কে নিংই। অহুবু মহাক্কদি ঐবু শক খঙলমগনি হাযবসি শুকথা থাজকম থোক্কে। ঐহাক্তি মাবু পাখং ফান্নক্লবদা উখিবনি। অহুনা ঐহাক অহানবা উবমক্তদা পুক্লিংদা থুক লাওবা অমা পোকথি। মহাক্কদি ঐবু চহি তরা মাথোইতা ভাইবিভৈদা উথিবনি। হৌজিক মানা ঐবু শক খঙলে হাযবসিগী খুদমসি মচেৎ অমা ফাওবা ক'দে। অহুনা মহাক ঐসিবু অতোপ্পা মুপীগী বাখন্দা ঐভোন্দা মথবাই লুপ্লিবনি হাযবসি খল্লুবদা, পুক্লিংদা বাহ্নৌবা অমা কন্না পোক্লে। অহুবু মহাক ঐগী ইপুরোইবনি, ঐনা মাগী মুপীনি,—মহাকপু তাথি তাওইনা খনবসি চুমদে খন্দুনা ঐহাক মসিগী বাফমসি অমুক নৈনববোই। পুক্লিংদদি ঐহাক, কবিগুম্বা মতম চান্নক্লবদি মাবু অসিগুম্বা লমচৎসি নমহুনা থাদোকহনগনি হাযনা ৱাশক্লবনি।"

সুভাষিণীনা ঐগী বাসি তাবদা হাযবকই, "নংমুক পঙবী যোংসি লৈবমগনি নিংদে, মহাক্তি হৌজিকফাও মুপী লৈত্রি।"

ঐ। ঐগীদি ইপুবোইবা লৈবত্রনে ?

সুভা। ঙকলেদকো মসে! মুপীগা নিপাগবু মান্নত্রনে। নহাক কমিসেরিযেটন্তা থবক তৌহুনা লুপা অহুক তাল্লুদনা যেংসি ?

ঐ। মখোইবু মবুক্তা মচা পুহুনা পোকহল্লু, অহু ওইরবদি ঐ কমিসেরিযেত্তা চৎকে। অঙম অঙম্বা থবক্তু অহুম্মক তৌনবনি। নিপা হায়বা জাৎসিবু মপুক্লিং ফাজিনবা ইঙম ঙমত্রনে ?

সুভা। হোই ইবেম্মা, হান্না অহুক মুম পান্নবা তৌরুখো, অহুদগী মৈ চুগে হাযববসু চু। ৱারেম থৌরেমহু থমখো, হৌজিক

কমদৌনা নপুবোইবগী মপুক্লিং ফাগনি, মহূহুম পরীক্ষা পিয়ু য়েংগে ? মহ্ হৈত্রবদি নং চন্নফম লৈতে।

ঐহাক হাযরপ চমম্নরহুনা হায, "মহূগী মহৈহুদি অমুক্তবু তমদ্রি ?"

সুভা। অহুদি ঐভোন্দগী তম্মু। মসিগী শাস্ত্রদদি ঐসি পণ্ডিতনি হায়বা নং খঙজেদনা ?

ঐ। মহূদি মউবে।

সু। অহুদি তম্মুসে। নহাক নিপা অহুক ওইয়ু। ঐনা মতৌ কবম্না নংগী নপুক্লিংত্ত শুমহৎপগে হাযবা যেংউ।

অসি হাযরহুনা ইকাই খঙদবীহু মকোক্তা মাইখুম হাইফেৎ চিংথরহুনা, চেকশীন্না মখুৎমক্তা তপ্পা মনম হুংশিববা পানা মতপ অমা পুবক্তুনা চানবা পিররে। পানাহুদি বমনবাবুগীদমক্তা তপ্পনি, কনা অমতদসু খক পিজদে। কবি অমুক হাযনি, মশা ফাওবা অমুক্তা চাদে। বমনবাবুগী হিদাকফুহূ মফমহূদা লৈ, ভাস্থক পাল্লি, কাপ্রবা হিদাকী মৈথুম উৎতমক ভাইরে, মহূ ঐগী ইমাংদা থাংজিল্লক্তুনা কান্নবে, তোংজৈ লানশিল্লবে। অহূদগী লৈ-হৎলব। কোনা হুমাইহূ লৌখৎলহুনা হুমাই হুন্নক্লে। মহূদা খুদাংগী খুজি মযামহূ ওম্মোক্লা মুংশিরবা খোম্মোক অমা থোক্লক্লে।

ঐনা হায, "ইবেম্মশা, মহূদি মীনাই হুপীগী থবক্লি— মীনাই ওইবদা ঐসি কয়ামুক হৈ শিংলবগে হায়বহু খঙহন্নবা মাবু ভসি ফাহুনা থম্লিববনে ?"

সুভাষিণীনা হাযবকই, "ঐখোইবু মীনাইহুপী নত্তনা কন্নিনো ?"

ঐনা হায়, "মহাক্না থাঙ্গৈশেংনা মুংশিবিববা মতমদা মীনাই-মুপীদু ওইগদবনি। মতমদুদ্দি হুমাই হুমগনি- মখোঙ নোইগনি, পানা তপকনি, হিদাক হানগনি, তোংজৈ লানশিনগনি। হৌজিক্তি কবিমতা তৌখিবোই।"

অদুদগী সুভাষিণীদু নোক্ল নোক্লদুনা ঐগী ইনাক্তা চংঙক্লুনা কল্লবে। ঐগী থুংসি মাগী মথুং মদু দা পাইশিল্লগা মুংশি-মুংশিবা বাবি শাবক্লে। অহানবদা নোক্ল নোক্ল, পানা শাইনা শাইনা, মনাগী নাইন্দু হাইব- হাইবদুনা মহাক্না শারিবা মীওংদুগী মতৌ মও, মান্নবা বা ঙাংলকই। অদুবু অসুম ঙাংথবক্লগা মদুগী মওংদু কাওথোকখ্রে চান্নবী মরুপ অমগী বাঙাংলোমদা তাবক্লে। ঐ চংখ্রগনি হাযবা বাফম হৌদোবক্লে। মহাক্কী মিংলুদা পিগী ইরা তব তবং চেল্লক্লে। মদু উবদা ঐনা মপুক্লিং ফাজিন্নবা হায, "নংনা তম্বিরিবশিংসি মুপী ওইবীশিংগী থুংলাইনিদি হাযববু, উ-বাবুগী মফমদা চনবু চন্নগদ্রা?"

সুভাষিণীনা অদুদগী যোক্লদুনা হাযবকই, "অদুদি ঐগী ব্রহ্মাস্ত্রসি হৈজিল্লো।"

অসি হাযরদুনা, মহাক্না ঐগী ঙবশম কোনশিল্লগা মথুংনা মাইসি থাঙ্গৎলদুনা চুপ্লক্লে। পি মবিক অমসু ঐগী খজাইদা তাবক্লে। তিন যোৎথদুনা, ইমিত্তগী পি বানা থিংলগা ঐনা হায, "মসিদি সঙ্কল্প লোইড্রিঙৈনা দম্বিনা তৌবা তম্বিবেদনা।"

সুভাষিণীনা হাযবকই, "অদুদি নং করিমতা হৈববোই, নংনা করি খঙই, কদাই পরীক্ষা পিয়ু যেংগে। ঐসি উ-বাবুনি হায়না খল্লু" অসি হাযবদুনা মহাক সোফা মথক্তা ফন্দুনা কল্লে—

অহুবু নোক্লিংবদি খিংবা ঙমদ্রহুনা, যান্নুংদা ফীজি নমশিন্দুনা থাঙলে। নোকপহু লেপ্লবা তু দা অমুক্তং ঐগী মাইথোং তম্না মমিত্তু লাওথোক্তুনা শংত্রিক্লা যেংঙকই—অহুদগী খুদক্তুদা অমুক নোকপনা ফর ফব ৎন্দুনা থাঙখ্রে। নোকপমখৈ নোক্লগা হায়রকই, "কদাই পিযু পরীক্ষা।" অহুদগীদি পাবিরিবশিংনা তু দা থঙবিবক্কদবা ঐনা তমজবা মহৈহু, সুভাষিণীদা খুদক্তুদা উৎলে। সুভাষিণীনা ঐবু সোফাদগী থোক ইন্থুবক্লে—অহুগা হায়রকই, "চৎথোকখ্রো চংলো তৌঙম্বী, নংসিদি হেক থাঙ্গৈ-শেংবী লিলহানি।"

ঐনা হায, "কৈদোবরণ ?"

সুভাষিণীনা হাযবকই, "মীনোক লাক্লোক মিৎযেং নাযেংহুদি নিপামখৈ তুম্না হাইহত্তুবা শিনববনি।"

ঐ। অহুদি ঐ পবীক্ষা পাস ওইবেদনা ?

সুভা। যাম্না ক্কজনা পাস ওইবে—কমিসেবিযেটকী নিপা চামগা হুন্ফুমাপল ফাও অসিগুম্বা মীনোক-মিৎযেংদি অমুক্তস্ন উজববু ফংলিবোই। মথোং-হুক্তবহু মকোক কবিগুম্বা চাওরকপা থোক্লবদি বাদাম থাও খবা হেক হাপ্লিয।

ঐ। কৈ। হৌজিক ইরাং ইংথখিবসি উবদা বাবুশিংগী চাব-থকপা লোইশ্রমাল্লে নিংই। রমানবাবু লেংশিল্লকপা মতম ওইবে, ঐ চৎলগে। নংনা তম্বিখিবশিংহুগী মবক্তা যাম্না থোই-থুম্নবা অমা যাওখ্রে—চুপ্পদো। লাও, অমুক্তগা মহু তমখিগে।

অসি তাবদা সুভাষিণীনা ঐগী ওক্তা কোল্লক্লে, ঐস্নু মাগী মঙক্তা কোনশিল্লে। চেৎনা কোনশিন্নহুনা অমগা অমগা হন্না হন্না

চুপ্পবগা, লেঙ্গোনহুনা ইবানিমক পংকপ্পা কপ্পবে। অস্মুক হু,শি-নবসি মফম কৈদা লৈবমগদগে? সুভাষিণীগুম হুংশি মশক খঙবা কনা অম্মুক যাওবমগদগে? পবাই থাববস্মু সুভাষিণীতবুদি কাওখ্ররোই।

তবা মরিশুবা মতাং

ঐহাক শিজখ্রগে রাশকপ্পা।

ঐহাক হাবাণীদা পাওমেল্লম্লগা ঐগী তুম্ফম কাদা লাক্লে। বাবুশি চাক চাবা লোইখ্রে। তাঞ্জাসিদা যাম্না লাঙবা অমা তৌবরে। কনানা হুমাই পুবকউ, কনানা ইশিং পুবকউ, কনানা হিদাক পুবকউ হাযনা কোইবাও লাওবি, কনা অমনা ডাক্তাব কৌবি--অস্মুম্না ইবাঙ লাঙখ্রে। হাবাণীহু নোক্ল-নোক্লহুনা ফাওবকে। ঐনা হংই, “অস্মুক লাড়িঙবসি কবিগীনো?”

হাবাণী। বাবুহু বাস্থবরে।

ঐ। অতুদগীদি?

হাবাণী। হৌজিক্তি নেমথবে।

ঐ। অতুদগীদি?

হাবাণী। হৌজিক মশা যাম্না চোক্‌থবে—ময়ুমদা হনবা ঙমদ্রে। অতুনা ঐখোইসিদা অচৌবা ফম্ফম কাগী নাকনগী কাহুদা হিপখ্রে।

ঐ খঙলে, পুম্নমক্‌সি মরৌ ঙাক্লি। ঐনা হায, “মৈ পুম্বা মুথৎখিহুনা ময়াম্মক তুম্নখ্রবা তাঞ্জাদা লাকউ।”

হাবাণীনা হাযবকই, "মশাব্ ঙমদ্রিবত্নিনে।"

ঐনা হায, "মশা মঙমদত্দি নকোক্লুম্বনি। ন্নুপী চামঙাগী মকোক শাযনিংত্না তৌবিবনি, খঙগনিদনা অমুক্তং।"

অসি তাবদা হাবাণী নোক্না নোক্না চৎখ্রে। অত্দগী মৈ পূম্বা মুৎনখ্রবা, মযাম্মক ভূমথনখ্রবা মতমদা হাবাণীনা ঐবু পুত্না তূম্ফম কাত্ তাক্লম্লে, ঐহাক ইমুংত্দা চংলে। মতমত্দা ঐনা উই, মহাক মথন্তমক হিপ্লি। মশা চোকথবগী মওং কবিমতা লৈতে, ইমুংত্দা চাওনবা থাওমৈ অনিথক থাল্লি, মহাক মশাগী নিংথিবা শক্তমতনা পুম্নমক ঙালহন্দুনা লৈবি। ঐস্নু তেন্না পাল্লবী ওইখ্রে, হবাওবনা ইশা পুম্বা থনখ্রে।

মপুঙ-মবৈ ফাবক্লবা তুংদা হন্দক্কী অসিনা ইহান হানবা ঐগী ইপুবোইবা-মিঙ্গৌজবনি। মসি কযামুক্তা হবাও চুজু বা, কবি কবম্না পাওদমসিগে? ঐসি যাম্না বা ঙাংগনবীনি,— অত্বু—অহানবা মাগা বা ঙাংনগে লাক্লবদদি, ঐ চিল-লৈ খৎপা থোকখিদ্রে। খৌবি চবম ফুনজিল্লক্লে। হকচাং থক থক নিক্লক্লে। থম্মোইহুংসি পিং পিং চোংখ্রে। খৌনাও কংখ্রে। বা ঙাংবা থোক্তু হাযত্না কপ্লক্লে।

ঐনা কপ্লিবত্গী মবম মহাক খঙবিখিদ্রে। মহাক্না হাযবকই, "কবিগী কপ্লিবনে? ঐনা নংবু কৌবস্নু নত্তে—নশানা লাকচবনি —অত্গবু কবিগী কপ্লি?"

তমথিববা বাঙাংসি তাবদা থম্মোই শাথীনা শোকখ্রে। মহাক্না ঐবু লমচৎ চুমদবী অমা ওইনা খল্লে—মত্না মিৎকি পি অমুক্না ইহৌ কনখ্রে। ঐনা খল্লি, ইশাগী তশেংবা পবিচয

তাকথোক্লগে—মৈচাকসি অমুক খাঙবা ঙমশিল্লক্তে, অদুবু অমুক তনখন খঙ্বকই, পবিচয তাক্লুবদা মানা কবিগুম্বা থাজবিদ্রবদি, মানা কবিগুম্বা খল্লম্লবদি, মাগী মযুমদি কালাদীঘিদনি, ঐগী নুপী হুবানখিবগী বাবোল শোইদনমক তাবমগনি, অদুনা হৌজিক নুংঙাই যাইফবা পামদ্রা ঐগী নুপী শাদুনা ঐঙোন্দা শেবান্ননা হাযজিল্লবিবরি,—মদন মোহনবদি—কবম্না ঐহাক মাবু থাজহনবা ঙমগনি ?—মসি খল্লুবদগী ঐহাক অশেংবা পবিচয তাক্তে। স্ববমপী হোৱা তোক্তুনা পি তৈথোক্তুনা মাগা বাবি শাবা হৌবে। অতৈ বা কযামকম ঙাংনববা তুংদা মহাক্না হাযবকই, "কালাদীঘিদা অমুক চংখোনবী নুপী পোক্লমগনি হাযবসি ঐ মঙদাফাও মঙনুদে।"

মাগী মিৎফমদ্ ঐনা মুন্না যেংই, মহাক যাম্নমক হেক্তা ঙক্লা ঐবু যেংখ্রে।

মাগী বাসিগী পাওখুমদা ঐনা পঙশিন্নদুনা হায, "ঐদি ফংবী নত্তে যোংমানবীনি। ঐখোইগী লম অদোমদদি অদোমগী নুপীদু ফজবদা যাওই।" অমুম্মা লৌশিং তৌদুনা মাগী নুপীগী বা হৌদোক্তুনা ঐনা হংই 'মাবু থিবা ফংবিবরা ?"

পাওখুম। ফংদে—ন কযা বুইবে মখোইগী লৈপাক্তগী লাকপা ?

ঐনা হায, "ঐহাক খোবখ্রিবা থৌদোক্তুগী মতুংমক্তদা লাকপনি। হৌজিক্তি অতোপ্পা নুপী অমা অমুক লুহোংবিবেদনা ?

পাওখুম। হোঙদে।

তুবং তুবংকী বাঙ দা ঙাংখ্রে, মহাক পাওখুম পিবা শংদ্রবগুম্না উই। ঐদি চংজবক্লিবী, নুংশি ফীগাও শাবিবী অমা ওইনা লাক্লিবনি,—ঐবু নু শিনা চানা ওকপিনবা মতমফাও মহাক লৈখিদ্রে। ঐংগোন্দা ঙক্লবা মিংফম্না যেংজ্নতা লৈদ্রে। অমুক্তমক হায়নকই, "অনুক ফজবা শকতি তাইব, মীওইবদা উখিদ্রি।"

লোন্নবী লৈত্রি তাবা ঐহাক ওয়োন্না হবাওবে। ঐনা হায, "অচৌ-অশাং ওইবিনা তদুক বাখল লৈনা থবক তৌবিবিবনি। নত্রবদি মতু সিদা হানগী নুপীদ্ অমুক থিবা ফংলক্লবদি, লোন্নবী অনি মুকখাইনবক্তুনা ওয়োক্না নুংঙাইতবা অমা থোক্কনি।"

মহাক্না হাইফেং নোক্লদুনা হাযবকই, "মতুগী বাদুদি খল্লুফম লৈতে। হানগী নুপীত্ন ফগনবসু ঐহাক অমুক লৌশিনগে হাযবসি থোইনা খন্দে। মহাক মবমচং মাঙলবীনি হাযনা লৌরগদবনি।"

ঐহাক খংহৌদনা কোকথক্তা বজ্র তাবে। অমুক চাওনা লাংখচ্চবকপা নিংজববকপা পুম্নমক কবিমতা কান্নদ্রে। মতৌসিনদি ঐগী পবিচয ফংবদা ঐসি মাগী নুপীনি হাযনা খংলক্লবসু ঐবু লৌশিনবিবোইদৌবি। ঐগী হন্দক্কী নুপীগী মপোকসিমা অবেম্বদা তাবে।

পুক্লিং ফাথক্লনা অমুক্না হংই, "হৌজিক মাবু অমুক থেংনবিবা থোক্লবদি কবি তৌবিগনি?"

মহাক কবিস্সু নিংঙাইদনা খুম্মকই, "মাবু ঐহাক লৌশিন্নবোই।"

কযাদা নুংশি হৈখিদ্রবা! ঐহাক চমন্ননা তুমিন্না লৈবে। ঐগী মিংথক্তা তেবানসি উব উরু লৈবক্লে।

অহিং অতু ঐহাক ইপুবোইবগী ফমুং দা ফম্নতুনা মাগী নিংথিজববা মাইথোংতু যেংনা যেংনা পুক্নিংদা চেৎনা বাশক্লকই, "মহাকা ঐবু মাগী নুপাগি হায়না লৌশিনবিবগা লৌশিংবিবে, নত্রবদি ঐহাক লেপ্পমক থবাইসি তেক্তা থাগনি।"

তবা মঙাশুবা মতাং

হৌন-শাজং রাংমদা।

রাতু দা ঐগী বাখল চমন্নবতু কোকখ্রে। মসিগী মমাংদনা ঐ খুড়খ্রে, মহাক্তি ঐগী শুমহৎ লাংদা তাববা মীনি। পুক্নিংদা অসুম খল্লকই, গঙ্গাবা মাগী হুযানা লেনবদা পাপ লৈত্রবা, শামুনা মযানা থিংবদা পাপ লৈত্রবা, কৈনা মখুজিনা খোৎপদা পাপ লৈত্রবা, ইবোইনা মচিনা লেংবদা পাপ লৈত্রবা, অদু ওইববদি ঐসু পাপ লৈফম থোক্তে। তেংবান মপুনা ঐখোইদা পিনবিবা খুৎলাই পুম্বতু, ইবানিমক্কী যাইফনবা শিজিনবগনি। "খোংজি মখোল থোকহনবা" তাববদি হৌজিকসিমক্নি। ঐহাক

মাগী মনাক্তগী থাপ্পা চৎথোক্তুনা ফম্লে। অতুগা মাইথোং মকা লাম্না বাবি শাবা হৌবে। মহাক ইনাক্তা চংশিল্লক্লে, মতুদা ঐনা হায, "ইনাক তানা চংশিনবিবক্কনু, বাখলতু খবদ চোইজাই-নবগুম তৌবিবমাল্লে" [বা অসি ঐনা নোক্না নোক্না হায অমসু হাযনা হাযনা শমজী পুল্লিবতু লৌথোক্লগা (তাচুম্বা হাযববদা, কনানা বাবোলসি খঙনগদগে ?) অমুক পুনশিন্ পুনশিন্না হায] "বাখলতু শেবানবিবে। ঐদি লমচৎ-নাইদবী নচ্চদে। ঐহাক ইপাম লমদমগী পাও তানিংতুনা ননাক্তা লাকচবনি। ফত্তবা বাখল কবিমতা লৈজদে।"

মহাক ঐগী বাসি থাজদবগুম তৌমাল্লে। চংশিল্লক্তুনা যল্লবে। মতমতুদা ঐনা নোক্না নোক্না হায, "ঐনা হাযভবসি যাবিদ্রেদনা, অতুদি ঐ চৎচবগে, অমুক লাকচবগোই।" অসি হাযবতুনা ঐনা তাঞ্জাতুদা যেংবা হৌনবা মিৎযে নাযে তু যেংল-যেংলতুনা, ঐগী খোইখোই তৌবা, নাল্লবা, মনশনুংশিববা শল্লাং চবুনগী মতোন অত্ত চেকশিন্দবগী মতৌগুম মাগী মখাজাইদা থেংহন্দুনা, যাচংবগী নামিবনা ইপোম লাংহল্লবা বসন্তগী উবিগুম হাইফেৎ হাই-হুম্বা শাথেক্তা হৌগৎলক্লে।

ঐহাক থাঙ্গেংশেংনমক হৌগৎপ্রে হাযবসি উবদা মহাক মথবাই হুংঙাইত্রে, চংশিল্লক্তুনা ঐগী খুজেং পাযববে। মহাক্না খুৎসি পাযবগা যামা ঙকপগা লোইননা খুত্তা যেংতুনা লৈবে। ঐনা হায, "কবি যেংলিবনো ?" মহাক্না খুম্মকই, "কবি লৈনো অসিদে ? লৈসিদি পকচদে। লৈসিদগী শিবিবা মীনা ফজবা

হেল্লি। মাল্লিকা লৈবান্দগী তাইবং মীনা হেনা ফজে হায়বসি হন্দক উনিরবসি মঙাই।" হায়সি হায়বদা ঐ শাওনা মথুত্তু কন্থোক্লে, অদুবু নোক্তি নোকই, অদুগা হায় "সং অক্কবা মী নত্তে। ঐবু শোক্কনু, ঐবু লমচৎ-চান্দবীনি হায়যা খনগন্নু।"

অসি হায়বদনা ঐহাক থোঙ তম্না খোউ থাংদোক্লক্লে। ইপুরোইবা—ঙসি নাওগা বাড়ি শিংলুবগা কপ্পুম কপনি ই—মথুং লোনবহনা হায়বনই 'ঐবু চাবউ চৎশিন্নু। ঐহাক নগী নশক্নু উবদা ঙাওনবা। অসিগুম্বা শকতি ঐ অমুক্তম্বু উখিদ্রি, অমুক্তা নিংথিনা যেংখিগে। মতুংদা অমুক উবা ফংগনি হায়না নিংদে।" ঐহাক অমুক হন্দ্রিল্লক্লে—অদুবু ফমদি ফমদ্রে—ঐনা হায়, 'থবাইদগী হেল্লবা' ঐগুম্বী লাইবকথীবী অমনা নগুম্বা নমল নাইদবা বহু অনবু হুদোক্তুনা চৎপসি কয়ামুক্তা থামোই খোনা অবাংশা লাবা হায়বা খঙবি-উবিদবা তৌবিন্নু। অদুবু বর্নিং তৌনিংদ্রবা ধর্ম্মগা ঐখাইগীদি আখোইবা লনি—নুংশিত্তগী নু চাইবা যেন্নু। ঐহাক ধর্ম্ম মাঙহনবদি ঙম্মোই। ঐহাক বাখল শেবাংখিদ্দগী পাঁজী নন্নাক্তা লাক্লুবে, বাখল লৈফেখিবদগী চাংগী যফাদা চিঠি হবরে। অদুবু ঐহাক লৈখামক হেক তাদি খোক্তি। হৌজিকফাও ঐহাক ইশা কাজনবগী লম্বেল ফাংলি, ইবাইবক যবা বায়াসি তাঞ্জা চানা থম্মোইন্নুংদা ফাওনক্লে। ঐ চচ্চবগে।"

মহাক্না হায়নবই, "নশাগী ধর্ম্মদি নশানা খঙগদবা মঙাই। অদুবু ঐবুদি নংনা তমখীববা দশা অমদা তাহল্লে, ধর্ম্ম-অধর্ম্মগী

বাখল ফাওবা মাঙহনখ্রে। ঐহাক বাশক্তুনা হায়রি বসিনি, নহাক মতম্ চপ্পা ঐগী থম্মোই মাবেম্মা ওইদুনা লৈবগদবনি। গোমতং-গীনি হায়বা বাখলদোমদা শক পুগনু।"

ঐহাক হঙ্জিন্দুনা যম্লে, অদুগা হায়, "নিপানা বাশকপসি থাজনা লৈতে। নিরুপমদা উনবদবু অদুক হকচিয়া বাখল তৌথবমগদ্রা?" অসি হায়বনা অমুক চংকদবগী থৌবা তৌবে— খোঙ যৌনা খোঙ থা দোল্লব্রে, নত্তমদি নহাক অমুক মপুক্কি যাথবা ঙম্মক্তুদা মখুৎ অনি। ঐগী খোঙ অসি কোল্লদুনা লম্বী থংলবে। অদুগা হায়বকই, ঐহান অসি চপসি অমুক্তম্ উখিদ্রি।' অদুদগী মথবাই শোল্লবা হু শাগন মপী হোল্লক্লে। মহাক্না বাবিবদু উবদা ঐহাক হু ঙাইবত্তে। ঐনা হায়, "অদু ওইববদি নগী যমুনদা চংসি চংলো—মফমসিদা লৈববদি নানা ঐবু থাদোক্তুনা চংপিখিনি।"

মহাক খুদক্তা ঙাক্তদা যাবে। মাগী মযুমদি সিমলাদগী হাইযেং লাক্পি। মাগী গাড়ী শেন-শান্না অদুম্মক লৈ, অদুগা খোঙশংবে-শি সু তুল্লি। ঐখোই অনি তুরি খোঙ হাংদোক্তুনা গাড়ীদা তো থংলে। মাগী মযুমদু যৌবদা উবে, ঙোল অনি লোঙবা যুনি। কা অমদা ঐহাক হায়না যৎ চলে। হেক চংবগা মন্নুংদগী পোবোল থাদুনা খোঙদু থিংজিল্লে। ইপুবোহবদি মপান্দা অদুম্মক লৈবে।

মহাক্না মপান্দগী অবাবা খোনফম্মা বা বযা ঙাংঙকই। ঐনা নোক্না নোক্না হায় "ঐ হৌজিক্তি নংগী লে দ্রবী ননাই-হুপী ওইববনি। অদুবু নংগী হুংশি-ইচেলদু হযে -অয়ুক ফাওবদং

লেংদনা লৈব্রা লৈতব্রা হাযবসি অত্তুক যেংখিসি। হযেং ফাওবা হৌজিক নু শিবিবহৃগুম লেংদনা অত্তুমক নুংশিববদি, ঐহাক নংগা অমুক বা ঙাংনগনি। ঙসিগীদি মতাং অসিবাইদা লোইবে।"

ঐ থোঙ অত্তুমক হাদোক্লে, অত্তুনা মাসু মযম অমদা পোখাত্তুনা লৈখ্রে। কালেন থাগী খাঙঙমদ্রবা মৈশাদা, শাথীনা খৌবাংলবা অনাববু লৈবা ইলবা পুখ্রিমপান্দা যমতল্লগা মচিন্দু চেৎনা ফাজিন্দুনা ইশি থকপা ডমদাবা থম্মু—অত্ত ওইববদি হাযু যেংসি, মানা ইশি খৌবা বত্ত হেনগৎকদ্রা হেনগৎলোইদ্রা?

নুমিৎ ফনা যান্না কাববা তুংদা ঐহাক থোঙজ হাংদোক্লে, মতমত্তদা ঐগী ইপুবোইবদি থোঙজিন্দা লেপ্তুনা লৈবল্লে। ঐনা ইথৎসিনা মাগী মখুত্তু পাযশিল্লগা হায, "থবাইগী মবুঙো, ঐবু বামনামদঙগী মযুমদা থিনবিগে হাযবগা থিংবিযু, নত্রগনা নুমিৎ নিপালনিদং ঐঙোন্দা বানাং ঙাংবিগনু। নুমিৎ নিপালনিসি নবু চাংযে খিগদৌবিবনি।" মহাক নুমিৎ নিপালনি চাংযে বত্তু যাবে।

তরাতকুকশুবা মতাং।

হাংলুবদগী ফাঁসিদা চৎলে।

নিপাবু চাকহনবা গোংদম্বনা উপায খবা নুপীশিংদা পিনবিবস্বত্তু, লোইনমক শিজিন্নত্তুরা ঐহাক নুমিৎ নিপালনি ইপুবোইববু চাকহল্লে। ঐদি নুপীনি, কবন্না ইচিনসি কাংথোক্তুনা বাবম

পুনাঙ্গ তমিনা? ঐবা মৈ তৌনপবু হৈবমদ্রবনি, অদুবা
অদি নুংসু হায়া পচাক চাব্রম্মোই। অদুবু করমা মৈদ
গোনাগী করম্না মৈত কাম্মি—করম্না ইপুরোইবগী মথবাই চাকহল্লি
হায়বদা, ইনাইবা। কবিনা উপোকপদি ঙমদ্রে। কবিন্না
লাইবিকশি শাদিবিবী কাংলৈবা দিপা তাংখগী লম্নীদা চংলিবা
যাঙবনদি অমা। নুবন শাকপিবনদি মতং কুপ্না চখোন-খংবিদি।
অমসুং অমা নাইবিরুদি পাবিবিদা কপাংসনা নবিজুংদা
অম্মগী মীহা মীমী মতুঙা লৈবা যাংবা লৈমা কুপগা ভরংনা
খংদ্রিগনি। কবি অমুক হানি শা হাৎবাদিদ্রবু পুবিবা
তিখনি। নৈহাইগী জা লা পুবিবাবু অমক শানবা। মাঙ-
তাবনা লোকানবগুম, দিমা চৈবশিনদি শাক নাকলদা।
লাম্বুক নবা হাযবনবু, অম্মা নাংপা নাইনা ননা লোইরক
থংগে শঙবম্রানি নগা পুবিগাসি না অং বনানাই।

হুনি দিগাসি ঐহাক মতম চঙদা ইপুরোইগী
নাতুদা লৈন বামা হুশিবা চানি নাইনা চাইবোইদবা
না নচ মনা নাঙনা নাদা। মাদিদ শাদনব-নবেক
—পুনাবসিদ নাদ লৈ, ডুপাশি নীহ নানী। ঐহাব অহানবা
হুনিওা মানা হুশিবা চানা বা চুই—অমাবা হুনিওা হুশি
হুডালগা বাগশ পোবোবই অদুংগা ক্যাগা নাগা হকপানবী
হুনী ওহনা যবক শাইখপা চোদ। নাগী চানা লক্ষ্মদা চংগোনা,
হিঙ্গবা তদ অহাবা, কপ শাইখনা অগাননাবা, হিবন
খাদি মক্তা যানান পৌবা থদি, —ইখুংমবা চাক-হনশা, খোংই।
কবি হাযনি, যা লে দোকবা পজে যাঙা লাঙই। মহাক

মশা খজিক্তং হু এাইস্তবা উবদা অতি, নোংশোইবা নিংশেল খাঙত্না সেবা তৌই।

হৌজিক ঐহাক হংশং লোনহ্নু। মযাম্মক্তা হাযজবি, পুন্নমকসি তৌশিনবিনি হাযাগী বাখললোমদা পুবিগনু। ইদিবাগী থাম্মোইনু দা নাপল মচেৎ পাথক্তি মপকচৈ, মতুদি যামা শেৎচাবা ফগনি হাযবগা নিহৌনা। এগা ইপুরোইবগী নলপুবগী নবেম্মা ওইগনি কাবগী অপাঙ্গবা, পুন্নকসি ঐনা খক তৌবা ঙমগদবা নৈতে, ইপুরোইবা যংগী হাযবগী অপাম বাখলস্তু তৌশিনবা [illegible]শি-শাদং চৎপা ঙমদবা নৈতে, হুদ্রগা হুদ্রাগী ওইগনি হায[illegible]স্তু ঐ খক চম্মোই। ইপুরোইববু [illegible]হৎনবা মিংশেল-[illegible] [illegible]রোব কযা শাজবদি যাই, [illegible] ইপুরোইবনু [illegible] [illegible]শিশিনবা শাজিত্তি বদোংহু দম্ব চপা ঙম্মোই। ঈশ্বরনা [illegible] নওদা ইদিবানু শেম্বিরগু। [illegible]গুম্বী মবাইবক-[illegible] [illegible]সি ভাব [illegible], কযাগুম্বী পাপাচারী ঐবু অস্তা [illegible] — [illegible] [illegible]শংগী [illegible] থাকপদি ঙম্মা, শনজা [illegible] পুরি[illegible]বদি ঙম্মা, খঙশিনদবা শাস্ত্রা [illegible] [illegible] পোইখোইবা শম্মা [illegible] মবাইবক [illegible]গী মখলোইদা [illegible] [illegible] চকাবদি ঙম্মা,—অতুগা মখোং [illegible] কোন্দুনা [illegible] [illegible] ত্রেশ হিরবগদা পাল্লিবা ঙাইক্ত্রু ম্বরনা বাম্বদি [illegible]দবা-অসি [illegible]। ঐবু ছাংপদবী চিংগা দো, মতাত্তদি ঐগা পুন্নসগা বাবিসি পাবিদবা ওইসনু।

নখোইগ ভুপী মযাম্মক্তা মীং কযাগী মী মশল শুবে। লাইবিকসি পাবিবিবা চিপাশিংগী বাদি নত্তে—নখোইনবু শাস্ত্রসিগী

মবমদা কবি খঙগদগে—নখোইদদি অশেংবা বাফমত্থ শুগাইনা হাযগে। মহাক ঐগী ইপুবোইবনি—ইপুবোইবগী সেবা তৌজবতনা ঐগী হুংঙাইবনি—অদুনা তৌশিনবা নত্তে—থবাই মসি লুপ্পা ঐহাক মত্থ পাঙথোকচৈ। ঐনা খল্লি, মহাক্না ঐবু লৌশিনবিদবা থোক্লবদি, ঐঙোন্দা পৃথিবীগীমহুংদা খ্বাইদগী হুংঙাইজবা ওইবিবা,- অমুক্তম্ ইপোকৌগী ফংজদ্রিবা, অমুক ফংলত্তবসু যাবিবা, তাঙলবা পোৎশক্কু যামদ্রবদা হুমিৎ খবনিদংসিদি থবাই পেনা ফংজখিগে। অদুনা ইথবাইসি পেন্না ইপুবোইবগী সেবা তৌজে। মত্থদা কযামুক্তা হুংঙাইবা হাযবত্থ, নখোইগী নবত্তা খবনদি খঙগনি, খবনদি খঙলোই।

পাবিবিবা নিপাশিংদদি, অত্থক হুংশিত্থনা মীোক-মিৎযেগী অথুপ্পা বাবোলত্থতমক হাযগে। কালেজগী পরীক্ষা লোইবগা জ্ঞানগী মতোল লোম্বা ওইনবিবা, উবিলগী থবক তৌত্থনা লুপা তবাদং তানবা ঙম্নগা তেংবানঙম্বা মঙুণ ওইনা খনবিবা, মত্থ লৈত্রগনা লৈপাক-নিংথৌদা চণফম লৈত্রিবা, অত্থগুম্বা মখোইগী বুদ্ধি মতাত্থদবু মপুবোইবা নিংবগী অথুপ্পা বাবোল ভাব তাহনবা হাযবসি শুকঙম ঙম্ফম লৈতে। লুখ্রাবী মযুম পালহল্লু, লৈশাবী শবীবু নিপাগুম্না শাস্ত্র কযা কযা হৈহল্লু হাযনা তত্তনা লাওবিবা মীশকশিংত্থনবু মপুবোইবানি বগী বাফম কবন্না খঙগদগে? অত্থবু মীনোক-মিৎযেংগী অথুপ্পা বাবোল হুংশিত্থনা অত্থক হাযগে হাযবিবসিদি, মসিগী বাফমসি ইপৌ-পৌই অত্থনবি। মাহুতনা কাটি থাত্থনা শামুবু থৌবগুম, গাডীওযালানা শগোলবু শাজেনা শিজিন্নবগুম, মনশেন্নহানা বাশনা মনযাম

হোইবগুম, ইংবেজনা মমিৎ ঙাংতুনা বাবুগী কাংবু লাকপগুম, ঐখোইস্ন মীনোক মিংযেংনা নখোইবু খুত্তম চন্নি। ঐখোইনা ইপু-বোইবা নি অবসিদি ঐখোইগী ইর্ৎা, ঐখোইগী মীনোক মিংযেংদা শাথীববা মিংদা-থিবা থোকপা তাংবদি, মহু নখোইগী দোষনি।

নখোই।। তাযবা যাই, এসিদি যাম্না নাপল তৌবগী বাযম্নি। অতুবু—ঐখোইস্নু লৈবান্না শাবা চযুনি, চেকশিন চেকশিনা অওম্মক মকাই। তোনিবা নাপলসিগী মতৈ খুদক খুদক্তা অতুম্মব মফংই। মশাদি লৈতদা অতবু লিকং তেনদি মপাযবা, মশা মমাস্নু লৈতবা, *অওবু হুপীদি নবৈবা—তেনজৈনা লৈবা গী, অতুবু মতা চিংফাংবা কাপথাইবা মঙম্বা, অতুগুম্বা ঠাকুবদ। হুপী ওকৈবীগী নাপলবু খুদেকই। ঐহাক্সিনা ঐগী মীনোক-মিংযেংগী লা থাক্তুনা অতৈবু ফাবা লাক্লববদা মীহুবুস্নু ফায, ঐ ইশাস্নু লাংতদা ওজ। মৈ শখাইযবদা অতৈবুস্ন চাকহল্লি, ইশাস্নু চাকচৈ, যাওশ মতমদা আবীব তৈবেগুম অতৈবু ঙা হান্না তোংবা ইশা হু ঙাংজ। তাযবিবসিনি, মাগী শত্তুনদি পুক্লং হুবগী মশান্নি—অও।। মসিমস্নু খঙলে, নি থিবা শত্তুমসিনি ঐতাক্কী লেতে তাযবমত্তুবু —

মানা হু শিবব৫না হু শিবীনি ঐহাবসি—
খজবীনি মাগী খংবনা।

অতুদগীদি মৈ অদগী ল থোক না শি।। ঐহাক হু শি মীনোক হৈ, তোকপগী পাওখুনসিবু লৈত্রা? ঐহাক হু শি-মিংযেং হৈ, মিংযেগী হন্নকপা মিংযে সিবু লৈত্রা? ঐগী চিনবান থক-খাসি

* আত্মযোনি।

অরাপ্পদগী নু শি মীচুপকী ইখৌ লা চুনা লৈ, অপোম্বা লৈবা গী লৈ-যাশিং মকা যল্লকই। মহাক্কী শাংকাইরবা অঙাংবা লৈগুম্লবা পোংলবা চিনবান থক খাও মতৌ অদুম্না মকা লাম্না লৈ না যন্দো-ক্তুনা ঐঙোন তম্না ওনশিল্লকপসিবু খঙখিদ্রবরা? ঐহাক কবিগুম্বা মাগী মীনোক্তা, মাগী মিংথে দা, মাগী নুংশি মীচ্পকী ইখৌ লা বদা, মথম্মোইদ্ৰ লা তক্লবগী খুদম খজিক্ত বু উবা য লবদি, ঐনা অদুম্মক মাইপাকপা হায়বদু ওইরগদবনি। অদুবু মদু থোকখিদ্রে। মীনো-ক্তুদা, মিংথেংদা, চিবালগী নকা লাম্লকপদ্দা চুম্নগী চানবগী মপাল নাইদবা নু শিবগী নংঙৌতনক ঙাই খ। মদুদা ঐ মাইথিবা হায়বদু ওইরে। মাইখিবসিদা তশে না খৎলে, সিতনি পৃথিবীগী মপুং যাববা নু ঙাইবনি। মহাক্কা লৈপুনা ওইরবা থৌশীনবিবা ঈশ্বরদ, মশামক উং অদুম ওনখ্রে, ফনবু ঙকই।

চাং-যেংবা মতম শজিল্লক্লে, অদুবু ঐদি মাগী নু শি-লা দা অসুক্কী নভিক চংখোয়া যেংশিনখ্রে মতুদি, হংদুনা ইপুক্কি দা খঙ্জ-বকই, চা -যেংবা মতম লোইশ্লবদা মহাক্না ঐবু ফুতনা তাল্লবসু শুকচং চংলবোই। মমৈখংদা নানা ঐবু শক খঙবিনক্লতা মাগী নুপীনি হায়না নোৌশিনবিদবদা তানক্লফাও, মবম্বী অমা ওইনা মাগী নানাক্তা লৈবা তাবাসু অদুম্মক লেবগনি, ইপুনোইববু যং-ভবরদি মীনা থীনা ঙাংনবা কনিমতা যাচু এবোহ। অদুবু ইবাই-বকসিদা মদু ফাওবা তম্লম্লনোইদ্রা হায়বসিগী কিবনা, অহা বা তাঞ্জাদা হেক হেক কপ্লকই।

অদুগা মসিমদি খঙলে, থবাইনা বুঙোগী ম-শা অনিমক্তি কক্লে। অমুক পাইনবা মপাঙ্গল লৈত্রে। মাগী অপাম বাখলগী

মৈনু দা অবেপ্পা লৈতনা ঘী হৈথখ্রে। মহাক হৌজিক থবক পুম্বা তোক্কুনা ঐগী মাইথোং তম্নতা যেংতুনা লৈখ্রে। ঐহাক্না ইমুং মনুংগী থবক ইনখা, শুবদসু, মহাক অঙাংগুম ইতু কোইন ইনত্না লৈবে। মাগী থম্মোইচুংগী লাবঙমদ্রবা ইথিন খোঙথাং খুদিংগী উবা ফংলকই, অদুবু ঐগী ইঙ্গিত উবমক্তদা খংলেপ লেপখি। কবি কবিগুম্বদা ঐগী খোঙ পাযদনা কপ্পকই, হাযবকই, "ঐহাক নুমিৎ নিপালগিসি নংগী বা ঙাক্কনি—নহাক ঐবু থাদো-ক্কুনা চৎপদদি তৌগনু।" মতৌদুদা ঐনা উবে, কবিগুম্বা ঐনা মাবু থাদোক্কুনা চৎলবদি মহাক ওন্থোকপা ফীভম অমা ওইবগনি। পরীক্ষা লোইখ্রে। নুমিৎ নিপালনি হৌখ্রবা তুংদা বা ঙাংনবা লৈতা অমনা অগী খুবাম্নুদা চনবে। মহাক্না ঐবু ওক্কবী অমনি হায়না লৌই। মদুসু ঐহাক অতুম্মক খাঙডুনা লৈবে। ঐহাক ওইথিংবা অমা ওইববসু, শামু মখোংদা খুব্রৌ চল্লে তাযবসিদদি তশে যা খঙলে।

তবাতরেৎশুবা মতাং

ফাঁসিগী তুংদা বিচারগী থিগৎলকপা।

ঐখোই কলিকাতাদা নুমিৎ খরা মু ঙাইনা ইনা লেপ্লক্লে। অদুবু নোমদি, ঐগী ইপুরোইবতু চিঠি অমা পাযবত্তা যাম্না মাইথোং মক্কা ফমতুনা লৈবা উই। মতুদা ঐনা হাই, "অতুক যামা শুকথবিবদি কবিগীনো?"

মহাক্না হাযবকই, "যুমদগী চিঠি লাক্লে, চৎপদা তাবে।"

ঐনা খুদক্তুদা তফি, তফিং হায, "ঐদি?" ঐ লেপ্লম্বদগী লৈবাক্তা ফমথবে। মিত্তা পিগী ইচেল অবেপ্পা লৈতনা চেম্থবক্লে।

মহাক্না নুংশিনা ঐগী খুৎসি পাযদ্না চিংখৎলগা মাইথোংদা চুপ্লত্তুনা পি তৈথোকপিবে। অদুগা হাযবকই, "মত্তগী বাত্তুনি ঐনা খল্লম্মিবসিস্থু। নংবু শাদোক্তুনা ঐ চৎপা ঙম্মোইদৌবি।"

ঐ। মফমদুদা ঐবু কবি হাযনা মযামদা শক তাকপিগনি? কবন্না মফমকৈদা ঐবু থম্বিগনি?

মহাক। মদু খল্লিবনি। সহব নত্তবনিনা মফম অমদা থম্লগা মীনা খঙন-উনবোই হাযবত্তস্থু থোক্তে, অহল-লম্মন খঙহন্দনা কৈদনো নংবু ঐনা থমগদবসি?

ঐ। চত্তবা ইযা-মযাদ্রববা?

মহাক। যাদ্রে।

ঐ। কৈদৌঙৈ অমুক হল্লক্কনি? থিন্দনা অমুক হল্লক্কদবা লৈববদি, ঐবু মফমসিদা অস্থুম্বক থম্মল্লো।

মহাক। তনহন হল্লকপা ঙমগনি হাযবা কযা থাজদে। কলিকাতাদদি ঐ মবক মবক্তা অদুক লাকপনি।

ঐ। নং চৎলো—ঐ নঙোন্দা খুবো চেনবা অমুক তৌববোই। (ওন্থোক্না যাম্না বপ্না কপ্না বাসি ঐনা হায) ইবাইবক্তা তম্বা অমা লৈজবম্লগনি।

মহাক। অদুবু ঐদি নংবু উদ্রবদি অঙাওবা হাযবদ্না ওইবনি।

ঐ। যেংউ, ঐসি নহাক্কী লুহোংদুনা লৌবী নুপী নত্তে—

(ইপুরোইবা ইবুঙোদু হাইরেং ফমফম লেংলকই) নঙোন্দা ঐগী হক কম্সু লৈতে। ঐ নবু হৌজিক বিদায়—

মহাক্না ঐবু বা মখা অমুক তাহন্দ্রে। হায়রকই, "মসিগী বাসি ঙসি অমুক শাথরকুসি। ঙসি অদক খনখিগে। মদুদা তৌগদবা অমা লেপ্লকু ঐ হায়ে, খঙহনগে।"

হুমিদাংবাইবা মহাক্না রমণবাবুবু চংথোবরকবা চিঠি থাগে। মহাক্না মখাদা ইখি, 'তৌগদবা অবোনবা বা অমা লৈ। ঐগীদা লাক্লবদি হায়দাকপা যাদ্রে।"

রমণবাবু লাক্লে। ঐহাক থোঙ মরমদা লুমতুনা, মখোই করি ঙাংবগে হায়বকু তাতা লৈরে। ইপুরোইবনা হায়— বাবুখোইগী চাকথোবা—চহি খরা ইসা ওইদ্রীবু—মমিং করি কৌবগে ?"

রমন। কুমুদিনী।

উপেন্দ্র। মবানা কদাইবাইদাগো ?

রমন। নত ঐ শৌটিং টি হায়বা ঙমদ্রে।

উ। নিপা লৈরিবা লুহোংবীবা ?

র। নিপা লৈতি।

উ। নপুরোইবদি কনানো। খুদুম লাকপিবা ?

র। খঙদে।

উ। কনানো ?

র। মতু হৌজিকসিদ্দি পাক হায়দাকপা যাদ্রে।

উ। মতু গী অবোনবা বাবোল খরা লৈরবনে ?

র। লৈ।

উ। বাবুখোইনা মাবু কদাইদগী থেংনবিরুই ?

ব। ঐগী নুপীনা মাগী মনেগী মনাক্তগী পুবকপনি।

উ। তোক্লসি—মসি পুম্নমকসি কান্নদবা বা ঙাক্নি। মবমচংতি কমদোই ?

ব। মঙোন্দা মীনা ঙাংননিংঙাই কবিমতা লৈতে। ঐখোইগী চাকথোংবী হন্নুবীহুবু যাম্নদি শাওগংহল্লি। মহু নত্তনা মাগী কবিগুম্বা দোষ অমতা লৈতে।

উ। নুপী ওইবীগী লমচং শাজংকী মবমদনি ঐনা হংজবিবদি।

ব। মহুগী মবমদদি অসুক ফবী ঐ উদ্রি।

উ। মগুম কদাইদনো হাযবসি তাকপিদবা কবিগীনো ?

ব। তাকথোকপা যাদবনি।

উ। মপুবোইবদি কবি লমদা লৈ ?

ব। মহুগী পাওখুম হাযজগ্রিবা অহু মঙাই।

উ। মপুবোইবদি হিংলিববা ?

ব। হিংলি।

উ। বাবুদি মশক খঙবিববা ?

ব। খঙই।

উ। নুপীহু হৌজিক কদাইদা লৈ ?

ব। যুম অসিদা।

ইপুবোইবা ইবুঙোহু শ্বাই লাওখ্রে। ঙক্লহুনা হংঙকই, "বাবুদি কবম হাযনা খঙবি ?"

ব। মত্তসু হাযদোকপা যাদ্রে। অদোম্না হংবিগদবা লোইববরা ?

উ। লোইবে। অত্তবু বাবুনদি, ঐনা বাবোল পুম্বসি কবিগী খঙনি.লিবনো হাযনা খক হংবিদনসি কবিগীনো ?

ব। মবম অনি লৈত্তনা হংজদবনি, অমনা, ঐনা হ.লুববসু বাবুনা তাকপিবোই, মসি চুম্বা চুমদ্রা ?

উ। অতোপ্পা মবম অমদি কবিনিনা ?

ব। কবিগীদমক্তা হংবিবিবনো হাযবত্ত ঐ খঙই।

উ। মত্তসু খঙবিবা ? কবিনো অত্তদে হাযবিযু তাসি ?

ব। মত্ত ঐ হাযদোকচবোই।

উ। ফবে, বাবুনা লোইনমক পুমখঙ খঙবিবম্নে। অত্তদি অত্তক হাযবিযু যেংসি, ঐনা পাঙথোক্কে খল্লিবা থবকসি, পাঙ-থোকপা যাত্রা যাদব্রা ?

ব। যাম্না যাই। কুমুদিনীদা অত্তম্মক হ বিযু।

উ। বা অনত.দগা। বাবুনা কুমুদিনীগী মবমদা খঙবিবিবা পুম্বত্ত, চে নমদা ইবিবগা সোই তৌত্তনা পিবিবা ঙমগদ্রা ?

ব। ঙমগনি—মবম অমথক যাবিববদি। ঐহাক ইবগা থুপচিন্দুনা চা নচি বা নম্লগা কুমুদিনীগী মখুত্তা শিনাত্তনা থমগে। বাবুনা মত্ত হৌজিক হেক পাবিবদি যাবোই। হযে. যুম যৌবগা পাবিগদবনি। মত্ত যাবিববা ?

ইপুবোইবা ইবুঙোত্ত যাম্না মুনা খত্তবগা হাযবকই, "যাজবে। মত্তনা ঐনা খল্লিবসিগী মতে.দি ওইগনিদনা ?"

ব। ওইগনি।

অতৈ বা কয়া ঙাংনববগী তুংদা বমনবাবু হনখ্রে, উ-বাবুনা ঐগী ইনাক্তা লাক্লে।

ঐনা হংই "অহুক যাম্বা বাহু ঙাংনবিবা কবিগীনো ?"

মহাক্না হায়বকই, "নং লোইনমক তাববরা ?"

ঐ। তাবে। ঐনা খল্লি, ঐদি নংবু হাত্তুনা ফাঁসিদা চংথ্রবনি, অদুবু ফাঁসিগী মতুংদা অমুক বিচারগী থিগৎলকই-বসি কবিগীনো ?

মহাক। নতমসিগী আইন্দদি মহু তৌবা তারি।

তরানিপালশুবা মতাং

হক্লবা লোনম শাজংকী থোরাং।

সুমিত্তু বাদি ঐগী ইপুবোইবত্ অহি নু খিনা নাইদনা লইম্ফ-বাখলগী ইপাক্তা তাওখ্রে। ঐগা থোইনা বা-লা ঙাননা তোখিন্দ—ঐগী ইশকসি উবগা ঐবু শত্রিক যেংনা লৈ। মঙোন্দগীদি ঐগী বাখলগী পোৎলুম্না হেনা লুম্মি, অদবু মহাক্না বাখল চমনবহু উবগা ঐগী থম্মোইসি ওন্থোক্লা মৈশা না লে। ঐহাক ঐগা অবাবত লোৎশিন্দুনা থম্লগা, নাগী মপুক্কি ফাথনবা কম্না লাক্লম্লে। মও মাভৌ কয়াগী লৈবা মরে লৈ-নাচোম লৈতগী পোংলন কয়া শেম শাহুনা মঙোন্দা নু শি-খুদোল ওইনা লাল্লে, পানা কয়া মখল মখলগী তপ্লে, মথেল কয়া থোক্লা চানবা

অহাওবা থো লে, ঐ ইশাদি কপ্লি, অদুবু ইবাং হৌবা কুংশি-
ন্থু ওলগী বাঙাং কযানা মাগী মফমদা তত্তুনা ঙাংবা লাক্লবি।
ঐগী ইপুবোইবদি মচাক মরল তানবা পাম্বা মীনি, মচাক-মরল
চাওখংনবগী বানা মাগা খ্বাইদগী হেন্না খোইদাজৈ, মদু খঙদুনা
ঐহাক লল-তানবগী বা হৌদোক্কে , ঐ হরমোহনদত্তগী মচানুপী,
লল-তান্নবগী মরমদা ইখঙ-খাঙদবা নত্তে। মদুবু করিমতা কানবা
লৈখিদ্রে। ঐহাক কপ্পগী মথক্তা অমুক্তা হেন্না কপ্লে।

মতুংগী মো চাক্লকপদা ইব-মাইথজদুনা চাগদবা খবদ
চাবগা মহাক্না ঐবু মনাত্তা কৌশিদুনা যনহল্লগা হায়রকই
"ঐনা হ বা বা পুমনক, তহাক লোখুপ-লৌকোই লৈতনা অশে -
বতা শাগর্তদ্রা ?

মদু তাবদা ঐহাক দানবাবুদা বা থং-থত্তুনা হংবদু
গি শি লাক্লে। ঐনা হায়, "ঐহাক অশে বদমক খুমগনি। অদুবু
হ লিবা পুন্নক্তী পাউখম পিবদি ঙমদবসু যাই।'

মহাক্না হ লকই 'নহাক্কী ইপুবোইবা কি লি হায়া। তাই।
মহাক্কী মমি-মথা মরক তাকউদনা ?'

ঐ। হৌজিকসিক্তি তাবখিবাই, মদু খনা লৈবগা তাক্কে।

মহাক। তহাক হৌজিক কদাইদা লৈ, অদুদি অকপা যাত্রা ?

ঐ। কলিকাতাদা লৈসিদা।

মহাক। (হাইযেং ঙক্না) তসু কলিকাতাদা লৈ, নপু-
বোইসু কলিকাতাদা লৈ, অদুদি ন মাগা লৈমিন্নদ্রিবা
কবিগীনো ?

ঐ। মাগা ঐগা শক খঙনদে।

পার্বিবিবা পুস্বা, যে৲বিয়ু, ঐ পুন্নমক অশে৲বতা হাযজবি-বনি, ঐগী ইপুবোইবদি ঐগী পাউথুমসি তাবদা ঙক্লহনা হাযবকই, "মতৈ-মনাও মশক খঙনদবা ? ওন্থোক্লা ঙকগ্রবা বানিনা মহদে ?"

ঐ। পুন্নমক হেক্তা খঙনববনে ? ন৲গীবু খঙনববা ?

হাইবপ মথবাই নু ঙাইতনা মহাক্লা হাযবকই, "ঐগীদি খুদো শিবা থোদোক খবা থোকখিবানি।"

ঐ। খুদো৲থিবদি মফম পুন্নমক্তস্ত অহম মথোকই।

মহাক। ফবে মহ তোকো—অহুবু মহাক্তুনা মতু৲সিদা কবিওম্বা ঐগী ইথক্তা দাবীগচি৲বা তৌবক-খোৎলকপা যানা লৈব্রা ?

ঐ। মহ ঐগী খুত্তা লৈ। কবিওম্বা ঐনা মঙোদা ঐগী ইশকসি তাকথোক্লুনা থোক্লবা, অহু ওইববদি মানা কনি তৌবক্ক-দগে হাযবহ হাযবা ঙনদে।

মহাক। অদুদি নঙোদা বাবোল পুস্বা শুগাইনা হাযদোক্লগে। নহাক নবৌশি৲ লৈ হাযবসি খঙলে। নহাক্লা কবি যগদবা লশ্মী চাকপগে হাযবহ যে৲গে।

ঐ। হায়ু তাসি।

মহাক। ঐহাক যুমদা চৎপা তাবে।

ঐ। খঙলে।

মহাক। যুম যৌবগা অমুক থিন্দনা হল্লকপদি ঙম্মোই।

ঐ। মহস্ত তাবে।

মহাক। নহাকপু হুদোক্লমহনা চৎপা ঐ ঙম্মোই। মহুম তৌববদি শিবা তাই।

ঐহাক থবাই পুবা ঙম্মক্রে, অতুবু মকালাম্না হৌনা নোক্ল-তুনা হায, "ওন্থোকপগী বানি! চাক চাইখাইবগবু ক্বাক্লা বাৎপা হৌনব্রা ?"

মহাক। কোকিলগী অপাম্বতু ক্বাক্লা শিনবা যাদে। ঐহাক নংবু লোইনতুনা পুবনি।

ঐ। কদাইদা থমগদৌবিবা ? কবি হাযনা মযামদা খঙহনগ-দৌবিবা ?

মহাক। চাওববা লৌনম অমা শানবা তাবে। অতুনা ঐ চবাং হুমিংচপ্পা অমা বাখল তৌতুনা, ংগা বা-লাং নিংথিনা ঙাংনদ্রিবতুনি।

ঐ। অতুদি নহাক হাযগেবা, নসি ইন্দিরানি, বামবামদওগী মযুমদা লৈবমতুনা পুবক্লবনি ?

মহাক। ইস কবিনোসিদে! কনানো নবু ?

ইপুবোইবা ইবুঙোতু পুঙপঙ পঙথখিতুনা, মিৎতা অনিমক নোংথকলোমদা ওনখত্তুনা, ঐগী মাইথো তম্না মুনা যেংতুনা লৈবে। ঐনা হই, "বনিতা, কৈদৌরবগে ?"

মহাক। ইন্দিরা বৌই হাযবসি নং কনম হাযনা খঙিঙ ? অতুগা ঐগী পুক্লিগী বাসিনা কমদৌনা খঙিঙ ? নবু তাইবং-মীবা নত্রগা লাইবেন্থীবা ?

ঐ। মতু ঐ কোনা তাক্কে। হৌজিক্তি ঐ অমুক নাঙোন্দা বাহং খবা মবৌ থানা হগে, থাঙ্গশংবা পাউখুম পিযু।

মহাক। (কিনা) হংউ।

ঐ। নহাল নোংমা নংনা ঐঙোন্দা হাযখি, নংগী হুপীতু

অমুক হন্না ফংলবস্থ নহাক লৌশিল্লবোই, মাবু ডাকুশিংবা ফাকুববনি, অত্তুনা ন গী জাৎ মাঙলগনি। অত্তুগা হৌজিক ঐবু ইন্দিবানি হাযনা নযুমদা পুশিনবদনা কবিগী মত্তুগী মবমদা অকিবা পোক্তিবনো ?

মহাক। অকিবা পোক্তবা ? হৌজিকস্থ যাম্না পোকই। অত্তুবু মত্তুদদি ঐগী চংবা-শিবগী বাফম কবিমতা লৈরগদে — হৌজিক্তি ঐহাক শিবা তাবি—জাৎনা লুববা থবাইনা লুবলা ? অত্তুগা মত্তুগী মবমদস্থ অত্তুক হকচিঙা পংলৈ লৈবা নত্তে। ইন্দিবা লমচৎ মাঙখ্রে হাযবসি কঙানস্থ ঙা নদে। কালাদীঘিদা লুট তৌবা কা বুড় হৌজিক্তি যাবে। মখোইগী জবাব লৌবে। জবান্দা মখোইনা হায, ইন্দিবাগী মশাদা পকপা লিক-কোল থীবোল অত্তুভমক মুল্লগা মখোইনা মাবু থাদোকখি। হৌজিক খঙদ্রিবা হাযববু, মহাক কদাইদা লৈ, কবি করম তৌবে নসিদা মঙাইবে, যংবু যংলবদি মিদা শিবা থোক্তবা বাবি অমা ইবাই লাইনা শেম্ব। যাগনি। ঐনা খল্লি, বাবনবাবুনা ইবকপা চেগী মবোলহৎনা মত্তুগী মবমত্ত মযামদা শেংদাক্কবা যাওবম্বা যাই। মত্তু যাওবদা কবিগুম্বা ঙাংনবকপা থেঙ্গবস্থ, খুদদা শেঙ্গা থুমজা খবদং পিবগা নবাইনা নমখঙখিনি। ঐখোইগী পৈশা থোইনা বাত্তে-পৈশানা মযাম্মক ফাজিনবা যাই।

ঐ। মত্তুগী বাথোক্কুবু লৈবোইদবা লৈববদি, কবি অমুক খল্লুযম লৈবিবগে ?

মহাক। বাথোক হাযববু নংগী মবমদনি। নংদি শাশিনবা ইন্দিবানি, কবিগুম্বা ফানবক্লবদি ?

ঐ। নখোইগী নযুমদা ঐব কাংলাতনসু শক-খডদে, থাঙ্গ-শেবা ইন্দিরাবুসু কাংনবা খওনা যাওদে, মরমদি, মহাক্না যাম্না নৌবিরৈঙদা যাখোইনা মাব্ উাখিবা', অদুগবু করম্না ফানবক্কদগে?

মহাক। বাঙাং-শাংবা অনৌবা মীশক অমনা অখঙবা মী শাশিনববদি [illegible]-শাংবা [illegible] ইরাং লাইনা ফাই।

ঐ। অদ্ ওইরগা তাক [illegible] লোইননগু ভম্বি-খোংগি-বোদা।

মহাক। [illegible]দি [illegible] খলি, অদুবু লোইনমক হেক ভম্বি-বসি [illegible] থোক্কে। যে উদো, ভম্বিদা চিংথা হৌবা বাবোল অমা করিংত্রম্না থারক্লবদি, হেক্কমক ফাখিগনি। অদুগা অমুকসু [illegible] করিংত্রম্না [illegible] থাঙ্গশেবা ইন্দিরাডু লাকপা থোক্কনা, [illegible] হনককপদা, [illegible] ইরাই লাইনা অদুম্মক ধাখিনি।

ঐহাক হাইফেং [illegible] [illegible] তাঙাদদি নোক্কি বসি [illegible] অম্মক পেরকই। অদুব্ [illegible] ঐগী ইশক [illegible] তাকপদি [illegible] নোক্লগা হায়, "ঐবু কনা-নসু নমহৎপা [illegible] হখিবদাই, ঐব্ তাইব মীবা লাইবেঙ্গী হাসা। [illegible] নত্তে, (মসি তাবদা মহাক [illegible]) [illegible] হায়[illegible] তাক্কে। হৌজিক ঐনা [illegible] হাযবিবসি, ঐব্ নমহৎপা ওমগদবা [illegible]নামতা নৈ[illegible]।'

ইপুরোইবা ইবুঙো [illegible]। মহাক লৌশিং-শিংবা অইন করবা মীনি। মত্তু নত্রবদি মকম খজিক্কি-সিগী মহু্দা

মহাক। কাংশুবী লান্নবা মতমদা কনানো অমনা ঐগী নাসি কনা লৈখি। মীতু ঐ মমি খঙই। মমিংতু ন, অতুক হায়ু তাসি ?

ঐ। বিন্দুঠাকুরাণী—মমিং কোইরাওনৈ, মচিনবান ডাঙ্গ্রানৈ, নাতোন্দা নাসিকা যাল্লি।

মহাক। চুম্মি, অতুবু নং লুহো বহ্ যাওবম্বা ভাই। নখোইগা শাগৈ-ভাই থোক-লাকপ্রা ?

ঐ। শাগৈ-ভাইদগী হেন্দোক্তুনা, যুমগী মীনাইমুপী নত্রগা চাকথো বীনফাওবা খঙবা ঙম্লবোইদবা বা অমা অনিদ, অতুব হংলকউদনা ?

মহাক। ইন্দিরা কবম্বা নতমদা লুহো খি ?

ঐ। —সালগী শজিবু থাগী তা, ২৭ শুক্লপক্ষগী ত্রয়োদশী নুমিত্তা।

মহাক ঙাহাক তুমিনা বাখল তৌদ্রা লৈখ্রে। অদগী হায়বকই, "ন, নপুক্কি দা বাবৌ শাইদবা লৈবরদি, বাবন অনি দ,দগা হ খিগেদনা ?"

ঐ। বাবৌবোই ক উ।

মহাক। লুহো,বা নুমিৎকী পোথাফম কাদা মযাম্মক চংন থ্রবা তু দা, ঐনা ইন্দিরাদা লোয়া বা অমা হায়খি, মহাকসু খুমখি। কবি বানো ঙা নখিবদো, হায়ু তাসি ?

মত্ত হায়দোকপদা ঐহাক থবদ লল্লপ তৌই। মরমদি, বাহ্ নিংশিংলুবদা ঐগী মিংসিদা পিগী ইবা হেক চেল্লকই। মহু থামজিনবা ঙহাক হোৎনববে। মহৃদা মহাক্না হায়বকই,

“হন্দক্তি হুবানবা ফাবেদনা! ফবেদা—নং লাইবেম্বী নত্রে।” ঐহাক মিত্তগী পিড় তনহন হঞ্জিনহনখ্রা মঙোন্দা হায, “নহাক্না ইন্দিবাদা হংখি, 'হায্ তাসি, নংগা ঐগা হৌজিক কবি মবী থোক্লে?' ইন্দিবানা খুমখি, 'ঙসিদগী নংনা ঐগী ঈশ্ববনি, ঐনা নগী ননাইহুপীনি।' অসিনা বাহৎ অমা ওইখ্রে। অতোপ্পা অমনা কবিনো?”

মহাক। অমুক হৎগদবসি কিবু কিবে। ঐহাক জ্ঞান মাংখিবগুম তৌবে। অদুমকপু হায্। লুহোংবগী অহানবা অহিংদা ইন্দিবানা লননবা ওইনা ঐবু চৈখি, ঐস্তু মতুগী দণ্ডি হাইফেং পিখি। হায্ তাসি, মদগী বাবোলশিংতু কবিনো?

ঐ। ননা নখুৎ না-মা ইন্দিবাগী মখুৎ পাযবগা, অতোপ্পা নামনা মবেবাদা থমতুনা হংখি, 'ইন্দিবা, হায্, ঐসি নগী কনানো?' মতুদা ইন্দিবানা খুমখি, 'ঐনা তাবদি, নংসি ঐগী ইনাওতুপীগী ববি হায।' মতু তাবদা ননা দণ্ডি পিবা ওইনা মাগী মখজাইদা তপ্পা শুবাক্না থাকুবদগী মহাক্না ওইনখি-বতু উবদা, তাকোৎ কোংশিন্দুনা চুপখি।” মসি হাযবকপদা ঐগী ইশা পুম্বসি হাযফম খঙদবা তুংঙাইবগী ইপাক্তা খংতাও তাওবকই-মতুনা ঐগী পুসিনী ইহা। হাবা মীচুপ্পি। অতুগী মথংদা স্বভাষিণীনা চুহনখিবা অমৃতগী নোংতনি। অতুগী মতুংদগীদি শাথীববা মও দা কুমকাংতনা লাক্লবা। থম্মোইসি কংখিতুনা লৈত্রক ঙাক চংলক্লবনি।

ঐনা অস্তুম্না খল্লুবগা, যেংথোবকপা উবে, ঐগী ইপুবোই বতু তপ্পা তপ্পা মোন্দা মকোক ঙাথবগা মমিং উইশিনখ্রে।

ঐনা হায, "অতৈ কবি অমুক হংখিগদবা লৈবি ?"

মহাত্মা হাযবকই, "লৈত্রে। নংসি ইদিবা মশামক্তু ওইবা অমা নত্রগনা লাইবেম্বী ওইবা অমা,—অমদি শোইদ্রে।"

তরামাপলশুবা মতাং

হেলোই।

ঐ খঙলে, হৌজিক্তি ইলাই লাইনা ইশক তাকথোকপদি যাবে। ঐগী ইপুবোইবগী মচিনমক্না ঐ অসি কনানো হাযবত্তু হাযখ্রে, অত্তুমকপু খজিক্ত চিংনবা পোক্লিবনা, ঐ তশেংবা কোক তাকথোকখিবোই হাযনা খল্লে, অত্তুনা হায, "হৌজিক ঐ কনানো হাযবত্তু তাক্লগে। ঐহাক কামরূপতা লৈবীনি। আদ্যাশক্তিগী মহামন্দিবদা মাগী মনাক্তা লৈ। মীনা ঐখোইসিবু ডাকিনী কৌনৈ, অত্তবু ঐখোই ডাকিনীদি নত্তে। ঐখোই হেলোইনি। ঐ মহামাযাগী মফমদা ইবাল অমা লঙজববে, অত্তুনা শাপ তৌবক্তুনা মী ওইবীগী শক্তাসি লৌবিবনি। চাক-থোংবী ওইবা অত্তুগা ওক্তবী ওইবসিস্থু ভগবতীগী শাপ্তগীনি। অত্তুনা পুম্নমকসি ঐগী লাইবক্কী খোঙলৈনি। হৌজিক ঐহাক শাপ্তগী কোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লে। ঐনা জগন্মাতাবু খুকমজবদা পেনবিবত্তুনা, ঐবু মহাভৈরবী হেক খুকম্বগা শাপ্তগী কোকচবো হাযনা যাথং পিনবিবক্লে।"

মহাক্না হংঙকই, "মত্থদি মফম কৈদা লৈ ?"

ঐনা হায, "মহাভৈবরবীগী মন্দিবদি মহেশপুবদনি, নংগী নক্ক ইবুঙোগী যুমত্থগী অবাং পা৲না লৈ। মত্থ মখোইগী শাগৈগী লাইনি। মখোইগী যুমদগী মন্দিবত্থ তান্না চৎথোক চৎশিন তৌনবা ইংখোলগী চেকপলদা থোঙ ফাৎলিবনি। চৎসি চৎলো মহেশপুবদা।"

মহাক বাখল তৌবগা হাযবকই, "নং শোইদনা ঐগী ইন্দিবা ওইবম্বা তাই। কুমুদিনীনা ইন্দিবা ওইবন্নবদি কযাদা নু৲ঙাইগবা! মত্থম তৌববদি তে৲বানসিদা ঐগা মান্নবা নু৲ঙাইবসি কনা অমুক লৈবমখিনি ?"

ঐ। অমবু ওইববস্থ অমবু ওইববস্থ, মহেশপুব যৌবগা পুন্নমকসিগী অবেপ্পা অমা খঙগনি।

মহাক। অত্থদি ফবে, হযে৲ অসি যাত্রা তৌবসি। ন৲বু কালাদীঘি লান্থোকপা ফাওবা থিল্লগা মহেশপুব তানা চৎহনথ্রবা তু দা, যুম্লোমদা ঐ চৎকে। ঐনা খুৎ লোনত্থনা হাযজবিবসিনি, নহাক ইন্দিবাবু ওইববস্থ কুমুদিনাবু ওইববস্থ, নত্রগা বিদ্যাধবীবু ওইববস্থ, ঐবু থাদদি খাদোকপিগনু।

ঐ। থাদোক্লোই। ঐগী শাপ লোইথ্রবস্থ দেবীগী কৃপাদগী যংবু অত্থম্মক লোইনবা যাগনি। ন৲দি ঐগী থবাইদগী হেল্লখা পোৎশক্লি।

"বাঙা৲সি ডাকিনীগী বাঙা৲দি নত্তে।" অসি হাযবগা মহাক মপালগী কাবোমদা থোকখ্রে। মফমত্থদা মহাকপু মীনা ঙাইবি। মীদি অতৈ মীতোপ নত্তে, বমনবাবুনি, বমনবাবুনা ঐগী

ইপুবোইবদা হাযবা বাবোলত্ত ঐঙোন্দস্থ অত্তম্মক হাযবে। মমৈ-থংদা মানা হাযবকই, "সুভাষিণীদদি কবি হাযুগে ?"

ঐনা হায, "মঙোন্দা হাযবিগদবা হাযববু, হযেং মহেশপুবদা চৎলগনি। মফমত্থ যৌবগা ঐ শাপ্তগী কোক্লগনি, মসিমত হাযবিযু।"

ইপুবোইবনা হাযবকই, "বাসি মযাম্মকস্থ পুমখঙ খঙনববনে ?"

শিংলবা বমনবাবুনা হাযবকই, "ঐদি থোইনা পংখঙ খঙদে, অত্তবু ঐগী মুপী সুভাষিণীদি পুন্নমক খঙই।"

মপাল থোকখ্রগা ইপুবোইবা ইবুঙোনা বমনবাবুদা হংঙকই, "বাখুবু ডাকিনী, যোগিনী, বিদ্যাধবীককা হাযবসি থাজবিব্রা ?"

বমনবাবুস্থ মহুংগী বাবোল্দসি হাইফেৎ ভাব তাবে, হাযবকই, "থাজে। সুভাষিণীনা ঐঙোন্দা, কুমদিনীসি শাপ তৌবকপী বিদ্যাধবীনি হাযনা হায।"

ইপুবোইবনা হাযবকই, "কুমুদিনীসিবু ইন্দিবাবা হাযবসি বাবুগী মুপীদা অমুক্তা নিংথিজনা হংবিযু।"

বমনবাবু অমুক পল্লম্বা তৌদ্রে। নোক্না নোক্না চৎখ্রে।

কুনশুবা মতাং

হেলোই মাঙখিবা।

অস্থুম্না ঙাংনববা তুংদা ঐখোই অনিমক মতমচানা কলিকাতা-দগী খোঙশাল্লক্লে। মহাক্না ঐবু কালাদীঘি হাযবা ঐগী লাইবক

থিফম ওইরবা পুখ্রিদু লাঙ্গোকপা, যাওবা থিল্লম্লগা, ময়ুম মাইকৈ-রোমদা পাংখ্রে।

ঐগা লোইনরিবা মীশিংজুনা ঐবু মাহেশপুর তানা পুরক্লে। খুল যৌদ্রিঙৈদা ঐনা দোলাইরে শিংগা ডাক-শেল্লিবশি ত্থুগ। থনম্লগা খোঙনা খুলত্তুদা চ লক্লে। ইপাগী যুমদু উবরপদা ঐহাক অচিবপা মফম অমদা চত্তুনা যাম্না বুইনা কপ্পুনা লৈরে। মদুদগী ইমুদা চংলে। তেক চখদা ঐগী ইপাবু উবত্তা ঐ চপিদুনা খুনম্লে। ঐবু হেক খঙলক্দা মহাক হবাওবনা লুত্তোন কাখিদনা জ্ঞান মাঙখ্রে। মদুগী বাবোলশিদু মঙা সিদা তম্লুবগী থোক্‌না কাপথম লৈতে।

ঐহাক অসুক কইবসি কদাইদা লৈরুই, কমদোনা অমুক হন্নকই অসিগী চিরা বাবোলশু কানদা তমথোরে। অহল-লম্মানা হলক্লবসু ঐনা খুম্মি ‘খবদ লৈবগা হায়গে।”

তাঙ্গাগী নচুপিনা মযামদদি চাউবগী বাবোল খবদমক তম্মি, লোইরামত্তি নত্তে। নসিত্তনক হায়, ঐ মমৈথংদা ইপুরোইদগী মখাত্তা লৈরুই, মাগী মনাঙগী মাচা মিনি মহাকসু নোংমা নিনি লৈবগা মফমসিদা লাক্নি। কামিনীদদি নাবি বাখোংপুঙ্গা শুগাইনা তম্লে। ঐনা মচোদগী চহি অনি হল্লি, মহাক লণ্ডন খোংলবসি যামা পাম্মি। মহাক্না হায়রকই “ইচে! ঐখোইগা ইংনসি লৈতানা শাবা লাইগা অমতা হায়বদনি, খবদংগা লৈনদনা অঙাওবা শেমসিকো?” ঐনা হায়, “নৈ শেমসি।” অদুদগীদি ঐখোই ইচিন ইনাও অনি বা তানবে। ইমুংগী মীযামদা নদুগী চপচা না তম্বিরে। বাবাগা ইমাগসু খবদংদি তম্বিবা তাই। কামিনীনা

মখোইদা খঙহল্লে মহুদি, ফো না হেক লৌশিনবমক্তি থোক্তি,, মহু মফমসিদা লৌশিনহনবা তাহ। মহু থোক্লবা ঐখোইনা শীনগবি। অহুনা ঐ মফমসিদা যৌবক্লে হাযবা বাসি মখোইগী মযা অহু লাকপা মতমদা হাযদোকপা যাদে হায গা মখোইদা তাক্লে।

মথংগী নুমিত্তা মযা ইবুঙো লাক্লে। অহল-লম্ময়া মাবু হনাও হবাও তবাম তনাম ওক্লে। ঐ লাবে হাযবা বাসিদি মহাক কাগী মচিন্দম্মু তাবা ফ দ্রে। হ বম্মু ঙাদে। মহাক ইমু দা চাক চাবা চ লকপা মতমদা মাইথো ঙ ওন্থোক্লা লা শিনখ্রে।

চাক চাবা মতমহুদা ঐ মমা দা থোক্তে। কামি নীগা শাগৈগী ইচি ইযাও খবগা মাক্তা ফমহুনা লৈ। মতমহু যাচ বা মতু নি, কামিনীনা বা কযা বযা হ ই। অদুবু মহাক্তি যত্রনা বা ঙা বঙম খুমকই, ঐহাক মবম অমদা থুপ্পুনা পুন্নমত্তু তায। মমৈথংদা মহাক্লা কামিনীদা হ ঙকই 'নংগী নচেদি কদাইদা লৈ ?''

কামিনীনা স্ববমপী অমা শাংনা হোল্লগা হাযবকই, ''কনানা খঙনি কদাইদা লৈবা? কালাদীঘিদা থোকখিবা খুদোংথিবা অহুদগী ৎসিযাওবা মহাক্কী মবা-মপাও অমতা তাবা ফ খিদ্রে।''

মহাক্কী মাইথো ডু অমুক্কা থেমা শুকথখ্রে, অমুক বা মখা তাখিদ্রে। কুমুদিনীবু অমুক উবা য লাবোই হাযবা বাখলসি খল্লম্বা তাই, মবমদি, মহাক্কী মমিত্তু পিগী ংবা চেল্লক্লে।

পিহু খামজিল্লবা তুংদা মহাক্লা হ ঙবই, কুমুদিনী কৌবী কনাগুম্বী নুপী অমা লাল্লম-খোৎলম্বা?''

কামিনীনা হাযবকই, ''কুমুদিনী কৌত্রা কৌদত্রা হাযবহুদি

খঙদ্রে, হুপী অমা নহাল দোলাই তোংত্রুনা লাকই। মহাক চুগদ্রি মহাভৈরবীগী মন্দির তাম্না চত্তুনা দেবীবু খুরুম্মি। খুদক্তুদা ঙক্লবা থৌদ্দোক অমা থোক্লকই, খংতৌদনা নোংখো-ফুইনা নো-হু শিং কনা ভৌবকই। তাঙাতদা হুপীহ মৈ ফ্রি ফ্রি কাম্লবা ত্রিশূল অমা পাযবহুনা আতিযা তম্না পাইখৎথ্রগা অহুম্মক মাঙখ্রে।"

থবাইগী মবুঙোহ চাক চাবা তোকখ্রে। মখুৎ হামদোক্লগা মকোক্তু মখুৎনা শৌবহুনা মতম ফনা কুইনা লৈখ্রে, অহুদগী বাইনথদা হাযবকই, "কুমুদিনীনা মাঙখিবা মযমহ যেবা নানোইদ্রা ?"

কামিনীনা হাযবকই, "করিগী যাদদ্রে ? অহুবু মমশিনখ্রে—থাওমৈ লৌবখিগে।"

অসি হাযবম্লগা কামিনীনা ঐঙোন্দা লোয়া তাক্লম্মি—'হায়। চৎলম্মো। অহুদগী থাওমৈ পুবনা উপেন্দ্র বাবুবু ঐ পুথনা লাক্কে।" ঐহাক হানা মন্দির ভাগ চত্তুনা মাঙ্গোলদা ফমদনা লৈরে।

মযম অহুদা থাওমৈ পুবহুনা (চেৎপনাদা থোঙ পাল্লি হাযখিবহুনি) কামিনীনা এগী ইপুবোইববু ঐগী ইনাক তানা পুরক্লে। মহাক যৌবকপগা ঐগী খোঙ মপাদা তনকুন-কুন্থবরে। অদগা কৌবকই, "কুমুদিনী কুমুদিনী! নং হল্লক্লবনিনা ঐবু অমুক হুন্দোক্তুনা চৎপা তৌবগনু।"

মহাক্না অস্নুম্না বা অহুম মনি ঙাংলবা তুদা কামিনী

শাওরক্লতুনা হায়রকই, "লাক্লো ইচে। চৎসি। মীবেমসি কুমুদিনী-তবু মশক খঙই, নংবুদি খঙদে।"

মহাক্না লাংতক্লবগা লোইননা হংঙকই, "ইচে! ইচে হায়রদি কনানো?"

কামিনীনা শাওনা হায়রকই, "ঐগী ইচে ইন্দিরা। মাগী মমিং খক তাখিদ্রিররা?"

অসি হায়রগা ফত্রবী কামিনীনা মৈহু মুংথৎলগা ঐগী ইখুৎ লাক্তুনা চি তুনা পুরক্লে। ঐখোই কনা চেল্লক্লে। মহাক চমন্নরহু খরদ, কোকঞ্রবা তু়দা ঐখোইবু চেন্না চেন্না তানরক্লে, অদুবু অমম্বা মরক্তুদা লম্বী খঙদ্রে, থোঙ অমদা থে জিল্লুহুনা থবো থবো ওন্দুনা তুখ্রে। ঐখোইদি মনাক অদবাইদা অমম্মক লৈ ঐখোই অনি চত্তুনা মখুৎ নাম-নাম পায়রগা শোংত্তুনা লেপ্তুনা খৎহল্লে। অতুদগী কামিনীনা লোম্লপ হায়রকই, "ঐখোই হেলোইনি, নংবু ঙাক-শেন্নবা ঙতুং কোইন-হনবিরনি।"

অসি হায়রগা মাবু চিংতুনা ঐগী তুম্ফম কা তাশা পুরক্লে। মফমহুদদি থাওমৈ থাল্লি। মহাক্না এখোইগী তশক হেক উবক-পদা হায়রকই, "কৈনোসিদে? অসিনা কামিনীনি, অদুনা অমসিনা কুমুদিনীনি।" কামিনীহু শাওনিরবা লুতোন কাখিনা হায়রকই, 'ওন্থোকপা হায়রহুনিদকো! মবুদ্ধি মতাসিনহু শেল তানরনি হায়হুনা হোৎনবা শাবি? যোৎপাক পায়হুনা তানবা জাৎলা? মসি কুমিদিনী নত্তেনে -ইন্দিরা ইন্দিরা হন্দিরা! নংগী হকপান্নবী নুপী। ইমুংগী নুপী মশক খঙদ্রবোইবে?"

মহু তাবদা ইপুরোইবা ইবুঙোহু হন্নাওমনখিবনা জ্ঞান

মাঙখিদনা এবু মথাদা কোনশিনগে তৌবকপদা শেবান্নবা কামিনীবু কোনশিল্লবে। মতুদা মহাক্না মখজাইদা খুবাক্না শেৎ লাওনা থাবল্লগা োক্না োক্না চেন্থোকখ্রে।

মুমিত্তুদা হবাওবাখিবগী বাবোলদু তম-লাকপকা ঙম্বা পোৎ নত্রে। যুমদু হবাও কযাবা পুমথন থাখ্রে। অহিংদুদা কামিনীগা উ বাবুগা চামবক্তগী লো নবি যে খোক যেৎশিন তৌনবক্লে। যে বা খুদিংমক্তা াবাইগী নবুগোনা মাইথিবদা ওইখ্রে।

কুনমাথোইগী বা মতাং

মতমদুদা চৎনবন্নদি।

কালাদাখিদা লুট তৌখিবগী মতুংদা এগী ইবাইবত্তা কবি কবি থোকখিবগে হাযদু কৈজিক ইপুবোইবা ইবুঙো। এগী হযমদগী লোইনমক তাবিবে। বমনবাবুগা সুভাষিনীগনা বা তান্নদু।। মহাকপু কলিকাতা দা পুবকপগী বাফমদুসু তাবিবে। মহাক হাইবপু শাওই। হাযবকই, "এবু কোক মৈ যুংনা অদুক শাথী।। ভাতহনবগী কবি কান্নফম লৈ?" কবি কাবা লৈদ্রা তৌবিবো। হাযবদুসু নঙোন্দা শুগাইনা তাক্লে। মতুদা মহাক্তি পেনবিবে অদুবু কামিনীদি পেন্দ্রে। কামিনীনা হাযনকই, "দবু চেংতক্নবা চক্রিদা হাপ্নুনা হুব হব

ৈল'হৌদবসি, ঐখোই ইচেগী শাথীববা মবালনি। অমুকস্ হাযজবা শাবিবোইরে, লৌশিল্লবোই। হাই মীবেম, ঐখোইগী আলতা তৈবা খোঙ থম্বালসি নত্তনা নখোইগী জাৎকী লানফম হাযবদ লৈত্রবদা, অমুকস্ ঙক হাইগচ্চবা শাবিবসিব কনিগী গো।"

হন্দক্তি উ-বাবুহ্ পাওখুম অচাবা অমা খুল্লক্লে হাযববই, "মতমতুদদি শক খঙলুদে! নখোইগী তশে বা শক খঙবসিবু তবাই তবাইবা থবক্লা?"

কামিনীনা হাযববই, "ন দি কদাইদগী খঙনদগে, গো দম্ব মতগী শকক্তু ন,গীদি তম্বিনক্তে, লীলাদা শক্লবতু তাদ্রা? মখোইনা শকই—

"ধবলিনা হায শ্যামদা, কবমা খঙগদগে ন বু।
খঙ্জ চুমুতমক যমুনা নপানগী অশ বা যাগীতু॥
খোঙ্গুল লিজ্জ তাবদা নংগী বাঁশী খোজ্ঞেলদ।
কবম্না খঙনি ষনবীনা, ধবজ বজ্রাঙ্কুশগী খুদমতু॥

ঐহাক অমুক নোক্লিংবা থি বা ঙম্মক্তে। উ-বাবুনা খোই-শাওনা কামিনীদা হাযবকহ, "চৎপিগ্রো ইবেম্মা, অমুক খোই-দো-শাওগৎপিহল্লবনু। লীলা উৎপিবগী পানা মতপ অমত অতুক ফংবিগ্রো।"

কামিনীনা হাযববই, "ইচে! ইতৈসি হাইযেত্ত দি মবুদ্ধি মীবজেহাই।"

ঐ। কবি মবুদ্ধি লৈববা?

কামিনী। বাবুসি পানা ক্বাগোক্তি লোৎশিল্লগা মতপ অমা ফংজগ্রো হাযবিনে, মসিবু মবুদ্ধি লৈবগী থবক নত্রাও? নং

থবক অমতংদি তৌ , মবক মবক্তা নখোঙতু মথুৎনা হেক হেক শোকহল্লু—অদুম তৌববদি মথুৎ-লিকপসি মবাইনা যক্তখিনি।

ঐ। ঐনা মাবু ইখোঙসি শোকহনবদি কদাইদগী হৌন-গদগে ? মাদি ঐগী ইবাচ্চফম ওইববা ইপুবোইবনি।

কামিনী। ইবাৎফমদি কৈদোঁইঙদগী ওইবিবা ? ইপুবোইবনু ইবাৎফম ওইববদি, মতম অম্সুক কুইবসি মহাকসিবু নংগী ভূত ওইনা লৈকবরা ?

ঐ। মাগী হেলোই অদুনা হেক চৎখিবগা ইবাৎফম অদুম্মক ওইববনি।

কামিনী। অবাবনি, বিদ্যাবু ফাগে হাযনা কোযতান তাববু ফাবদি ঙমহৌদে। অদুবু যেউ ইতৈ, নংগী বিদ্যাদুদি যাদোক ফাজিনা তৌদবনড়ম হেনা ফৈ। মীবু ফাবা ঙমহন্দ্রবা বিদ্যাদুদি ফখ্রবা বিদ্যানি।

ঐ। কামিনী, না বা যাম্না হেনজিল্লরে' হুবা ববা-মীনাই ফাওবা যৌশিল্লক্লেনা !

কামিনী। ঐবু কবি কাযনবগে ? ইতৈদি কমিসেবিযেটতা থবক তৌবানা, হুবানবদি মযেক্লা তাজববনি। অদুগা মীনাই ওইবসু—মযামগী চানা থক্লবা হুল্লবনিনা, থবক কোযনোম নোঙ্গদি মতাববনি।

উ বাবুনা হাযবকই, "হাযজসনু, অঙাংনি। অমৃতং বাল-ভাষিতং।

কামিনী। অওইবনি। হেলোইনা চেনবনা নহাক্তং, তৌবে নবুদ্ধি চোইবপ্তং। চৎলগে ঐ ঙাহাক্তং—কৌবরে ইমানা ঐবুতং।

থাঙৈশেংবমকস্থ ইমানা কৌরক্লে।

কামিনীগা ইমা উনকবগা হল্লক্তুনা হাযবৈ, "খঙত্রা কৌবিবনো ইমানা কবিগীদমক্তং? লৈবা তাই নং হুমিৎ নিনিতং, তৌবদা নিংঙাইতং, থম্মি ফাহ্নুনা হেক্তং।"

মহ্ন তাবদা ঐখোই অনি অমগা অমগা ওনশিন্ত্নুনা যে নবে। কামিনীনা হাযবকই, "যে নবি নখোই অনি কবিগীদমত্ত?"

উ-বাবুনা খুম্মকই, "তৌবিবনি বাখল অন্থক্তং।"

কামিনীনা হাযবকই, "তৌরু বাখলহ্ন হনথ্রগা নপামতং। লৈখো হৌজিক্তি মফমসিদা হুমিৎ নিনিতং, চাহ্নুনত, নোক্তুনতং শানহ্নুনতং, হাইহ্নুনতং, হুমহ্নুনতং, জগোই শেক্তুনত ইশৈ শক্তুনতং

উ-বাবুনা হাযবকই, "কামিনী, নং জগোই অমুত্তা শাওবা?"

কামিনী। কবিগী ঐদি শাদৌবিবা? ঐহাক যোৎলি লৈহ্নুনা থম্লে—নংনি শাদৌবিবদি।

উ-বাবু। ঐবুদি হেক যৌবকপদগী হৌনা শাহন্দুনা লাক্লে—কবি অমুক হেন্না শাহনখিগে হাযবগে—ঙসিদি নহাক ঙহাক্তং শাব তাই।

কামির্নী। অহ্ন ওইবর্বদি নং লৈগদ্দা?

উ-বাবু। লৈগনি।

কামির্নীগী জগোই যে নিংবদগী নক্তে, ঐগী ইপা-হমানা খাম্বদগী উ বাবুহ্ন নোংমা চোহ্নুনা লৈরগে যাবে। হুমিত্তুস্থ যাম্না থুংঙাইনা লেপ্লে। খুলগী হুপী কাংবু কাংবু লাক্তুনা যাচংবা মতুংদা ঐগী ইপুবোইববু পুমকোই কোইশিল্লহ্নুনা

হৌবাও তথাম লৌবরে। চাওববা দোলালহুগী চিদাই ওইবা কা অমদা থুপী নযান গী লিনথম ওতরে।

লাল্লিবত্ত থুপী বযাদো শাযবা মশী লাকপা ওমদ্রে। চাওব চাওববা পটল-চেনখাইদা-মারবা অমুথা মিংথাগী পথে গা লুববা ইশি দা ওমু-দগা চাব ম ক তথক চাদনা লৈরক্লে। মুশিন মুববা লৈদি বো । দা। ওম্বা শল্লা মপৈনা, নো জু মাগী উ া গী ঐ ম যে শি । শি দনা পো থোক্কুনা থাই-ওম্বা লৈরক্লে বা যিা দা অমুবা লৌলগী কাবুনা মিপাইবগা লোথ । যমু াগ ইশি নত্তা কাইচন চোব ওমখ্রে—গা কযাদা, নাই া, চানাই, যাযা যাথা কযাগা নো লক্ষী তো থা গুব, মশী লাব দা নো ওম্বা শাযনগা গী থাই লমা শারক্লে — ও নবা চিবালহুগী ত্তা থরে গুম্ববা যা পাব না মনম থু শিববা পানা শাইব-শাইব না মখল কযাগী চি বাখ লাবগী মক বরে থইল ওনবা কযাগী গো ওমা দা থাবিবা নাসিকা লা গা, কাদ গা লাইত যাপে ভৈবরুদা দা দা চেব কঙ্কিনা যারবা নগাই থি জখ্রে - লৈত্ত, বানা থাম্বা প্পুষ্প জাব ম্যান মযাম্মা থাইওম্মকপদা, মাল বনা চৈথে পিববা লোবা বাবুবা উবিগী লৈকোলগুম, কা অত্তু থাযফম-খ দনা-দি থিজবা তখকপগী ইপোগা পুমথন থাদ্রে, জ্রি জ্রা শ্রে শ্রা লাওবগী খোজেলতনা খোইমুনা চবওম তোদ্রে, তওপ তওপ তব তব লবা খো জিশিংগী কুপাফৎ কাযেৎপা মঙালনা খোও পুম্বা পুমঙাল ঙানখ্রে দাবানশী, বালুচরী, মৃজাপুরী, শান্তিপুরী সিমলা, ঢাকা, ফরাসডাঙ্গাগী,-

মুগা, গবদ লংজম —মচু মচুগী কোঙ্গোন লোবগী, লৈ কংপগী ঘী মখল কযামুক শেংদুনা — কনা।। মাইখুম চিথত্নুনা কনা। হাইফেত্তং কুপ্তুনা —কনানা শমজী কাওবদং কুপ্তুনা—কনা অমনা শুক্কুপ কুপ্তুনা লৈবি। ঐগী থবাইগী মবুঙোদি গোরাগী পল্টন নমখাগত্নুনা তুমদা পৈশা পুবক্লবনি - জেনেরেল কর্নেল কযা শবুদ্ধি মাঙহন্দু।। শেংদা কযা খোম্লল্লবা; অদুবু ফংবীগী পল্টনসি উবদা মহাক জ্ঞান তাদ্রে চমনবে। তোপবী মৈবিগী মহুত্তা মিংকি মৈবি পাবে, বোমগী মল্লবা হকোং কোযবা মৈখুচলুগী মহুত্তা মুববা কোযনা যেংশিল্লবা ফিখিববা খোই-খোইবা শম্লাং মপৈ, শঙ্গিনগী শ্রে শ্রে লাওবগী মহুত্তা লিক কোল মযাংগী শ্রি শ্রি লাওবা খোঙ্গেল, লানঙম বাবাইগী মহুত্তা আলতা তৈবা খোঙযামগী খোঙজি মখোল' চিলিংযোন-ষালা উববা মহাক্কু ফাংবা—নিঙবা কাযদনিঙাই লৈতে। তমথিববা লানফমসিদগী মহাকপু কনবিনবা, থাঙজিন্দ ঐব উবক্লত্তা মাযা ইঙ্গিত তৌত্ত।। কৌবকই অদুবু ঐস্তু শিখ সেনা-পতিগুম মঙোন্দা লৌনম লোনচং চংনে। লানফমসিদা মাগী মতে পাংবিদ্রে।

মযাম্মকস্তু খঙনববা বাদি, অসিগুম্বা হবাও-তযামগী থৌদোক-সিদদি ইকাই-শঙ্গোই হাযা।। থৌদোক কযা থোকই। অদুনা কাস্মিরীগা ঐগদি মযাম মবক্তুদা যাওদ্রে- পান্দা অদুম্মক লৈবে। থোঙজিন্দা মবক মনক্তা অদুক হুবান্দুনা যেই। মসিদা কনাগুম্বনা—ইকাই শঙ্গোই হাংবা নাফমত্নবু মযামদা কবিগী তমথোক্লিবনো হাযনা হলকপা যাওববদি,—ঐনা

খুম্মি ই, ঐহাক হিন্দু নিঙোন্দনি, অদুনা হাযবিবা থৌদোকশিংসি ঐঙোন্দদি ইকাই শঙ্গোই হা বা ওইনা থোকই, অদুবু হৌজিক চৎনবিবা শাউং, ইংরেজিগী মওং মতৌ অসিগা যেংনবববদি, মসিদা ইকাই শঙ্গোই হাংবগী ফীভম কবিমতা পেংনবোই।

ঐনা হাযখিবত্তনি, ঐগা কামিনীগদি মবক মবক্তা হুবান্দুনা যেংই। মতুদা উই, ঐখোই-খুলগী থৌবানী যমুনানা সভাত্তগী মপোক ওইবী ওইদুনা ফল্লদুনা ফম্লি, মহাক চহি নিফুমঙাবোম শুবগীনি, কুচুনা হাযনবী যৌনা মুই, মমিৎ অমিদ যাম্না খুয, অদুগা উইকম উইকমসু তৌই চিবানা অনিদুসু চাওই, অদুবু ইবাংগী বাঙা বাতাদি যাম্না হৈ। ফীজেৎ-চাকচাদু কা তেল্লি, খাঙত্তু আলতানা ঙাশ ঙাই অমুবদা অঙাংবা- যমুনাদা জবা- কুসুম ওংওবগুম্মি, কোক্তনা লল্লবা শম্না চবা চবা লৈতেংলি। খ্বাইগা টীমান্নদনা মশা পোয-পেনবত্তু উবদা ঐগী ইপুবোইবনা লাকপু তুবেল শকওইবী মহিষী হাযনা লওনবি। মথুবাদা লৈবা মীশিংনা যমুনা তুবেলবু কৃষ্ণগী তুবেল শকওইবী মহিষী হাযনা কৌবদুগী মতৌ তাদুনা, উ-বাব। খাগীগী বাঙা অসি ঙাং- লকপা। ঐখোইগী যমুনা থৌবাগীদি মপোকংৈগী মথুবা খক পৌনদ্রি, অসিগুম্বা না অসিসু তাদ্রি, অদুগা মহিষী হাযবা বাংইসিগী অর্থসু খংদে। মহাক্না খঙবা হাযববু মহিষী হাযবদি ইবোই অমোন হাযবনি অসিতনি, অদুনা শা অদুগা মাগী নশাদুগা চাংদম্নবকপদু তাবদা মহাক শাওবনা ফী ফী কাম্লক্লে। মদুগী লম্না খুন্না ওইনা মহাক্না ইপুবোইবগী মমাংদা ঐবু "যানী" হাযনা প্রমান তৌদুনা ঙাংলক্লে, খুদক্কুদা ঐনা থোঙজিন্দগী ঙক

লিংশিন্দুনা মাঙান্দা হ ই, "থৌবাণী যমুনা ! কবি হাযবা ?"

থৌবাণী যমুনানা হাযবকই, 'মনবী অমবু হাযবনিমা।' ঐনা হ.ই, "মনবীদি কবিণীনো ?"

কামিনীনা ঐগী নাক্তগী হাযবকই, "খোংমদুনা থৌবাণী যমুনাগী নখাও অসি ক.গ্রমালে। অমুত্ত. মঙ্গোম থকখোদনা।'

মযাম্মক হৌ।। নোল্লকপত্দা সভাগী মকোক ইৈবাদ মমাই খকমক মকশিনাগ্রে কামিনীবু শাথীনা শাথবজনা হাযনবকই "ঙবাংতগী অঙা. ন না অমুক যামা থাবে-থবা শাবনিংসিব কবিগীনো ?"

কামিনীনা হাযবকই, "কনামতাসু নগী মক খোনবা হবাইত্থু থো.বদি হৈাদ্রে।"

অসি হাযবম্মগা কামিনীত্থ চেত্থাবাক্কে ঐসু চেন্নাবে অত্দগী অমুক হনা হুবাদ্না যেংলুবদা, ঐখোই লৈনাইগা ইবেম্বোক পিযাবীব ঊবাল্লে, নহাক জাত্তি বৈদানি চহিনা হুম্ফু মচা শবে। অত্থগী মনু দা চহি কনাগোদি লুগ্রা ৎকৈবক- বাি—মহাক মশাপুম্না ফীজেৎ লৈনংতংনা বাহিব। কাপনা ফাওবক্লে। ঐগী ইপুবোইববু যেলজনা "বৃষদি কদাই বৃষাদ কদাই ?" হাযবত্থনা মুপী মযামগী বুঞ্জবা অত্থ কোযনা চলি।

ঐনা হ.ই, "কবি থিবিবনো ইবেম্বোক ?"

মহাকা হাযবকই, "ঐহাক কৃষ্ণবু থিবিবনি।"

কামিনীনা হাযবকই, "অত্থদি গোযালাগী যুমলোমদা চংলোদনা—মসিদি কাযেতকী ইমুংনি।"

বাঙা হৈববী হনুবীতনা হাযনকই, "কাযেতকী যুমতদা ঐগী বৃষ্ণ ফ গনি।'

কামিনীনা হাযনকই, "ইবেন্দ্রাক, অাত পুন্নমক্তা অাত অত্তম্মক ভাবাবনে ?"

ইবেন পিযাসীসি মতম অসদা ভেলী চম্নে হায। পাও-বিদখা। দমা থোককখ্রে। অতুনা মদক্কী বাসি ভাবা মহাক শাবনা থাভদা খানো। চাবত্তুম থোকখিডনা কামিনীবু যানীগী বাঙা এক্টা পুবোত্তুনা চৈনা হৈবরে ঐনা মহ ভোক-খি ব ভাযত্তা। থৌবাণী যমুনাদা খদোনবী নিঙ্গতা হায, 'কনিগী অাক শাবিবনো ? নাগী কৃষ্ণদি যমুনা অসিদা চাখ্রে - । না - - না ঐনা যমুনা পুলিনদা (ভাববাদা) লেপ্পুনা চোক কপমিবসি।"

থৌবাগী যমুনাদ 'তিষী" গী অর্থ খঙবা নঙবুম, 'পলিন" হায়বা নাহেনিগী খঙ্গু অন্হা এইনা খঙলে। ঐহাক কানেন্না পুপা নিজানি। মগী বা পুথোক্তুনা মাগী অমকপা পক্ত। সতীগা লমচত্তা (অনকপা পতিবদি মাগী শক্তী নানা) না কাথেকপে। মহাব খনখ্রে। অতুনা মহাক শাঙনা ভাবনকই নামদ পলিন হায়বনা অমুব ?"

মসি অাবদা ইন্দু খনদ না বা। হাযননি খল্লে। ঐনা হায 'নানী নোপ। চাথু ে ন । যমুনানা অতি হু খিল নাইদনা ইথক ইপোম তৌজবদো মতুবু বৃন্দাবনদদি পুলিন হাযনা কৌবে।"

ইথব-ইপোম হাযকুবসিনা অমুক্তা হেন্না বাকায হাযবতু

পোকখ্রে,—থৌবাণী যমুনাদি কৱিমতা খঙবা লৈখিদ্রে, শাওৱ-ড়গা হায়ৰকই "নংগী ইথক ইপোমস্তু খঙজদে, পুলিনস্তু খঙজদে। নংদি ডাকুশিংগী মফমদগী অস্তুম্বা ইবাংগী বাঙা শাঙাংসি যাম্না তম্নক্লবোইবে।"

মযাম তিল্লবড়গী মৱক্তা ৰঙ্গময়ী কৌবী ঐগা চহি লেঙ্গা ওইবী অমা যাওই। মহাক্না হায়ৰকই, 'অড়ুক কন্না শাওবিবা কৱিগীনো যমুনা থৌবাণী! পুলিন হায়বদি তুবেলগী মপাল তোর্ব্বানবুনি। নবু নাকন অদিদা তোর্ব্বান লৈব্রনে?"

চঞ্চলা কৌবী থৌবাণী যমুনাগী পোপবাগী লুপী অমখক, ফিৰ চিন্দুম্বী তৌবড়না তু ওইনা ফম্লি মহাক্না ফিক মনুংদগী মেলনা তপ্লৰ, খোস্না না হায়ৰকই, "তোর্ব্বান যাওবম্লবস্তু ফগদবনি। হাইফেত্তৈ ঙৌাস্তু মউদদবনি। হৌজিক্তি অমুবা ইশিংগী কালিন্দীনা গ্রো গ্রো ঙৱতা মঙাইৰে।"

কামিনীনা হায়ৰকই "ঐগী থৌবাণী যমুনাবু নখোইনা কৱিগীনো অড়ুমা তোর্ব্বানগক্তা লংথোকপিবিবড়বো?'

চঞ্চলানা হায়ৰকই, "ইমাইপেম্মা' কৱি বানো' ইনম্মা থৌবাণীবু কৱিগী তোর্ব্বাদা লংথোক্কদগে? মৌপবাদা খুকমড়না হায়জগে ইনম্মবু অস্তুকপা মো ফম তানা পুবিনবা।"

ৰঙ্গময়ীনা হায়ৰকই, 'অনিড়ুবু কৱিদা খেন্নবিবগেনে নংনা হায়বিবসিবো?"

চঞ্চলানা হায়ৰকই, "মোংযমদদি হুই-লমহুইগী মকান্ন-জৈদনা, —তোর্ব্বান্দদি যন-ইবোইহৎ। ক মবৈ—মখোইদদি কৱি কান্নকনি?" ইবোই হায়বা বাদৈ, পল্লকপদা, মচশস্তুগীহ্

হাইফেৎ মাইখুম থাঙ্গৎলকই, মনম্মদা লৎনবগী মিৎযেংনা যে লকই।

যমুনানা হাঙ্গলকই "হয়া হয়া মহুগী বাহ্ তাবদা যাকো সি শি জানা যৈবে। ইবোই পামজবা মখোইছু, ইবোই ইবোই হাযনা শোদুনতা মবৈত্তবসনু।"

ইবেন পিয়াবীদি হাযনবিবা বাসি ঙসাইমখৈ থোইনা খোযজংনা তাশিল্লুবা লৈতে। মহাক্না হঙকই, "ইবোই হার্যবিবসিবু কবিগীনো?"

কামিনীনা হাযবকই "কবি কবিগুম্বা লমগী চলাশিংদি ইনোইনা থাঙ শুম্নে হাযবগী বানিমা।"

অসি হাযবম্মগা কামিনীহু চেনখ্রে। হনা হয়া ত্রেলী পায়বসি কযাদি চুমদবা থবক্নি।—অতবু কামিনীদি লমচৎ চুমদবা মী হাযবসিমক্তবু শুবযে যেংজবা ঙমদে। ইবেন পিয়াবীদ্ শাওবনা মমখিহুনা, বা মখা অমুক তাদনা উ-যাবুগী মাক্তা চতুনা যাগ্রে।

মতমতুদা ঐনা কামিনীবু কৌবগা হায "কামিনী, লাও, যে লো লাও। কদক্তি পিয়াবীসি বৃক্ষ থেংনখ্রে।"

কামিনীনা থাম্না অতম্মক লৈতুনা হাযবকই, "নি জবকপা কুইববননি।"

অতুগী তুংদদি ইবাং-লাংনবগী মতৌ অমা তৌবক্লে। ঐগী হপুবোইবগী মখোল তাবক্লে—মহাক্না মী অমখকপু হিন্দীদা থামা কনা লাও-খোংলি। ঐখোইস্থ কবিনো হাযনা যেগে চৎলুই। মতুদা ঐখোইনা উবকই, মকোই চোম্বা মোগল

অমখক ইমুংতুদা চংলক্লে, উ-বাবুনা মাবু তাহোক্লবা লাও-খোংতুনা ধমকা তৌদি, মোগলতু শুকচৎ চত্তে। মতমতুদা কামিনীনা থোঙজিন্দগী লাওরকই, "ইতে! নবু নপাঙ্গল ইযাও যাওদ্রবা জাৎলা?"

উ-বাবুনা খুম্মকই "কবিগী যাওদি।"

কামিনীনা হাযবকই "অতুদি চোংলম ঢোদবা মোগলগী মঙকশম লাক্তুনা ইত্তোকাবগনি।"

বাসি হেক তাবদা মোগল তিংখত্তুনা চেল্লকে। মাগা অসুম চেল্লবপদা ঐনা মাগী মকোইদ টাপ পাইতুনা চিংই, - মতুদা অহাপ্পা মকোইতু তাবক্লে। মোগলতুনা হাযবকই "ওন্থোকপা হাযবতুনি। অসুক পঙবা মীসিগা কনানা ঘুম পানমিংগদৌবিবনো?" অসি হাযবম্মগা মহাক চেনখ্রে। ঐহাক বোইতু যমুনা থৌবাণীদা লশিন্দুনা মনা ওঙনা লিবে। উ-বাবুনা হংঙকই, "কবিনো তৌবিবসিবে?"

কামিনীনা হাযবকই, 'কবিনো হাযবা? নহাক কোইতু হাপচিল্লগা চাবপাযদা ফমতুনা লৌবুতা যন শেন্দুনা লৈবনো চৎলো।"

উ বাবুনা হাযবকই, "হৌজিক্কী মোগলগী শাশিন্নবনে?"

কামিনীনা মতু হাযগদবা কনাগী মতিক লৈ" শ্রীমতি অনঙ্গমোহিনী দাসীবু শাশিন্নবা কবম্না ওইগদৌবিবনো? থা লেগ-হেক শেংনা দিল্লীদগী ফাওবকপনি।"

মসি তাবদা মযাম্মক হেনা নোক্লক্লে। ঐহাক হাইযেত্তুং থবাই তু ঙাইতনা মগীদগী হন্দোবকই, তাঞ্জাতুদা ঐখোই

লৈকাইগী ব্রজসুন্দরী দাসী কৌমিদা শেগাইরবা ফী অমা শেংনাড়না অডাং অমা পল্লগা উবা ুগী মনাক্তা চংডুনা বারা কপ নাপনা ত্তৌররে। "ঐদি মামা লাযববীরি চা [illegible] ই লৈজদ্রে, অঙো অসিন থাকপা [illegible]রে।" উ-বাবুনা মঙোন্দা শেল থনা পিরে। ঐখোই অমিদি [illegible]গী [illegible]কল [illegible]কলদা লেপ্পুনা লে। মতা [illegible] গোড়জিন্দু হেক [illegible] কপদা কামিনীনা মঙোন্দা হায়রকই 'ঙচে চারিনী, [illegible] খঙলিবত্র মঙাই, অচৌবা অশাগী ইমুদগী ভিক্ষা [illegible]বদি [illegible]শ দা থনদ, খাইবম্ব। তাই।"

ব্রজসুন্দরীনা হায়রকই, "[illegible]বদি করা করানো?"

কামিনী। ঐখোই [illegible]নিনি।

ব্রজ। কয়া [illegible]বম্মু হায়রিবা?

কামিনী। [illegible] কেই?

ব্রজ। লুপা [illegible]বা।

কামিনী। [illegible] ঐখোই মানবা লুপা নিপাল নিপাল, লুপা [illegible]কথক [illegible]বম্মু।

ব্রজ। [illegible] ফনা [illegible]বিনা [illegible] জবেদা।

কামিনী। [illegible] ইমুদগী ভিক্ষা [illegible]কপদা [illegible]বা-তোংনবা [illegible] চাদ্রবদি ইমুদগাম্ম থবা হাপকত্তুনা পিবা তাই।

ব্রজসুন্দরীদি [illegible] ইমুগী [illegible]। শৎ-তৌদুনা লুপা তরাতরক পুথোত্তুনা পিরে। ঐখোইনা লুপা তরা তরক্তু, কৌবাগী যমুনাদা পিরে তাড়গা হায, "ঐখোই মযাম লুপা অসিনা অথুন-অহাঙ চাও।"

ইপুবোইবনা হাযব্রকই, "কবিনো তৌবিবসিবো ?"

অসুম তৌবিডৈ তাল্লক্তা ব্রজসুন্দরীত্ন চৎখিত্রনা বাবানসী সাডিনচিংবা শেৎচিল্লগা মযাম মবক্তা চংঙক্তুনা ফল্লবে। অমুক মযামত্ন পুক্লি তিংবমখৈ নোক্লবক্লে।

উ-বাবুনা হাযবকই, "তৌবিবসিবু শুমাংলীলা শান্নবিব্রনে ?"

যমুনানা হাযবকই, "মত্ন নত্রবদি কবিনো ? যেংউদনা, কনানা কালিযদমন শাাবি, কনানা কলঙ্কভঞ্জা শান্নবি, কনানা মাথুব-মিলন—অত্নগা কনা অমনা চোস্তাক চেনশিন শানবি।

উ-বাবু। চেস্তোক-চেনশিন শানবিবদি কনানো ?

যমুনা। কামিনীনিদনা। চেন্দুনতা লৈবিবাসে।

কামিনীনা বাঙাং-বাতা কযা শিঙ্গিনত্না মযামত্ন মখোইদৌ শাওগৎহল্লি। অত্নগা পানা, লৈ, আতব-নচিংবসু কোইযেন যেন্দুনা মযামত্নবু পেলহল্লি। মতমত্নদা মযাম্মক্তু তিন্নত্রনা মাবু ফাবে, অত্নগা হাযব্রকই, "ন না কোইচেন চেন্দুনতা লৈবিবসি কবিগীনো-হা ?"

কামিনীনা হাযবকই, "চেন্দ্রবদি নখোইবু কিত্না ঢুমিন্না লৈথোকউবা ?"

উ-বাবুনা হাযবকই, "কামিনী! নংগা ঐগা কবি হাযনখি ?"

কামিনী। কবি হাযনখিবগে ইতৈ ?

উ বাবু। নং জগোই শানি হায়বত্নদি।

কা। ঐদি শাগ্রেনা।

উ। কবস্থা মতমদা ?

কা। ঙসাই মু৲থিল।

উ। কদাইদা শাখ্রিবা ?

কা। ঐগী কাদা থোঙ লোাশিল্লগা।

উ। কনা কনা উখিবা ?

কা। কনামতা উদে।

উ। মতুম্না শাগদবনি হাযবদি ঙাংনখিদেনা।

কা। ন৲গী নমা৲দা পেশওযাজ শেৎচিল্লগা শাগদবনি হাযনা ঙা৲নখিবস্থ লৈতে। ঐহাক শানি হাযখিবতু, অতুম্মক শাখ্রে। ঐগীদি হাযাখিবা বা শোইদ্রে, নাখোই উজহৌদবদি কনানা খঙনি। অতুবু ঐদি যোৎলি লৈতুনা থম্লে, মসিদি কমদোবা ?

কামিনীতু জগোই শাবগী দায কোক্লে, অতুবু ঐগী ইপুবোইববু ইশৈ শক্কদবনি হাযনা নম্লে। মযাম্না হুকুম তৌবক্লে, ইশৈ শকউ। মহাক নো৲চুপলোমদগী চ৲খোন্না ইশৈ তম্লবনি। মহাক্না সনদী খিযাল অমা শম্লে। মতু তাবদা অপ্সবা কা্ংবুতু পংনোক্তা নোক্লে। যাথ৲ তাওথনক্লে, "বদন অধিকাবী নত্রগা দাগু বায শকউ।" মদোমগী লম্হীতুদি উ-বাবু কযা খুৎলোযদে, মবম অতুনা অপ্সবাশিংতু কযা পেনদ্রে।

অসুমা অহিং যুথক অনি হৌখ্রে। মসিগী মতাংসি ইদ্রবনু মযাবনি। অতুবু লৈপাকসিগী খুন্৲ মুপীশি৲গী অসুম্বা পুন্সিগী শকুক খবসি হৌজিক্তি চৎনদ্রে, যাম্না ফবে। মবমদি, মসিদা হৌনদবা, ইকাই শঙ্গোই হা৲বা, কবি কবিগুম্বদ্মা লোন্নচৎ চুমদবস্ন যাওবকই। অতুবু মুৎথ্রবা শকুকসিগী শকওং অমতং উৎনি৲তুনা মতাং অসি ইকবনি। অতুবু অয়াম্বা মফমদা অসুম্বা ফত্তবা

লোনচৎসি হৌজিকথাও চৎনবম্বস্ মথাই। অদ্ ওইনবদি অসুনা লুহোংবগী বব যেংবা হুমিদাংদা ইমুংগী মৌনা চৎপদা থিংদ্রিবা নিপাশি দো, মখোইগী মমিৎ-মনা অতুক শিহাবদি চুম্মি। অদুনা মচেক্না যৈবগা মযাগা ফাওবা হাযড়া, অসুম্না মখোইদুগ খওহনবনি।

কুন্নিথোইশুবা মতাং

অরোইবা।

ঐহাক মথংগী হুমিত্তা দোলাই তোংদুনা ইপুরোইবগা লোইননা ইমেইথুগী মুমদা চৎলে। ইপুরোইবগা চৎপিবসি যামা নুংঙাইবা অমনি, অদুবু নপালমুক চৎখিবা মচন্তুনা নুংঙাইবা মও অমনি। পাতমহুদা অমুত্তা ফখিদ্রিবদু ফগা-গনি হাযবগী বাখদা তাওদুনা চৎপনি, হুদকমুবা যনবদু যাঁজিদা চেৎনা পুনশিল্লগা পুদুনা চৎপনি। অমগা কবিগী কাবানি, অতোপ্পদনা ইনাকখুনবগী লনি। ইনাকখুনবগী শাবু কবিনী কাব্যা মাইন্নে হাযগদ্রা? ললতা তান্দুনা চহি অহল ওইববা, কান্থ্য, কাওরবা, মখোইদুনা ফাও বাকমসি যাদে। মখোইনা হায, লৈ হাযবসি পাম্বীদা শাংলিবা নতম অতুপবী মখৈ ফজে, হেক্তোক্লগদি হায়গী ফজবদু যৌদে। মও মওবদা